নিংশিং চেফোঙ

য়াথেংগী অকণ্ডা

নিংশিং চেফোঙ

অরিব সাহিত্য

অয়িব—মোইরাংথেম নরেন্দ্র
খোংমন ১৭।১১।৮৬ ইং

সাহিত্যগি বা হায়ব্রিডৈদ লয়বাক অসিগি অরিব লাইরিক্কি মরমদ বা খজিক্কুং হান্না হায়জকম লৈ। মসি সাহিত্য ইতিহাসনি হায়ন লওবিন্নু। সাহিত্য ইতিহাস নত্তে।

অয়খোয়গি অরিব লাইরিকসিং অসি অতৈ লয়বাক্কি লাইরিক্ক মান্নদব ঝাফম খর লৈ। চৎনবী ৱোয়ন লয়বাক অসিগি অরিব লাই-রিক অয়াম্বদি ইবগি মতম খণ্ডদে। অয়িব মীগি মমিং মথা পীবগি চৎনবী লৈতে, পীনদে। অদুদগি হেন্দোক্কুন কোন্না সিন্দোকপদস্থু অসিনব মী অদুন মাগি ওইব ৱাহয় হাপচিন্দূন হেন্না ফজনব হোৎ-নবস্থু কয়া থেংনৈ। অদুত নত্তন লাইরিক অদু মান ইব ৱোইন উহনবস্থু য়াম্না লৈ। মতুন মরম ৱোইদুন মমিং অমত্তগি লাইরিক্ক ৱাহয় ৱাতা মান্নদব য়াম্নস্থু খেংনৈ। লাইরিক অদুদ য়াওরিব পাউরও পাম্বে অমদি থোল্লীব লৈমগি মমিংদ মাগি ৱোইব বা হাপলুবদগি থৌদোক অকোন অহান্দ য়াম্না থীন চানদবস্থু মরক মরক্ক য়াওরি। অদুন অরিব লাই-রিক মালহন্দে।

ঝাফম অমন লয়বাক অসিদ লৈরিব অরিব (মৈতৈ ময়েক্ক ইব) লাইরিক পুম্নমক্ক ৱাহয়গি অরোইবদ আকার য়াওবগি চৎনবী লৈ। পুম্নমক্ক আকার হাপ্পী। ৱাহয় মপুঙ ফাব ফাদব তাংকক্ক চয়খৈ পী। পন্দুপ নাইবগি বা লৈতে। হায়রিব মৰোঙ কায়দা অসি হৌজিক্কি মতমগাদি য়াম্না চানদব অম ৱোইন থোকলে। অদুদ নত্তন ৱাহয়গি

খুদোং চাব য়েংদন ময়েক অমদ "এ কার, 'উকার' 'ই কার' 'ঈ কার" হাপচিনবসু চৎনবী লৈ। হেন্ন ফজব অমন "হসন্ত" গি অচাদ— অরুম অয়াংগি খেন্নব লৈ।

অমবু য়োইরবসু অমবু য়োইরবস্ত অয়খোয়গি সাহিত্য অসি মপোক থা, মুমিৎ, চহী খঙদব মীবু মীনি হায়দব য়াদবগুম অয়খোয়গি অরিব সাহিত্য অসি অয়খোয়গিনি হায়দব যারোই। মরমদি হায়রিব লাই-রিকসিং অসিন লয়বাক অসিগি মায়রোঙ যাবিরি। লয়বাক অসিগি মসক তাকাদিবদি মথোয় অসিন য়োয়রি। অযখোযগি সাহিত্যদগি অয়ন ফংজব রাখল অমদি সাহিত্যন পীরিব রাখল অচুদি:—

অরিব সাহিত্যগি মতিক মওম (মগুণ)—অয়খোয়গি সা-হিত্যসি অচুম্ব অমদি অচুম্বগি মরম তাকপদ ময়েক সেংঙি। মাগি লোন্দাসি মতিঙ লৈব অমসুঙ অন্ধব লোন্দানি। হেক পাবদ থরাই মুংঙাই, থম্মোইদ, রাখন্দ অপেনব পী। পাঙ্গল, থৌনা, পেস্কহনব রান য়াম্মী। পাঙ্গল থৌনা পীবত নওন অচেৎপ পুকচেল চেনহল্লী। মতম পুন্নমক্কি য়োইব অচুম্ব বা ঙাচব অমদি হেন্ন খঙনিঙব রাগম ময়াঙ য়োই। তাবদ অরাংব, অকনব খোনথোক্ত লৈববসু অমেঙব, অথোৎপ রসন মনুংগি বা য়োইব পুক্লিং ওনিঙভাই য়োইব সাহিত্যনি।

লয়বাক অসিগি অরিব সাহিত্যন নৈনবিব অসিদি (রাজেন্দ্র য়োইরবসু সৈবেংবু য়োইরবসু) পুনসিগি মথমদ নৈনবন মপুঙ য়োই। মান নিঙজরিব অমদি পামজবিব অসিদি মাবু পারগ অমদি নৈনবগ মীয়োইবগি পুকচেল অমদি লমচৎ সাজৎ ফজব হেনগৎহনবনি। মাগি রাদাগ জাতি অসিগি অমদি সমাজ অসিগি মপুঙ ফানব হোৎনবন মাগি মথৌ য়োই। মাগি রাখল অচুতবু মীয়োইবগি থমোইদ মতম কুইন ঙানহুন লৈবহু পামজৈ। পুক্লিং থৌগৎপ সাহিত্য অম য়োইবত নত্তন, অকনব মোৎ পীব তারবদি, লয়বাক অসিগি অরিব সাহিত্য অসিদি মতম থরুতগি য়োইব মপুনসি তেনব সাহিত্য নত্তে। মতম

পুন্নমক্সি বোইব সাহিত্যনি।

লীচৎ-শাজৎ- অয়খোয়গি অবিব সাহিত্য অসিদ লৈরিব সৈরেং নত্রগ বাবেংসি তেল্লবস্থু মীবোইবগি চৎনরিব বাখলত্থ নিঙথিন ফোঙ-দোকপ ঙম্মী। মনুংদ ভাব য়াম্ন ফুম্বন লয়বাক অসিগি সাহিত্যগি সাজৎনি। অত্থুন পুকনিঙ থিংভিন্ন পারকপদ বাখন্দ অপনব পীদে। অপনব পীদবত নত্তন মরু চঙব বাস্থু বোই। বাহয় বাতাগি মরোঙ মতা অত্থুন মৈতৈ লোনগি হেক য়েংবদ সাহিত্য অমগি মতিক চাব লোনগি পুকয় লৈ হায়নিভিঙ। মতিক চাহল্লি। মত্থুমক্কন অরিব সাহিত্যদ ইরিব অপাম-নুংসিগি (শৃঙ্গার রসকি) বাহয়নি হায়রিব অয়াম্বসি মনুংদ অর্থ অনীদগি তাদন সিজিন্নত্থুন লোনগি ফজব হেনহল্লী, খোনচোপ তাহন্দে। শৃঙ্গার রসন মপুঙ বোইব, মপুঙ বোইন ইব লাইরিক অয়াম্বগি অর্থসি অয়খোয়ন নিঙব অর্থগ চানগন্দে। মাগি তোঙানব অর্থ লৈ। থুন্নুং গোন্দ তোঙান্ন থম্মী। হুননিঙব অর্থ হুনব যাদে। যাম্ন খেন্নৈ। খুদম—১। 'হয়জাং মখোয় পাগ্রিবৈঙে, ১। হযন মপান থারগ ৈয়ান মউ িংব", অর্থন—১। মমাঙৈঙে নুপীমচা বোইবিবৈঙে, ২। অঙাঙ (পোপপ)। অস্থুম্ন অর্থদ য়াম্ন খেন্নৈ। অসিগুম্ব নুপী নুপাগি য়োইব বা। (শৃঙ্গার) অযান্ন মফম চান, চৎনবী কায়দন সিজিন্নত্থুন খোনচেপ তাহন্দে। সিভিন্নবিব লোল, বাহয় অত্থুন চৎনবী কায়ত্থুন অমদি মফম চাদত্থুন সহিত্যগি ফজবস্থু মাঙহন্দে।

মথক্ক হায়বিব অসিগি খুদম বোইন অবিব লাইরিক্কগি বাহয় খরদং থন্দোকচবি :—১। সিংলেল মীরৈ চিল্লে, চুবা লৈথেং ফৈবে—চাইনরোল ২। মসানৌ সিখোঙ তাইথেন, হয়রাং লোনজান, তাউজিঙ লোলহাইনববু লৈবরা ?—লম্বুব। ৩। য়োয়বু সিঙলেল মপান সা, লোইদাম থাজ ঈথোল লৈবু সিঙলেল লৈতোল লোম্নবগি লাইজ পাসানবদ, য়োয়বু সিঙলেল লৈথেৎন, লৈরাং লৈচিনবদ তম্ফা হয়বাঙ মচা য়াল, তাওভিঙ মদ্ধ পনখিয়ে।—সনামহী লাইকল।

অপাম মুংসিসিন মপুঙ ফায়বগি পুকনিঙ অনীন থুংনমিঙবগি হায়নবদ, থর হেন্না লিরব ৱাহয়গি মৱোঙ অহু অমুক্ততা য়েংবিয়ু:— হা পেম্ম ইনজিংবীরো, মুজা নঙগি হংগেন পৌরা তেঞ্জনি ইনবু তনন সোনগৎলো, পামেল উঙাম ঈরায় হকয়ে, থেংগনিয়ে। হা, পাখৌ ইবুংরো পামেল উঙাম কায়গনিরা, হংগেন পৌরাদি করি তৌ-রোইয়ে।—ঔগ্রি হংগেন।

অচম্ব, অসেংব, তাবদদি ফজদব মনুংগি ভাবন লাইবমলেলগি ৱা রোইর ৱাতা অমতংগ থমজগে।—হৌদোং য়ুমদ লৈবীন সরেল সাকোক মচায়ে, তাল্লোয় য়ুমদ লৈবীন লালফা ইসৈ মসকয়ে।—(থেংগৌ)।

অসুমন ৱাহয়বু মচন চান সিজিন্নহুন সাহিত্যগি মসক ফজহল্লী। খোনচোপ তাহন্দে। ৱাহয়সিং অসিবু অৱাংব থাক্ত লৈহল্লী।

ইবগি চৎনবী মৱোং—অয়খোয়গি অৱিব সাহিত্যদ ইৱিব লোন্দাসি অর্থ মান্নব লম লমগি লোনবু অনীরক হুন্ন সিজিন্নহুন ৱাহয় চবুন চবুন রোইবগি, সেম্বগি চৎনবী অম লৈ। মসিবু লয়-বাকনদি ৱাহয়গি লৈতেংনি হায়নৈ। মসি অয়গি মোত্তদি অসৈবগি তান চাননবনি হায়নিঙিঙ। মসিগি চৎনবী অসি (লম অনীগি লোন্ন সিজিন্নব অসি) তান চাননবত নত্তন হেন্ন ময়েক সেংনবসু রোইহল্লী। মতুমরু অর্থদসু থোইন হোংবগি ৱাসু লৈতে। থুদম—কোরও নোং; পনম চৎথোকপ; তেকপী রোকলাং; নমু পোং; লেমলয় ঙা; চেংলও সক; খাব পূম্ন হুপ, য়াংব পাকন তাই; য়ারও সজি তানবন সজি কুৱাং তানবন; হায়ব অসিগুম্ব লোন্দাসি অৱিব সাহিত্যদ সিজিন্নৈ।

লোলয়ান অসিদি অথেঙব মতমদ সিজিন্নৈ। লোলয়ান সিজিন্নব অসিসু য়াম্ন মচু তাই, ফজে লোলয়ান সিজিন্নবন মচু তামনখিবদগি ইমারোলগি পুকয়দ ময়েং তাহনখিবদ নত্তন হাম্ন ফজরম্ব ফজব অহু মাঙহনখি। হান্ন করি হায়রম্বনো হায়ব অহু ফাওব কাউহনখি।

খুদম খব—বিচাব বাথি খঙদব ; নমু মীচৈ সাপ ; মুয়া বাংলৈ য়ুথকপ ; প্রেম চাইজি মরাঙ হও। অসিগুম্ব মবোঙগি খুৎইসি খৃঃ ১৫৯৭—খাগেম্বগি মতমদগিন হৌজিক ফাওবদ ইনৈ। লোনয়ান সিজিন্নবী ।

লোনয়ান লাকপদগি সিজিন্নখিদ্রব লোন্দা খর—বায়ব, খুরা, তাওতেক তাবু, মহীগি চং খঙনবদ—খুম, লি, নোংমা ; অয়াংব পোং রোনবি চাং খঙনবদ উতোং লুক লাইতং, লিখায় ; তেরা লসিংগি চাং খঙনবদ—"হৈবেল" "মুক" ; অরাংবদ—হুমফুতোন ; অরাপ্পদন—সনাং কুইব অসিনচিব খর।

অরিব সাহিত্যগি মনুংদ চেন্নীব বাখলগি ইচেল অসিগি মতাংদ (অযন) মথক্ত হায়জখ্রিব অতুপ চানা লযবাব অসিগি সাহিত্যদ লৈরিব ইচেল শবদং পুগেংচগে। মীরোইবগি পুনসিদ থেংনরিব অরা মুংঙাইগি বাদ নৈ নবিধ "লাংলোল" হায়ে থমজরি। 'লাংলোল' বা অসিদ "লাং" হযব অসি পুনসিগি থোঙচত্ত থেংনরিব অবাব, বোইবক্কদব, বোইশলিস অদবুনি। পোন্দবী লাং, লাংফম অসুম্ন পুনসিগি খোঙচং নৈনবদ হায়নব বানি। লাং অসিগি মবোনবু "লাংলোল" হায়রবনি। মাং অসিগি মমদ মৈত্ত নবিন থাবিব সৈথা—"য়োয়মযায় তাউদলবাদ পোবঙ মুমিং তবেংমবু হয় হয় মতেরকয়ে। থবী লোইদাম্বন থাচ তরানীথোইম্বু তেন তেন মহল্লকযে। লাঙহৈ কুম্বাবীন লাবলেল কিসি মতাইসিল্লকয়ে। পুনসি ঈবাল লৈদি হনবিরক্তে। হৌজ্ফ ফেংন নৃচশম্বু মযেং মতাসিল্লকয়ে। থঙলেল সুন-মন গুম মথৌ মরৎসিল্লবয়ে। তঙজগুম মীরুল হুফদ লিলহাগুম মতাং সিংফদবগি মিঙচং লংহুমন মসাংলগরে। মাঙহল মরমদান মতেল্লকয়ে। য়োয়মযায় তাউদনবু মুমিং শুজেং লাকন থামলো ভমলোদে। লোইদাম থাজ পাখঙবস্তুভ থাজ খাঙরায় কোনন ভাবচ ভমলোদবগি নমু তাইবঙ পোংরোইবু হনমু কুক্ক চনন মমৈ লাকন বাইথুংরকয়ে"। বারেং

অসিদ থোইদোকপ অর্থগি চয়েংনব অরুব য়াওদে। মনুংগি বাখল কর্জব অমসু লুবগি বাদনি। মতম হৌখিব খণ্ডহৌদব অমদি থাম্ব ভমদে, নোংম নোংম হৌখিবন মীবোইবসি নোংমদি হন্নব হায়ব অহুন কাখি হায়বনি। মসিগ মরী লৈনন মীবোইবগি পুনসিদত নৈনরিব সৈরেং অসিসু য়েংবীয়ু—

চিঙদ সাংপ ইঙেল লৈ
চিন্নদন কেনখিব,
কল্লকয়ে দে।
× × × × ×
লৈরাংন লৈখোক লোয়বগি কেনবনে।

সৈরেং অসি মুপী অমগি মুপা অমগিত নত্তে। মীপুম খুদিংগি বোইব বাকমনি। মুপাবু হয়, মুপীবু লৈ হায়বসি কবিগি অমদি সাহিত্যগি বাদ নত্তন খুন্নুং লোন্দসু অহুম হায়। খুন্নুং লোনগি মতুং ইন্ন সৈরেং অসিদ চিন্নদন কেনখিব হায়বসিদি ময়ুম পান্দ্রিভৈদ সিখিব হায়বনি। "চাব-চিনব" হায়বদি লওন লৈনববু খণ্ডনৈ। মুপী নত্রগ মুপান ময়ুম পান্দন সিখিবসি কল্লকঈ হায়বনি। সিরিব অসি য়াদহুন সিবনি হায়হুন মরম খরগ কোম্নন হায়রী। সৈরেং অসি মী অমত্তগি নত্তে। মীপুম খুদিংগি বোইব সৈরেংনি।

অসিগুম্ব মফম পুম্নমক্ত চুম্ব, তাবদ ফজ্জব সাজংন লয়বাক অসিগি সাহিত্যগি খোঙচৎনি, লীচৎনি।

মথংগি সৈরেং মফম অমদি মতম পুম্নমক্ত চুম্নব, তাবদ পুকনিঙ মুংসিব পোকপ, ময়ামসু হেম্ন খণ্ডনরব ইচম চম্ব সৈরেং—

চেক্লা পাইখরবদ,
পোম্বী হনজিল্লকপদ,
চেক্লাগি × × ×
× × × × × × ×

চিংমুংগি সনা লোকতগি
পাইবীরকলো।

সৈরেং অসিগি র'হুয় রাতাসি অরিব লোল নত্তে, ময়াম্মস্থু খণ্ডনবিরি। রাহয় চম্মী, লুদে। লুবিবদি মমুংগি ভাবনি। মসিদ সিজিন্নরিব 'চেক্লা, পোম্বী, চিংমুং, সনা লোক'' অসি মপান থোংদ উরিব, ময়াম্ম খণ্ডনবিব অর্থ অসি রোইন লওব য়াদে। ময়াম্মখণ্ডনরব লোম্নি হায়ত্থনস্থু লায়ন লওব য়াদ্রি। অর্থ য়াম্ম চেম্লী। মমুংগি ভাবতি য়াম্ম লুন লুন থমলি। সৈরেং অসিদ চেক্লাগ পোম্বীগা অনিগি খেন্নব লৈহললি চেক্লা অসিন মনিঙ তৌব, পোম্বীন মীখা পোনব রোইন উহললি, থমলি। মসিদ সিজিন্নরিব পোম্বী, চেক্লা অনী অসি উচেক্কি রা নত্তে। থরাইগি রানি। পোম্বীরোনগি রানি। পোম্বীবোন্দ চেক্লাবু য়াইবীবেল সিদব, পোম্বীবুন থরায় অয়াম্ববু খণ্ডনৈ। অত্থগ মীরোইবগি লুখম্বু চিঙথৈ হায়। চিঙথৈ, মাইকৈ অসিবুন সনা লোক হায়। মসি মৈতৈ কবিন সিরমদাই থরাইগ হকচাংগ কাইনরমদাইদ সিজিন্নৈ। য়াইবীরেন্ন লেঙথ্রবদ মিহুন্ন মাঙথিবগি রাহু তাকপনি।

সৈরেং অসিমক কুলচন্দ্র মহারাজন চসাৎলোমদ লাল চেনখিবদ মনাইসিংন মাবু কৌবগি মরম ইবদস্থু সৈথানৈ।

মথক্কি সৈরেং অসিগি মরোঙদ লাই হুরাউবগি রাকোল অসিস্থু উচেক নত্তে, থরাইনি। থরাইন অফব ইমুংগি (ইমাগি) থরাই রোইনবগি অমস্থুঙ রোইনিঙবগি ঈসৈনি, লাইসোননি। পোম্বীরোলগি মতুংইন্নদি উচেক্কি রা অয়াম্বসি থরাই রোইন লওনৈ। থরাইগি মসক তাকপদ সিজিন্নৈ। অত্থগ রাবস্থু উচেক রোইন লোদে।

থরাইগ হকচাংগ কাইনরমদাইগি রান য়ুমফম রোইবগ ভুপী মুপাগি রোইব রাহয়ন অসিরৈবু সৈথাবদ রাব লাইসোনগি রাসি অমুক্ক য়েংবিয়ু।

হয়ী থুমুংচেং, লাংব চকউ, হয়জাঙ মখোই পান্দ্রিউ, য়োয়বু

খোইমোম লাইরেম্মা, তস্ফা লয়মরেল সিদবী, লাংবন খোংহীগুম থুমখোইবী, লয়রোল নোংলোল অহুম্মগি মবেম্ম, তস্ফা বাকয়ম হিরাব, তোংচেং নওখপ তোইব মহুঙ মাংগুম পুকনিঙ পনথুংদবীন নমু মীবুক চঙন মুরা তাঙজলৈরোং সান সমলাং কোনথেঙ লোনবীসিংন লোইয়ুম মমান মচা, মুরা মানজ মনিঙনবসিংবু খোয়বু লিনবু চুন নিঙনব লৈবু লৈয়ে। লৈরাং নাতাদি লুপা তাংগ মানব, সিঙলেল মপানতাদি থবা থরক লমসঙ মানব, লৈরাং মখোঙতাদি কাইনৌ পেক্রক মানব, সিঙলেল হেকনিঙ ঙাইবদি কললউ মানপল থনব, লৈরাং চিননিঙ-ঙাইবদি সাবল পন্দোল থনব, সিঙলেল লৈয়োন মুংদ মুকাক কোনবী চুদানব লৈনে। সিঙলেল লৈপাল মন লৈরাং লৈবু অহুম থোকপ লৈ, মিংমৈ তোয়াল লৈ, মিংলু কোপোল লৈ; মিংচিন হাইথুপ লৈনে। সিঙলেল কাক্কেম, লৈরাং পাকতকনন, নমু মীরোল হাঙদন চিন্নব লৈনে। য়ামচেং মুংরোন পুকহু লৈনে হায়বগি যোয়বু খোই মোম পাম্ভোইবী সিদবীন খোইমোম লাইমিং সীনন খুৎসিন্নয়ে। রাব কোললও রা, রাব সমন মপান লোয়ন লংথ রায়, তস্ফা য়ুমজাউ লয়ম, মোংব থাঙঙ য়ুমলেল ঙানবীন খোইমোম রাব লৈসেংলোল অসিবু নমু পোংব চান উনবী পুকনিঙ পীন নাতারবদি পুকনিঙ অযা-ম্ববু চরই ফিবুন কোনবগুম মুম খুদুম চন্ন য়োন্দন তানফংনয়ে।

মথক্কি রারেং অসিদ সিজিন্নরিব রাব অসি উচেক, য়েন্ন রোনব অদু নত্তে। থরাইনি। রাবগি মনিঙ তম্ব অদুতবু লৌবনি। য়াই-বীরেন্ন চৎনিঙবদ চৎপ, লৈনিঙরিবৈ লৈব, পুনসিদ থরাইগি খোঙচৎ অদুতবু থাবনি। অসিগুম্ব মতম পুম্নমক্ক চুন্নব, মসিবু নৈনরগ মী-রোইবগি পুকচেল অমদি লমচৎ সাজ্বৎ ফগংহনবগি রাদ নৈনৈ। অদুন অরিব সাহিত্যসে মতম খরতগি রোইব পুনসি তেনব সাহিত্য নত্তে।

অয়খোয়গি অরিব সাহিত্যসে লয়বাক অমগি সাহিত্যদ লৈফম

থোকপ মচাক পুম্নমক অছু স্নন লৈজে। সাহিত্যবু সমাজগি মিংসেন্নি হায়বনিন লম্নবাক অসিদ থাযেন থৌদা অমদি চৎনবী কায়ব মতাংদা তাথিব মমি পোইরৈতোন খুনথোক্কি বা—থানিঙব হোংনদে, মিকোনব হোংনদে, থানিঙ মিকোন অম তৈবদি নম্নুবা চিঙথোঙ পোইরৈতোন মথুরোনবু কোনম্নবে। সৈবেং অসি লোনয়ান চংদন মীতোপন খঙ-দনব ইব লোন্দানি। অরুব, অরিব লোল য়াওদে। মথুরোন হায়ব অরিব অসিব লোল অসিদনি মম্নও লৈরিবদি। মথুরোনসি অর্থ খম্ন য়াম্মী। মথায় শঙনবন মথাবোমদ চেনব তুরেলনি। মসিদ সিজিন্ন-বিব মখুংগি অর্থন তুরেলগি ঈচেন হংগৎন চেনদে হায়ব মচিন মনাও মুংসিনবগি বা অহুনি। ময়াম্বন হেন্ন মুংসি মনাওন বাৎলী হায়ব-হুনি। অহুগ অতোপ্প অর্থ অমন মুংসিনন কায়নব হায়বনি। অর্থ অহুম অসি সৈবেং অসিগি মথুবোন অসিদ পুন্ন সিজিন্নরি। সৈরেং অসিগি অচম অথ ন লাইনিঙ লাইসোল, লীচং সাজং, মিংগো থাগো হোংনরমদে কাযনরমদে, অহোঙবদি নপুবোক পোইবৈতোন ময়াম্ববু মুংসিদব, মুংসি মুংসি কায়নবব অনিস্থ যাওবনে হাযবনি। লাইরিক অসিগি বাদ যেংবদি লযবাক অসিদ চংনবী কায়ব, বাযেন পথাপ কাযব, লয়বাক বাথোক বোইব সাসন পুব ঙমদবগি মমি তাহল্লী। মতাং অসিদ স্থিৎ কাপ্প, পাম্বোইবী থোঙগুন পনব য়াই। বায়েন পথাপকি মমি তাহল্লী।

বাযেন থৌদা ফজবদ তারিব মমিসিদ নিংথৌবোল লম্বুবগি বা "অহিং মীরোইব, মুংথিল লাইরোই" হায়বসি পনব য়াই। মসি লয়ঙাকলোনগি ব রোইববস্থ সাহিত্যগি বাদি বাংঙি। মফম অসিদ শিবিব মিংথোল অসি নোংদা লাইরেল পাখঙবদনি। মাবু বায়েন চুম্বদ পীব মিংথোর্নানি। অর্থন মুংথিন্দ লাইদোন অয়গি মীগি নাইদন অচুম্বত থনব। অহিংদন মীরোইন মচা মন্থুগি বাথন লৈববু হায়বনি। মসি ইতিহাসকি বা রোইক্লনস্থ সাহিত্যগি হঙনব সাজং অচুম্ব বাফম

রোইব বানি। ভাবদস্থ কজব রাকমনি।

লয়বাক অসিগি অরিব সাহিত্যদ মতমগি রাকমদ নৈনব রাহুর রাতা অমদি লাইরিক্কি পাকসন্ন উদে। পাম্ব্রোইবী খোঙ্গুন নত্তন বা নৈনব অরিব সাহিত্য থোইন উদে। পাম্ব্রোইবী খোঙ্গুন্দ মতম কৌবী লাইব্রেরীবু পাম্ব্রোইবীগি সক্তম রোইন চেংলয় সনাইন মমৌ রোই। রাজ লক্ষ্মি রোইব পাম্ব্রোইবীবু মমৌ অথোইবী রোইন সৈথাই। চেংলয়গি লম রোইরস্ব কংলয় অসি অঙোম সনাইন লও-খিববু নোংপোক্ত রোঙখিব হায়ন সৈথাই। চেংলয়গি মতম লোইরত্তুন অঙোমগি মতম ,রাইখ্রে হায়ববু নোংপোক্ত রোঙখিব হায়ন সৈথাব থর অত্থু নত্তন অতৈ অতোপ্প মতমগি রাদ নৈনব লাইরিক উদে। নোংপোক পাম্ব্রোইবীদ থর নৈনব অসি নত্তন লয়বাক অসিগি অরিব সাহিত্যদ মতমগি রাদ. মরমদ নৈনব লাইরিক উদে। অয়খোয়গি অরিব সাহিত্যদ লৈবিব মঙ্গুংগি রেইব ঈচেন অসিদি নকুব লয়-বাকসিংগি মমাঙদ পুথোকপদ থোইন তোনথরোই।

কাশ্মীর শৈব ধৰ্ম্ম অমসুং শ্রীঅরবিন্দ দর্শন—চাংদম্নদুনা নৈনবা

ডাক্টর এমঃ কীর্ত্তি সিংহ
M.A., LL.B, PH D, D. LITT

শ্রীঅরবিন্দগী দর্শন পণ্ডিত কয়ানা নৈনখ্রে। মহাকী দর্শনগী শরুক কয়া থীজিনবা কাঙবুনা পুথেক্তুনা পাক্ল শনদোকখ্রে। কাশ্মীরগী শৈব-দর্শন কৌবা অদ্বৈত (ঈশ্বর অমত্তনি থাজবা) দর্শনগা অরবিন্দগীগা নৈনবদা শুংভাইরবা লম্বেল ওইরী। অরবিন্দনা মাগী চীঠি অমদা

ময়েক শেংনা হায়খি—"ঐ তান্ত্রিক অমনি, জগৎ অসী আনন্দ (নুং-ঙাইবা) দগী পোকই, আনন্দনা লৈহনলি অমসুং আনন্দদগী আনন্দ অমদা উংহনগনি।"

ভারতকী ঋষি অমসুং দার্শনিকশিংগী মরক্তা অরবিন্দগী মফম অমা লৈরে। বোমেন বোলাগুনা হায়রি—"মহাকবি অচৌবা ঋষিশিংগী মনুংদা ইকোন কোনবনি।" মিৎয়েং য়াম্না পাকপা পূর্ণ দর্শন কৌবসু ম্নানা পুথোকখি। মহাক্কী মপুম ওইবা নীতিদা থমুং কাংলোনগী ওইবা তোৎসনবা উত্তুনা জগৎ শেম্বসিগী মবমদা মরিক চুম্না একাউন্ট উৎলি। মসিদা অহোংবগা হোংদবগা, তপ্পা তপ্পা চাওখৎপগী নিয়ম অমসুং মতম পুম্বগী ওইবা অনীগী মত তাইশিন্নৈ। বাথনলোন অসিদা অহোংবগা অকুইবগা অনীমক চপ মান্ননা অশেংবা মশক্তি হায়রি। লৈবা, ওইবগী চপ মান্নবা মাইকৈ অনীমক মশক তাকই। অথন্নবা ওইবা পোৎশিং অসিসু জগৎকী ওইবা পোৎশককুম্না শেংই। মরম অসিদগী তপ্পা চাওখৎলকপা অমসুং মপুং ফাবা অনীমক অথোইবা মশক অদুগী চপ মান্নবা মশক নাইবা ফিবমনি।

কাশ্মীরগী শৈব অদ্বৈত দর্শনদা অপুনবা, মচোই তাবা, লেপ্পা ওপ্পা, লেপ্পা ওমদবা, অহোংবা অমসুং হোংদব অশেংবা মশক্কী শক-লোন থোকদোকপনি। অশেংবা মশক অদু পরমশিবনি। থবাই অমসুং পোৎশক হায়বাদ ঐ অমসুং মসি হায়বসু পুনশিন্নরে; অশেংবা মশক্তি প্রকাশ জ্ঞান অমসুং চিমস ক্রিয়া অনী তিন্নবনি ; মশক চপ মান্ননা থমই। অহোংবশিংগী মরক্তা হোংদনা লৈরিবা পরম-শিবগী থায়দোক্নবা য়াদবা মশকশিংদি 'ঐ অমসুং মসি' অহোংবা হোংদবা, মপুং ফাবা অমসুং তপ্পা চাওখৎলকপনি।

পরমশিব (অশেংবা মশক) অসি গুণ মঙাখক চেনলি, মথোই-সুদি চিত (লৈবা), আনন্দ (নুঙাইবা), ইচ্ছা (অনীংবা), জ্ঞান (খঙবা) অমসুং ক্রিয়া (থবক)। ভাব অসি অরবিন্দগী সচ্চিদানন্দগা চপ

মাম্নে। অরিবন্দগী অশেংলসি লৈবা, জ্ঞানগী শক্তি, মুঙাইবা অমসুং বিজ্ঞান হায়বা গুণশিং লৈ। নিয়ম অনীমক্তা অশেংবা মশকসি মীগী বুদ্ধিনা লাপ্না কংদে, মসিদগী হেন্দোকই হায়বা ফংই। মশাগী মত অসি ঙাকলো পীনবা অরিবন্দনা ওমথৈ নাইদবা পুথোকই। ওমথৈ নাইদবগী ন্যায়দি ঈশ্বরগী মতৌ অদু খঙবদা লৈ। অরিবন্দগী অশেংবা মশক্তি মশক উদবসু নত্তে, অদুগা খেন্নবশিং অমসুং মরী লৈনবশিংনা পুনশনবা নত্তে। মহাক্কী ওমথৈ নাইদবদু জগতগী হেন্দোকপা অমসুং জগৎ অসিদা লৈবা অনীমক ওইগনি। মাগী ওমথৈ নায়দবগী ন্যায অদু খঙ্ববদা শরুক ময়াম পুনশিন্নবা অশেংবগী মশক অদু খঙগনি।

কাশ্মীরগী শৈবদর্শনদসু ওমথৈ লৈতগী ন্যায় অসি ফংই। পরম-শিব সংসারদা লৈ, মসিদগীসু হেন্দোকই। পরমশিবগী তৌবা ঙম্বা ময়াম লৈরগী মনুংদা নীংতম্বগী শক্তিনা খ্বাইদগী অথোইবনি; মসি (স্বতন্ত্র) নীংতম্বনি। কনাগুম্বনা অনীংবা মতুংইন্না থীংদনা থবক তৌবনি। বিশ্ব জ্ঞান (জগৎ পুম্বগী জ্ঞান) গী শক্তি অসিনা মশামক্তা হোংদ্রবসু, অহোংবা মানবশিংগী হৌরকফম ওই। ওইনীংবদা ওইবা ওমই, মওং অমদা হেক্তা লৈবগী লম্বী ওই। মফম অমসুং মতমনা লেপ্পা ওমদে। Divine being (লাইগী ওইবা) গী থম্মোই হায়বদু অথোইবা অনীং-বসিনা ওই। মচং ওইবদা পরমশিব নীংতম্না নীংবগী থীংদ্রবা তুরেলনি। খঙবা অমসুং থবক্কী মথম্তা চেম্বরকপা ঈচেলনি। ওমথৈ নাইদবা হায়বসি মাচেৎ ওইনা লৈবশিংবু পুনশিনবা মশকনি। ওন্নতৈনবা ময়ামগী মপুং ফানা অমতা ঙাইবনি। মপুং ফাদববু পুমকক ককপা নত্তে,—তৌইগুম্বসুং মশক থীহনবদু য়াদবনি। জ্ঞান লৈতবদা মশক উৎপা জ্ঞাননি।

নিয়ম অনীমক্তা অশেংবগা মশক্তা অনীথোকপদু মুথংলি। অথোইবা অশেংবনা হেন্দোকপা, অশেংবা মফমশিং অমসুং শেংদবা থুংশেমদা মশক উৎলি। অরিবন্দগী দর্শনদা সৎ, চিত, আনন্দ অমসুং বিজ্ঞান

অসি ঙমখৈ নাইদবা মপুন্থুগী হেন্দোবপা -শকলোন ওই। কাশ্মীর শৈব দর্শনদনা পরম শিব অসিনা অশেংবা অমস্তুং শেংদবা খুৎশেম অনীমক্তা শকলোন উৎলি। অশেংবা খুৎশেমশিং পরম শিবগী তোঙান তোঙানবা মওং উৎপা ঙাক্তনি।

নিয়ম অনীসিনা চাওখৎলকপা অমস্তুং তপ্না হৃম্বরকপা অসি কুম-থবা অমস্তুং কাখৎপগী মওংদা ব্যাখ্যা তৌই। আনন্দ (নুঙাইবা) হায়বসি সচ্চিদানন্দগী শেংলবা মশকনি। মাগী থওইদবনা মক্কম-মতমগী জগৎ থোকহনলি। মক্কম-মতমগী জগৎ থোকলকপসি কুমথবা অমস্তুং কাখৎপগী মওংদা ব্যাখ্যা পী। কাশ্মীর শৈব ধর্ম্ম অমস্তুং অরিবন্দগী দর্শনদা কাখৎ-কুমথগী ব্যাখ্যা ফজনা ফংই। "ঈশ্বরনা চিত শক্তি, নুঙাইবা অমস্তুং Supermind (পুক্লিং) গী লোন্দা শান্নহুনা চপচানা লৈবদগী জগৎকী মওংদা কুমথরকই। অরাংবনা হৃম্বদা ওন-লকপহু কুমথরকপা কৌই।

অরিবন্দগী মতুংইন্না কাখৎপসি পোক্তগী পুন্সি, থরাই অমস্তুং পুক্লিংদগী মথং মথং অথোইবা পুক্লিংদা হাইগত্তুনা Divine being (ঈশ্বরগী মওং) য়োই। হৃম্বা থাক্তগী অরাংবদা কাখৎপদা হৃম্বগী মশক অহু থাঙ্গৎলি অমস্তুং ওস্থোকই। পুম্মুৎ মুথৎপদি নত্তে।

বিশ্ব জগৎকী চথবগী মওং অসি খঙহনবদা কাখৎ-কুমথ পনবসি দর্শন শাস্ত্রদা শৈবাগমনা ইহান হান্না হৌদোকই। মসিদগী কাশ্মীর শৈবিজমনা পূই। কাশ্মীর শৈব দর্শনদা মপু (পরম শিব) না মশাগী নুঙাইনবা শান্নবগী, মশক উৎপগী অমস্তুং হান্নগীদা হৃজিনবগী হৌরক-ক্কমনি। চিত (জ্ঞান) ওইরিবা পরমেশ্বরনা মাগী অনীংবনা মশাদা য়াউজরবহু মপান থোকহন্দুনা শান্নবগী অপাম্বা উংলি। কুমথরকপগী মশক্তা হান্নগী মওংনা মপুংফাবা থাদোক্তুনা হৃম্বগী মশক লৌই। অনী থোকপা মানহনবা জ্ঞান অসি ইবুঙো' মহাক্না থোকহনবা হৃম্ব-হনবনি।

কাৎপগী থাক্তা পরম শিবনা মমাং খাবা মওং পুথোক্তুনা তুংগী ওইবহু নৌথোকই। খুদমদি জ্ঞান যোগীশিংনি। তুং থংবা মওংনা হুম্বা হুপ্লেক্তুনা মমাংগী ওইবা মপুং ফাবহু লৌরকপনি।

শ্রীঅরবিন্দগী মত্তা অথোইবা মপু অহুনা জগৎকী ওইবা অমসুং ইশাগী ওইবদা মশক ফোঙদোকই। মীওইবা হায়রবসিনা অথোইবা মপুগী মশক উৎনবগী মথায়নি। চান্নবপ তৌবা মওংদা কাশ্মীর শৈব লাইনীঙদা হোংবা নাইরবা মশক্কী জগৎ অসি সংবিদ (বিশ্ব জ্ঞান) মশক ফোঙবনি হায়। উরিবশিং পোৎশক, জ্ঞান, ইন্দ্রি অমসু করিংগুম্বা মওংদা লৈরিবা পুম্বা বিশ্ব জ্ঞানগী শকলোন ফোঙবা ঙাকনি। মীগী শক্তম হায়বসি খাইদগী হেনবা ঈশ্বরগা মচং ওইবদা চপ মান্নে। থওইদবদগী আত্মানা চোউনা তাবা ময়াম ওইনা উবকগ। নিয়ম অনীমক্তা অশেংবা লৌশিংদি শুন্যদা লুপশিন্দুনা ইশাবু কবিশু লৈহন্দবা নত্তে নত্রগা মওং লৈতবা অথোইবদা ইশা তুমহনবা নত্তে। অশেংবা লৌশিংদি মী অমনা মপুম ওইবহুগা অমতনি থঙবা অমসুং মহু থঙহুনা মীগী পুন্সি শেমগৎপনি। মী অসি জগৎকী পুন্সি শক্তিগী তোপতোপ্পা অমসুং ময়াই ওইবনি। পুন্সিগী পম্বুংদি সমাজগী থবক অমসুং পুন্সিদগী লাপথোকপা নত্তে। থবক্তা য়াওহুনা শেমগৎপনি। মীওইবনা মশাগী জ্ঞানগী মতুংইন্না পুন্সিদা অশেংবা নীংতম্বা অমসুং পুমহেন হেন্দোকপহু ফংবা ঙমই।

নিয়ম অনীমক্তা পেগবু অয়ান খুভম ফংনবগী লম্বীনি হায়রি। মীগী মশাদা লাই কুমথরক্লগা অশেংবা শকওং থঙগনি। ঈশ্বরগী থৌজানগী মফমসু চাওনা থমই।

নিয়ম অনীমক্তা পোৎশক অমসুং থবাই অনীগী লাপথোক্লবা থমদে। অনীমক তাইশিননৈ। অরবিন্দগী দর্শনদা পোৎশক হায়বসিদা ময়েক শেংদ্রবহু পুন্সি য়াউরে; পুন্সিদা পুক্লিং য়াওরে। কাশ্মীর শৈব দর্শনদা পোৎ পুম্নমক অচৎচত্র থিবিক পরম শিবগী

শক্লোন ঙাকনি হায়রি। পোংশক অমসুং পুক্লিং নিয়ম অনীমক্তা থেংনৈ। নৈরিবা পুম্বগী সমস্যাদি থন চপ চানা থম্বগী সমস্যা ঙাক্তনি।

নিয়ম অনীমক্তা অশেংবা মশক্কী ভাব, কাথৎ কুমথ, অয়ান খুভমগী ভাব, পোৎশক্কা পুক্লিংগা পুনশনবা নৈনবদা মায়বা উরে।

ভারতকী অধ্যাত্মিক লনগৈদা তন্ত্রনা অচৌবা থৌদাং পীরম্মী। মহৌশা হায়বসি অধ্যাত্মিক ওই হায়। মীগী মন্নুংদা লৈবা মহৌশা অমসুং মপানগী জগত্তা লৈবা মহৌশা অসুম্না থমই। মহৌশারোন-দগী হেন্দোকখিবা অধ্যাত্মিক হায়বসি মহৌশাগী অৱাংবা মওংনি। পোৎশক্কী মহৌশানা হেন্দোকপা শেমগৎপগী মশক ওইবা মহৌশাগী মশকনি। তান্ত্রিক অদ্বৈত মখন হায়বদি কাশ্মীর শৈবিজম নত্রগা প্রত্য-ভিজ্ঞা দর্শনদগী অরবিন্দনা ৱাখনলোন কয়াগী মচাক কংই হায়না পু-থোক্লরি। শৈবধর্ম্ম মখনসিবু প্রত্যভিজ্ঞা (নীংশিংবা) হায়রুবগী মরমদি নীংশিংবনা অৱান খুভমগী লম্বীনি হায়বদগীনি। মীগী জীবগা পরম-আগা অমতা ওইববদি মহু নীংশিংবা করি কায়রি হংবা য়াই। ৱাহং অসি মাধবনা মায়বা অমা পীহুনা থুমই। মুংশিনবদগী ঙাওরবা মুপী অমবু মুংশিনবিবা মুপা অহুনা ইচম চম্না লাক্লগা পুকচেন ক্বাজনবা ওমদে। মাগী মুংশিবহুনি হায়হুনা শক খঙফম থোকই। থঙইদবগী য়োহ্লিং অহু হন্না খঙবসিনা নমহৎলি। থৱাইনা মশাবু ঈশ্বরনি খঙ-লবদা ঈশ্বরগা অমতা ওইবগী মুঙাইবা ফাউজে। দর্শন অসি বৈ-জ্ঞানিক অমসুং নৌহৌনা শেমদোক্লুনা অরবিন্দা খ্বাইদা উংথি।

"অকোকলোন"

অইবা :—শ্রীমোইরাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ
এক্স-ভিজিটিং গুরু (থাং তা)
জবাহরলাল নেহরু মনিপুর ডান্স একাডেমী, ইম্ফাল

(পণ্ডনা থোক্কবা তৌহৈদবা থবকনচিংবা উপদ্রব কয়া তৌরক্লবা মতমদা কোক্লবা থৌনিবা মথল অমনি। মসিবু অকোকলোন হায়না কৌই ।)

১। **ফুংশিংনা ফি পাইরবদি:**—ফি মপু অহুনা মঙ্গোল ময়াইদা, মকোক্তা ফিদো থোংদনা, পাইথিবা ফিদো লৈত্রগা ফি অহনবা অমনা মকোক্তা হাপতনা লেপহল্লো ; নাকথদা ৱাই তৈথোকও, লারোল অহুম থাও, হৈকন লাকন চাইয়ো, অহাও-অথুম, হৈ মনম নাইবা অনি, লফোই লফাং অনি, কা অনি মনাগা কোম্নমা, ফিবাল অমা, থাউমৈ অমা য়াওনা অনম অথো কোকও। পুংগম্বালোন, ঈরু লাইশোন, নাহৈরোল শোললো। অহুগা লাইশোনদি—লাইদ্ধ কোকও, কোকলেন কোকও, মোকতোক চাম্মো, অচাম্বাও, লাইদ্ধকোক নং কোকলো, মোকতোকচাম নং চাম্নরো ; মৌহিংচি, মৌহিংচাম কৌযে। অসি শোল্লগা ফি অহু শাইচুম তাকম ৱাংমা লান্না হুন্নোকখো। অহুগা পোৎ অহুদি মাইবদা পীথিরস্থ, নত্রগা ইমুং অহুনা লৌশিনবস্থ য়াহৈ।

২। **উচিনা ফি চিকপদি:**—লপলেন কা ময়াইদা ৱাই তৈয়ো চৈ অনি য়ুংঙো, অচিকপা ফি অহু থল্লো, লারোল ৩ লোংনা থাও, অহাও অথুম হাপ্লো, হৈ মনম নাইবা ১, কা অমসুং মনা ১, লফোই লফাং ১ ; অনম অথো কোকও। পুংগম্বালোন, ঈরু লাইশোন,

নাহৈরোন শোল্লো। অহুগা লাইশোনদি—হেঃ উচিও নংবু শাগী নিং-থৌনা হায়রকয়ে, তাইবংপানবগী অপকমা অঙ্কবদি নংনা পুরকও হায়-রকয়ে ফত্তবদি নংনা পুবিথরো। নমিংদি—শাথোং শাশংতোং কৌয়ে। অমুমা থৌনিগনিয়ে। পোং অহু মাইবদা পীথোকথোও।

৩। শুক, শুম্বল, য়াংকোক কোকপদিঃ—শুম্বল মনাক্তা তৌগদবনি। লাথাদি লুকলেন পাম্বোম নাইনা থাও-ও, লফুৎ ৩, কিথুম ৩, অথুম অহাও হাপ্পো। মতৌ মওংদি—চগেম-রাইরু থুত্তা শুনা পায়-দনা, শুম্বল য়াংকোকপু চাইনা চাইনা শোল্লো। লাইশোনদি—হেঃ লেপ স্থম স্থম্বীকোক, স্থমলাইত্তাং স্থমলেন মাইপাকপও, মীনা নম্বস্থ য়াগনো, লাইনা নম্বস্থ য়াগনো ; নমিংদি—শাক্রং থেংক্রেং ক্রুং ক্রুং হোইদাসে কৌবনে, হৌরো হৌবো হায়দনা থুবাক ৩ থুনা শুক, শুম্বল, যাংকোক অহুম্মকপু হৌদোকও, খুৎনা পায়দনা নিক্কা নিক্কা হৌদোকও। অহুগা অনম অথো পুঙ্গম্বালোন ঈকলাইশোন নাহৈ-রোল শোল্লো। পোং অহো মাইবদা পীথোকথোও।

৪। চেংফু কোকপদিঃ—কিনা চেংফু অহু য়োম্মো, লা-থাদি অণাই শুক, য়াংকোক্কী লাথা অহুনে, লফুৎ ৩, কিথুম ৩, চেংফু মথক্তা লারোল ৩ থাও-ও অহুগা অহাও অথুম লফোই লঙ্কাং চংথোকপা ১, ঙ্কা মতোল চোংবা ১, পানা মনা ৭, হৈ মনম নাইবা ১ ; লুকথক্তা—ঙ্কা মতোল চোংবা ১, পানা মনা ৯, অহাও অথুম, হৈ মনম নাইবা ১ ; লুথক লুখা হাপ্পো। মতৌ মওংদি—চগেম খুৎনা পায়দনা চেংফুদা চাইনা চাইনা শোল্লো। লাইশোনদি—হেঃ ঈবেন তারা চাথম্বী তারা চাহোংফবোইয়ে, উনবী পুক্লিং ওনকরোইয়ে, মীচিন অনি হুকফবোইয়ে, মীনা নম্বা যাগনো, লাইনা নম্বা য়াগনো ; নমিংদি—চীরি লৈত্নুং লৈশম্বী চিরিক চিরিক কৌয়ে, অহুগা নাহৈ-রোল, পুঙগম্বালোন, ঈরু লাইশোন, অনম অথৌ শোল্লো অহুগা চেংফু অহুবু—হোই—হোইরো, হায়না নিক্কম্মো। লুথক্তি য়ুম্বুনা লৌগদবনি ;

লুকখা অমম্ভুং কিগাদি মাইবগীনে।

৫। কোকখক্তগী ঈশিং পুন কায়রবগি অমসুং তারবগিঃ — তমাংবা ময়াই মথা ওয়া লেপহল্লো, ঈশিং অহু শোকপদা শেংপা কি অহু হোংদোকহল্লো; চকু অহনবা অমদা ঈশিং থয়া হাপতুনা, ম-কোক্তা থোংহল্লো: মমাংদা লা অশাংবা অমা থাও-ও অহাও অথুম হাপ্লো, হৈকম লাকন চাইয়ো; নাহৈবগি উথোক, রাখোক তাই-য়েলনা চাইয়ো। লাইশোনদি—লৱাই কোইরেন থক্তা পুল্লাং লুরোই থোংবু কায়বদি, চীংঙ্ নংনা উবনে, খোইযুম নংনা থংবনে, লৈকাবী নং কাবীরো; ঈথুৎমেন মং মেনবীয়ো। নমিংদি—অবিং অরাং লৈ-থগী মংনা থমজিনবীয়ো হায়না শোল্লো। অহুগা মমাই নোংপোক তলহল্লো; অমম অথৌ ঈরু লাইশোন, নাহৈয়োল, পুঙগম্বালোন শোল্লো; লাইথুরম্বা লোইরগা; মমাই অরাং তাননবা য়েং ওইনা লৈশিল্লকপনা ঈমুংলোমদা ওনশিল্লগা কি হোংহল্লো। মানা ইনবা কিদো মাইবদা পীখো।

৬। লাই কোকপদিঃ—য়াংকোক অমদা লাকোক থল্লগা থাও-ও, লুকলেন পাম্বোম নাইনা থাও-ও, লৈহুন হুল্লো। অথুম অহাও, হৈ মনম মাইবা ৩, লুকলেন লুকফম অহুম্মক্তা থাও-ও; চেং মেরুক মরুম্না অহুম থোক্লা হৈয়ো চেং মথক্তা য়েকম অমমম খিল্লো, (য়েরুম ৩) থুম অমমম হাপ্লো, (থুম ৩) লফোই লফাং ৩, ক্বা মনা ৩/৩, চু য়াও-ও, অহুগা অনম অথৌ কোকও, ঈরু লাই-লাইশোন পুঙগম্বালোন, নাহৈরোল শোল্লো. অহুগা লাইমিংদি—লাই-হুল কিং মাইবা কোয়ে। তিনথুন, লাইথুন, তিল্লম লাইরমদা অমাং অশোই তোকবদো তিনচু লাইচুদবনে থংঙো।

৭। য়ুম নাবদা (য়ুমদা মিরাং থুবা, অমোং-অকাই কোকখাই কাবা তুকখনা উবা) কোকপদিঃ—য়ুম অহু লং অহিংবনী থুংনা কোইয়ো, য়ুমজি মরিদা উটিখা মরি য়ুংঙো; কিরাল

৪ খেৎলো, লফু ৪ খুংঙো : খাউঁম ৪ খায়ো, লফোই লকাং ৩, কা ৪, মনা ৪, লৈশং মরোং ৪, চেং মেরুক ৪, থুম ৪, লফোই ওমপোৎ লাকাং ১, স্না লুপা কোনয়াই পু ১, ওমপোৎ লফোই লাকাং ১, ওমপোৎ লফোই লকাং মতু'দা স্না লুপা পু অছু হাপ্পকলবনি। লাইশোনদি—পলেম নাবে ঈমা নায়ে, শে—দৌ—ভৌ ভম্মোই হোই হোই লিবাই শললম ঈনফাবোই, হৈয়ু নাফুং শংফরোই, ছুংনাংনবা লেপফবোই, ছুপচিন ছুপয়া তাফরোই, লাংথোং লাংয়া নেৎফরোই, চংনিং খোম্বী য়েনখোম্বী বাগা লালগা তৌদে, হিংনিং চামা হিংলসে হিংলসে। লাইশোন অসি ঈশৈশুয়া শঙ্কুনা থুম অছু কলেনলোমদগী তবেৎলক কোইযো, থুবাক থুঙ, লোইবগা উচিবা, লকুদি মফম অমদা থমখো নত্রগা ইথোলগী চিথেক মরিদা যুংবসু য়াই; লংদি থম্মো, পোৎযাওশিংছুদি লৌইংন্দ্রে লফু মখোং অমদা থমলুও। অছুগা অশাইগী লফোই ওমপোন্তো যুময়াইদা কুম্মো, লাইশোনদি—হেং ঈমাও শিদবী কোলোই যাথংগীবু লুপা কোনগা থা, স্না কোনবা চন্না পলেম তেকহৌরসে, ঈমা নৌহৌরসে হায়না কোনয়াই অছু অমাইবনা থাবগা লফোই অছু ফুম্মো অদুগা মাইথনা শুমাং মতোম্দা লেপতুনা য়াহৈ অসি হাযগনি মছুদি—মচাশ। হায়মা কৌও, যুমুনা হাও হায়না থুম্মো। নখোযগী নমা নপা নাবা ফরবরা হায়না হংঙো। যুমুনা ফয়ে হায়না থুম্মো। অনম অথৌনচিংথা কোকদবনি।

৮। লকঈ লাৎপদিং—শুমাংদা লাৎলবদি শুমাং ময়াইদা, খুমগী ওইরবদি যুমযাইদা লাৎকনি। মতৌ মওংদি উচিবা ৪ খুংঙো, কিজং খয়ো, বা ৪ অদো লং অহিংথবা ৭ লক কোইয়ো; বা ৪ গী মখোংদা হৈরুক পামনা তাঙা ৪ থাও; ময়াইদা ৪ অমগা থাও, অথুম অহাও হাপলগা ফিয়াল ৪, থাউমৈ ৪, লফোই লকাং ১, কা মরুমনা ১, হৈ মনম নাইবা ১, লায়োল ও থাদনা হাপলো। লাইশোনদি—হেং লকঈ কোবা লায়িংথৌও নংনা য়োকলা থুমিত্তা

খোকলরে, মংনা থৌজানবীয়ো হায়বগী অহানবদা হান্না মাইথং থান-তোংচারবনে। য়োইমোংবগী চীনলেন মন্নাথংনে, অসি চারগা নমিৎ ননা হন্না য়েংবীগনো, ননাতোমন্না হুম্বীগনো ফত্তবা থৈবীক নংনা ঙাকপিরম্মো, অকবদি নংনা লনকুবীরম্মো নমিংদি—ঈশ্বিক ঈশাউ ঈমেলবা কৌয়ে। অমুম্না লাৎলো, নাহৈরোল পুঙগম্বা লোন অকোক-লোন শোন্দুনা খুরুমগনি। পোত্তি মাইবদা পীখো।

৯। হিয়াং অথৌবা লাৎপদিঃ লমলক্তা শিথ্রবা, মাং-থ্রবনি লৈনরবা, পুনশি হেনখিবনা শিরে হাযনা লে বা য় ববা, ঈমুং মনুংদা মাইগৈ সন্নাই থংদনা ঙাওনা ফৈনা নাবদা হিযাং অথৌবসে খুরুমনৈয়ে। পোৎচং ফিবোল ১০, শেল ৯, য়ো° ২, ফি মরাক তাইবা ২, য়েন ১, শাকৎফু (উয়াল), চাবানফু (চফ্), মনুংদা মচাক মথুম হান্নো, ঈরাংপুন ১, যুখন ১, য়েংদৌ উতোং ৭, ঈশিং অচেন-বদা লফু তুংগানা পোং অহুম শেমলগা, নমথাং হাপ্পো (ফি) চিথেক মরিদা ফিরাল ৪, থাউমৈ ৪ থেৎলো। হৈবম লৈ1ম হৈকন লাকন, অথুম অহাও হাপ্পো। লা উপনা থাও, চাকলুক শেম্মো। লাই-শোনদি—কক লাউবা ককশা ত্রাউবা, পেংত্রাউবা, লৈশিলেংথাবা, তোংশা ওইবা, লমদ্দা মপি শুমদোং লাংদোংজা, লংমুং নথুংশুঙৈগী লাইয়িংথৌ শিদবনা থ্রং ৩ হায়বগা হুপ হায়, চী হায, ৩ লক শোন্নো। মথাদা—হেঃ হিয়াং অথৌবও শাদা লানদা শিবা, মীশি থংদবা মীশি ফত্তনা শিবা পুন্নমক অফা, অরাল অহুম অরৈ পুম্বা নংনা ঙাকপিরম্মো হায়বগী নংগী চাকচা পীরবনে হায়না চাক য়েঙ্গাং অহুবু তুঙ্গা পোং মথক অহুদা হাপতুনা ঈশিং অচেনবদা থাদখো ; পোৎয়াওদো য়োৎ, শেন অশাইগীদো মাইবদা পীখো।

১০। হুপীনা মপুরোইবা অনম-অহা চুহনখিবগী কোক-পদিঃ—শুমাংদা থারা মথোন ৩ শাও, হুপী হুপা অনিমক থারা মথাদা ফমহন্নো। থারা মথক্তা চিনফু মাইতা থাও-ও। মাইবনা

উথোক, বাখোঙ্ক, তাইরেল, পুংকাইনা পারহুনা, লাইশোনদি—মীনা নম্বা পোংনা নম্বা অনম্বা অরাকপা অঙ্কা অয়ানববু কল্লক য়েকনা, হাইথি গুনাই পুন্নমকপু নথিক্তা, নখাদা, নতুলক্তা নমানলক্তা শম-দোনলক্তা নাতোনলক্তা তেনশিনখো নশু হেবুংথৌনা য়োংপু নেংনা তুম্বু নেংনা পু-খম-খুদাননা কোক্নরগে চয়রগে, মীকপ লাকনেং-উনা মীবারেল ফোইহুনরগে ; কপয়াংনরগে তাংয়াংনরগে হুমিংনা লুবগুম লুরবনে থানা শেংবগুম শেংলগে হায়না শোল্লে। পোৎচং থোললা থারা হাপকদবনি—ফিরাক তাইবা ১, ফৌদাং, অথুম অহাও, হৈকন লাকন, কা, লফোই লফাং ১, থাউমৈ ১, থারাগী মথোং মরীদা শেন ৪, অনম অথৌনচিংবা কোক্কনি। পোত্তি মাইবদা পীখো।

১১। লৈশা থোকপগীদিঃ—লপলেন কাদা লা থাও-ও। চেং হাপ্লো লৈদি পুন্না হুল্লো, (লাংথৈ্না) লাইশোনদি—লাইশা-রেংবা নমিংদি লৈচিক-শা কৌবনে, নংনা লৈবা হুমিক্তা ননাইনা ওক্করুরে। নংগী নচিঞ্জাক অসি চারগা চৎপিখোও, নশু হেবুং-থৌবু অফ-মুংঙাইববু কুবীরম্মো হায়না শোল্লগা। নিং-শিংননা চিং-থোকও অছুগা মপানদা হুনদোকখোও। অনম অথৌ কোকও।

১২। অথকপা, খংবগী কোকপদিঃ—খরাই ২ দা লা লা-তোন ১/১ থাও ও, য়েরুম ১/১ হাপ্লো, চেংসু হাপ্লো। উতোংগী শৌ অমা শাও-ও, খরাই মথক্তা হাপ্লো। অবাং লমদা থাও-ও। লাইশোনদি—ঈমানা শরেং মতুপ লৈরকপা তাওবা হুইনা চাখরে, অযুক কবি চাশিবা, হুমিদাং কবি চাশিবা, হাপ হাপ, হাপ-হাপ্লো অথকপা নংসু থরুগনো, অখংবা নংসু খংলগনো হায়না খুবাক ৩ লক খুও। নখুং থেকও : নখুং যেংনা লৌথোক্তনা লমলোংদা হুনদোকখো। অনম অথৌ কোক্কনি।

১৩। তংনবা কোকপদিঃ—খরাই-অনিদা চংবী লাতোন ১/১ থাও ও, চেং, য়েকম, হৈ-লৈ ১/১ হাপ্লো, লফোই লফাং, কা

মনা, ১/১ হাপ্লো। লাদি উপা থাও-ও। কিয়াল, থাউৈম, ১/১, শেন ৯, য়োং ২, থুংপাইশেন, লিহিংগী নক্রগা লংস্থুংগী লংহি ১; কোনয়াই পু ১, কিয়োই ১, লাইগী য়েন লাবা শাক্ক কনবা ১, লংস্থুংনা মী অহূগী মঙক্তা কিবিয়ো। লংস্থুং থংনবা থাং ১, কৌমাং ১। লাইশোনদি—হেঃ স্থুমিং থাপ্পী মথাদা তংনরিবও, নংগী চাকচা শীয়বনে, য়া-শানিংথৌ লৈবাকী কৌরোংদি লৈত্রেংবা কৌও; লিংথৌগী কৌরোংদি নোংত্রেংবা কৌও; কৌরোং অনিমকী মথক্তা অঙাই লেনথনা কম্মে, হো—শেনঙাইরেল নকমনে, নংনা স্থুমিং থুদিংদা থাবু তংনহন্নবীনো হায়না শোপ্লো। অনম অথৌমজিংবা শোনগনি। পোংচংশিং অহু নোংশোইরগা (নোংমা লেরগা) মাইবদা পীথিবস্থ য়াউ। মথকতা পুন্নমক্তা অহুমা লাংলো।

১৪। মন্থু (মন্থু থুদিংমক) কোকপদি (লাংপদি):— ঈশিং ঈরৈদা ঈশিংমা লৈবা মকমদা লাংলো। ঈশিং অহু পকনা লা থাও ও, লৈপুলো (লাংথেুনা,) অহাও অথুম, লকোই লকাং ১, কা-মনা ১/১ থারা মথক্তা হাপ্লো। চক্ষু অহিংবা ১, থুদোম্বী ভাঙ মরুম শাংবা উতোং ১ উতোং অহুনা ঈশিং ঈরৈদগী ঈশিংদো ৭ লক শোক্তুনা চক্ষু অহুদা হাপ্লো, লারোল ফিরোল ও থুম্মে। লাইশোনদি—হেঃ কুবিহৈবা লাইয়িংথৌ মুংশিংনা নেংলৈ পোকয়ে, নোংলৈনা ঈরৈ পোকয়ে, ঈরৈনা মন্থু পোকয়ে, মন্থু নংগী নমিংদি—ঈরিক ঈয়াই কৌয়ে; নমাগী কায়াং মুংদা চংলবনে হায়না চক্ষুদো থারা মথক ঈশিং ঈরৈ অহুদা থাদথো। অনম থৌনচিংবা শোনগনি, পোংলমশিং অদো লেংদনা থম্মো লৌহৈদে থংঙো।

১৫। ম্বুমদা লিন চংবগী কোকপদি:—কেগাম ৭, শেন ৭, অহাও অথুম, য়েরুম ৭, য়ামনা লিল শাও-ও। লাইশোনদি—লিল কোকও, লাই থোকও, নারিল থোকও, থেংও থোকও, নথোয়বু ম্বুমদা চংঙো তমদে, অহুম হায়না শোপ্লো। লোইরগা শাবন য়াংবীদা থমজুও,

হিরেন ৭ কী ঈশিং হৈল্লো। অকোকলোন লাইশোন শোনগনি।

১৬। লমগী উচেকনা হুমদা চংবগী/তোংবগী কোক-পদিঃ—নোংপোক লোমদগী চংগা অমনা হুনখিবা কত্তেয়ে। লম ডাহু উয়োক, উগ্রাই, চোংখু, মরিককদি কত্তেয়ে, কোকচৈগল্লো। পোৎচংদি—ঙাখানে, থয়োইনে, কুমজেং কোককাইনে, ঙাচকনে (নাপী) কৌথোননে, য়েললাংনে, চাঙথোংনে বাইচ্চু চারানে, শেন ৪, ফি ১, য়েকম ৪, অহাও অথুম য়াওনা ; লকোই লক্ষাং ৩, কা ৩, মনা ৩, য়েন অমা, ফৌদাং ১, অসি য়াওনা পাংথি কোমথিদা হুনদোকও। অকোকলোন লাইশোন শোনগনি। অমদি—উমাইবী, খরং (থুনু-খরং), চরোই, উরেমবী, শোইবোন, মোংবা, উরেন, উচিনাউ, মকু অসিস্তু কত্তেয়ে কোকচৌও। পোৎয়াওদি—শেন ৪, য়েন ১, ফি ১, য়োং ২, লকোই লক্ষাং ৩, কা-মনা ৩, ফৌদাং ১, চেং খরা, ফৌদাং, অহাও অথুম, চু-হৈ, কোনয়াই পু ২, মৈহুম ১, লাত্তোন ৫, লৈ-সু, উথোক, তাইয়েল, পুংফাই, নওহিং (নাপী) য়ুমজি ৪ গী পয়ে, থাউমৈ, য়ুময়াইদগী লৈপাক ৭ লক লৌরগা হোংঙু, য়াইঙং লংলা ৯ না লংসুং তারগা লংসুং অতুনা থাংঙেনদা য়াল্লগা ফৌদাং মনাক্তা পুল্লো, উনানগী কৌয়োংনা ফিরাল ১, থাউমৈ ১ য়াওনা, অকোকলোন লাইশোন শোল্লে।

১৭। লমলক্সী শানা চংবগী কোকপদিঃ—লমলকী শানা য়ুম ইখোলদা চংবদি নোংপোক লমদি কত্তে, য়াথোকয়ে। মৈরমদি অশি-অনা নংঙে, শত্থোংদি নাইয়ে। নোংচুপত্তি ফৈয়ে। লিকলমদি লুংশিবা নংজৈয়ে। অয়াংদি—লন তিংঙে। লাইজিদি—থবক থংজৈয়ে। শাদি—কৈনে, শামুনে, লাইয়েলনে, শবীনে, শত্থংনে কত্তে কোকচা-হৈল্লো। পোৎয়াওদি—থাং ১, পোন ১, লাতুম ১, শেন ৪, হোংঙু, য়াইঙং, শাহুম ১, কৌ-চেং ; থুম ২, ফি ১, শৌ ৫, ফু ১, থাংনা য়াল্লো, শৌনা থিল্লো, অনম অথৌনচিংবা কোকনি।

হুইনা শননা য়ুমথক্তা কাব্নবদি য়ুমতাক-কৈতাকযে। কোকচা-হৈয়ো। শননা মথোম ৭ পাল্লবদি শনয়াইনে, অহিং নোংয়াইদা শননা খোংলবসু অমসুং শগোলনা খোংলবসু মপু শিয়ে। মীগী হৌ-দোং মমৈ লোম্বনা য়ুমদা চংলম্বদি কত্তে তাম্বোকখোও। কাকনা অহিং নোংয়াইদা খোংলম্বদি লৈপাক কায়য়ে। থাং-তানা, পুঙনা খোংলবদি কত্তেয়ে লৈবাক অমা লাকয়ে ; নিংথৌনা শিরুব্রবদগী লোংনা হৌ-গংলকলবদি ফৈয়ে, লৈবাক চাওয়ে, অসিসু কোকদবনে। অনম অথৌ কোকনি।

১৮। লৈশৌ শৌহগী কোকপদিঃ—চাক, য়ু, কোংঙো খায়া মথোন ৭ শাও-ও, ঙামু অঙৌবা ১, যোং খুনেং ২, ফি ময়াক তাইবা ১, চু, হৈ-লৈ, পাননা কা, ফৌদাং, চেং, তাঙ্গ ১, যেন ১, য়েরুম ৩, শেন ৯, য়োং ১, অহাও অথুম যাওনা কোকও অছুগা লৈশৌ অছু ঈশিংদা হুম্থোও। অকোকলোননচিংবা শোনগদবনি।

১৯। অরোংবা মহৈ পানবগী কোকপদি :— মোরোক লোংবা, থবী লোংবা, মাইরেল লোংবা, লফু লোংবা লা থোনবা, অপোকপগী থুংথিনবে অপোকপা থৌনিও। পোংয়াওদি—খাবা মথোন ৫ শাও-ও, কোকশালুরোই, নিংথম চারি, শনম লেংখাং, ফিবোই, ফিদা লৈথোন, লৈশেম, শা মক ৯, খাংখা, খামেন পোন ১, হৈক্রু পোন ১, পান পোন ১, শিংপোন ১, হৈবা-হৈবোং পোন ১, হৈ-য়িং পোন ১, পাননা কা লৈ-সু, অহাও অথুম, হৈ মনম নাইবা হৈরি, জাম ৭, শীঙপোং ৭, লাপোৎ ৭ ফুহিং ১, উথোক, তাইবেল, শুক অমুবা ১, (শয়েং অমুবা ১) ঙামু, খুমু, খায়া মথোন ৭, লুকথক লুখা ঈকম নানৈ, লৈকোই কায়ল, হৈনৌ মনানা লেংছুনা কোইয়ো। স্না ফৈকক ১, লুপা ফৈকক অমা, চেং, য়েঙ্খাং হৈরম-লৈরম ৭/৭ খোইহি মৈবা-মৈয়েং, তোগদবা মুপাদো ফিরোই হোংগদবনে। ঈথাই শেন ১০০, থয়োম লাংলং, ফিজং খনবা, ফিয়ান,

থাউবৈ, লৈতৌ য়োং ১, নাফান খাং ১, শকহক্ ১, চবানক্ ১, মতুং ইনবা মচাক মথুম, শিং ওইকোন, য়েংকোন, য়িথাংক্কি, লৈরাঙ্গী-লাইয়ু থাংবা চাদা য়ুকৌবা নাকথদা কোম তৌরগা ঙশিং হৈরগা তৌও, লাইশোন চুম্না শোল্লগা কংপিযো। অনম অথৌ কোকও।

হৌজিক্কী মৈতৈলোল
(মীংয়েং অমা)

অইবাঃ—সি, এইচ, নোদিয়া সিংহ

থায়নথৈদগী হৌনা লমক্ লয়রাগ় মরক্তা শন্দোইবা তম্পাক, পোইরৈ কংলৈপাক অসিদা মনীং-মখা তম্বা নিংথৌ কথা পাল্লকথি। যেক-সলাই-শাগৈ কয়া খুন্দা লমতাহ্নবা লৈরকই। লম পঙ্গপাক্কি পাক্না ওমথৈ যাংনহ্না খুন্নাই মশীং যাম্না পাল্লম্মী হায়বগী হকথেংনবা খুদম লৈরি। পুথোক্লুরিবা অমস্তং ফংঙ্গিবা অবিবা খুন্নংলোন অমদি মীয়োন পাউবোন ইবা কোর্বাক-লাথুপ ময়াম অসিনস্ল লমদম অসি মীহৌরোল হাক্তক্তগী নীংতম্বা খুন্নাই ওইরকই হায়বসি ময়েক লা-না থঙবা ঙম্মী। লমদম অতৈদগী তোপ-তোপ্পা হিংবা ওমজনা মশাগী খুন্নাইয়োন লৈঙ্গে। মতুগী মঙাংনবা ঙসি মালেমদা মৈতৈ-খুন্নাইগী ফমফম ফিন্দা পাক্তা ফংঙি। অবীবা নাং পু, লাইনিং-লোনচং অমদি খুন্নাই-য়োন কয়াদা কুপ্পা থিজিলহুমজিল্লু বদগী মতমসিগী মহৈ-মশিং হৈরবা মী-ওইশিংনা মৈতৈ ফুকপকী হৌরকফমসি খরমথৈদি মপা লাকপা ঙম্মাল্লে নীংঙি। হৌজিক ওইরিবা মৈতৈ-ফুরুপসিগী খুন্নাই-শক্তম অসিবু কা-চিন-কোয়া য়ৌনা নৈনবদা মশাগী ওইবা চংনল্লোন রাখল্লোন অমস্তং

লাইনীংলোন পুম্নমক অরিবা মতমদগী লৈবক্কে হায়বসি চিংনগিংঙাই ওইদে। মহূগা লোয়ননা মহূবু খোংগুন তানা ঊরাইবা য়াবা, অমসুং মরীক চুম্না কোংলোকপা য়াবা লোল হায়বদি য়াবা সাদোংসু লৈজবশ্মী। ঙসিগী মৈতৈলোল (মনিপুরী) অসি অরিবা য়াবা সাদোং অহূদগী খঙথ তাথরকপা লোলনি।

মালেমগী লোল ফাখিবশিংগী হকথেংননা খঙঙবা লৌশিং-বাবা মতুংইন্না মৈতৈলোল অসি তিবেৎ-চিন শাগৈগী মঙ্গুং চল্লি। মালেম লয়মায়গী লমদম যেংঙুরবসু মহূনা চুমগনি। অহূবু অঙনবা নাইবা মীওইবগী-পুন্সিনি। ফুরুপ অমগা অমগা মরী থাংনদবা যাবক্তে। অমগা অমগা চান্নে-থৎনৈ। অমগী মতৌ অমনা তম্নে। অসুম্না অরা-মুংঙাই শক্তাক্লবদা খোম্থোক য়াওদবা য়াদে, লোল চঙভি। লোল হায়বসি মীওইবা পুন্সিগী সাদোংনি। পুক্লিং রাখলগী রাহম্থোক্লি। মফমগী মথা পোম্না খোম্থোক-রারোলসু খেন্নে। লৈবাকমচা তাবা ফুকপকী লোলনা পাক-চাউবা অমদি মরীক চুম্বা হেল্লি। অইবা শৈবোল লৌশিন্নে। মতমগী য়াওল অমসুং শাফুনা লোল অমগী বাহৈ কয়া লোল অমদা চংশিল্লি। ফুকপ অমনা অমবু থুত্নুম চনবদা, নত্রগা লাইনীং পথাপ্তা য়াহিপ-চাকচাদা নত্রগা লল্লোল ইতিক্কী থবক্তা, নত্রগা নাৎ-পু শৈ-দাম্নবগী ঈনোৎ হাপথিবনচিংবা থৌরম-থৌদোক খুদিংদা লোল অমগী বাহৈ কয়ামুক লোল অমদা চংখি। অসুম্না অমদগী অমদা চংথোক চংশিন, পুথোক-পুসিল তৌনবা হায়বসি মীওইবগী লোলগী পুন্সিনি। মসিনা উৎলিবদি হৌজিক্কী মৈতৈলোল অসিদা চহি চা কয়াদগী মপা-য়োলগা নক্লকবদগী মখল মথেল কয়াগী বাহৈশিং চংশিনগ্রে অমসুং মখোয়হূ মৈতৈলোল ওনগ্রে।

মৈতৈরোন্দা য়ানসিনগ্রবা অপুবা বাহৈ কয়াদি ফুরুপ অসিগী হূতিগী পুন্সিদা তৎন থানবা য়াদ্রবা য়াবা-বাহৈ ওনগ্রে। মখোয়হূ লৌথোক-খিবা থোক্লবদা মৈতৈলোল অসি চৎনলোল ওইবদা খুদোং থৌনিংঙাই

ওই। হায়রবদি পুক্রিংগী অনীংবহু মপুং ফানা ফোংদোকপা বানা থোকনি। অপূবা য়াহৈ খরদং খুদম ওইনা লৌসি :—

সংস্কৃতনচিংবা ভারতকী আর্য লোলশিংদগী লাকপা য়াহৈশিং :- ধর্ম-কর্ম, সমাজ, পাপ, গুরু, সাহিত্য, আশা, উপায়, ঈশ্বর, কবি, নোংয়োক, সভা, গুণ, ঘোর, কৃপা, ঐগা, পুথি, সৈন্য, দান, দখিনা, জয় পূর্নিমা, কলা, ছাত্র অসিনচিংবা।

ফারসী-আরবীনচিং রদগী লাকপা য়াহৈশিং :—চিনী, চিঠি, গাড়ী, চক্রি, ইজৎ, খাজনা বাজার, কাতি, আমিন, তোলোপ, উকিল, গুদাম, কমপোর, সাং, তারিখ, সাপোন নালা, চৌকিদার, চৌকী, কোলোম, নিয়ম অসিনচিংবা।

ইংলিস লোলদগী লাকপা য়াহৈ খর :— গিলাস, তেরসিং, কোমিতি বস, বজেট, ওফিস স ইকল, ইঞ্চি, প্রেস, সাইজ, মিটিং, টিকেট, ড্রামা, কেশ, ড্রাইভর, কার, সিনেমা, রেডিও, হোটেল অসিনচিংবা।

মথক্কীশিং অসি নত্তবা ময়ান তুয়ান য়াহৈ খরসু য়াম্না ফজনা মথৌ তৌরি মখোয়রুদি :—ফরক ভাবা, নাপ চাদবা, ক্রেক লৈবা, হাবী-জাবী, হাতে হাতে, সম সম, কোয়-সুকপ, থোক-মোক অসিনচিংবা। মখোয় অসি নত্তবা য়াহৈ কয়াম্ক মৈতৈলোন্দা চংশিনখ্রবনি। থোরোন-থৌদা ফাওবদসু হিন্দী অমদি ইংগ্রেজীগী মমি তাশিল্লক্লি। খুদমদি—চালাইবা, কামাইবা, হাইফেংলি, গুনিবা, মিলাইনবা অসিনচিংবা।

হৌজিক লোন্-ভাংনরিবা লোল অসি চাউরাক্লা মওং অহুমগুম্বা থোক্লা থায়দোকপা য়াই। মখোয়রুদিঃ—(১) লয়ঙাক-লয়শেম লোল। (২) কবি মায়চৌ, সাহিত্য-লোল। (৩) কৈথেল-ঈথেল-ময়াম্লোল।

(১) লয়ঙাক লয়শেমলোল্ঃ—মসি রাজনীতিগী ওইবা অমসুং সরকারগী ওফিসিয়েলশিংনা শিজিন্নবা লোলনি। মসি উকিল, ডাক্টর

অমদি ওইবাসিং খাওনা শিজিন্নৈ। মরুওইনা হৌজিক্কী অমৌবা শিক্ষা কংওলবা মীওইগী ওইবা লোলনি। ইংরেজী বাহৈ অন্নাম্বা লোল অসিদা চংঙি।

(২) কবি-মায়চৌ-সাহিত্য লোলঃ—মসি লাইরিক হৈবা, পত্রিকার, কথাকার, কবি, মৈতৈ মায়চৌ অমস্তুং অইবশিংগী লোলনি। শিক্ষাগী লৌকমদা লোল অসিনা মক ওইনা চন্নৈ। অত্তুগা খুন্নাই-পুন্সিগী সাদোংস্তু লোল অসিনা ওই। মকওইনা মপান্দগী পূকবা বাহৈ অন্নাম্বা সাহিত্যগী লোন্দা চঙশিন্দুনা লৈ, অমস্তুং শিজিন্নরি।

(৩) মৈতৈথেল-ইথেল লোলঃ—মসি মযাম লোলনি। মৈতৈ লোন্না মমালোল ওইদবা ফুরুপ মশেলস্তু লোল অসি ওাংঙি। মসি অচম্বা লাইরিক লাইংও হৈজদবা অমস্তুং মৈতৈলোল ম্রন্না খংজদবা মীওইশিংবা মতম তঙমদুগী থবক পাঙনবা ওাংনবা লোলনি। লোল অসিদা মপানগী বাহৈ খাওই। অত্তুগা মরু ওইনদি লোল অসিগী মশাগী চৎনবী ইতা-তাদনা অর্থদা ওাক্তা চৈথেং পীরগা ওাংনবা লোলনি। লম অসিদা লৈবা চীংমী মশেল অত্তুগা চীংমী অমদি মযাংগা মন্নাং অমদি মৈতৈগা, পোৎচৈ লয়নবদা গাড়ী তোংবদা, লম হংনবদা, কারবারদা অমদি শত্তনক্লবদা লোল অসি চংঙি। খোন্থোক চুমদবা, ব্যাকারণগী নিয়ম খাগদবা অমদি ওন্নতৈনবা বাহৈ শিজিন্নবনা লোল অসিগী মগুণনি। মবমদি লোল অসিনা খুন্নাই অসিগী অপুনবা শক্তম পুন্নকপাদা মতেং ওইবতা নত্তনা মোংমগী পুন্সিদা হিংনবগী মচাক তানবদা থোইদোক্না কান্নরবা পান্থে অমা ওইরিবনি।

অত্তুম তৌনা লোল হাযবসি সমাজগী পোৎ ওইবনা ঐথোয়গী লোলদা মপানগী বাহৈ কথা যান্নপ্রবস্থ নত্রগা খাওাং পাল্লিদা মহৌশা কয়া ওইদ্রবস্তু মচু মতম মতমগী ওইনা খাবা তাই, শিজিন্নবা তাই। খসি মতমগী ঈনোংনা পুবকপা যাওলনি।

খন্নাম্ন ।।

"লাইরিক হৈরগা লৈপাক কোন্নবা ওন্মী,
লাইশু খংলগা লৈপাক কনবা ওন্মী"

অইবা :—লুরাংচা মকর

চংথেক-চংশিন ওন্না মখৰান্ন পানবা অয়াম্বগী—মশা মরোমদোম হিংনবা শেম্নকপা ওাক্লি। অঙৈংবা খাংনবা শামুগি থান্নবা মউন, নোংথক্তা য়াংনা পাইবা ওম্নবা উচেক্কি মশা অমস্তুং মশা কন্নবা কৈগি থৌরবা খুজীল শেমজ্বন। থারক্লবনী। অত্নগা হিংনবগি লমদাংদস্লু মপুনা চীঙাক রাংতনা শেম-শারগা চাইথোক্তুনা থম্বীরি। মীওইবগিদী কদায় পুমহো হৈক হোনা তাইবংদা থারকপনী। মরম অসীদগি পুন্নমকপু লাকশিনবা ওন্না রাখল হায়বা অমা লন্নাই কোন্নরেলদা ফুং, চপ, থম কেবা কা অত্নমগি য়ুমদা লেংদনা লৈ। অচৎপা কাংলুপকি লেংদবা তুংনফম শমা হান্নবদী উচেক্কি মগুম, শা ওাগি মকোল, মীওইবগিনা মম্নুম থমদবা যাদবনি। চাগোকথা থৌরক্লবদা শেম-শাবা হৈতবা কাংলুপ ফাওবা অহোবা থিন্নগা লথংদ চংলি।

মীওইবন শগি মকোল য়েংলগা ইংখোল শেমগ। উচেক্কি মজুম উরগা মপুম শাবি। মীওইববু লুনা থোন্না তৌত্ননা ঈংনা থম্বীরিবা থেল মচেং অমনী হাথবদগি ইংখোল কৌবনে। কাউফদব রাফম্না উচেক্কি মজুম, শাগি মকোলদগি মীওইবগি য়ুম ইংখোলনা হেন্না মচাক লৈন্নিবনী রাপ্পলনা তেংবাংবদগিনী। তশেংবমক রাখলনা লৌখৎক্লবা পোৎ কুইনা চৎনবা থক য়ারোই লৈক্কুপ তাত্ননা রাখল লন্নমাযদগি লীংথখিগনি। মুদনবা শেমগৈবা ঈদি তুংনফগু ইযম কৌএ খংবদগি মীতে ইপা ইপুনা হৃকচাং কায়াৎকি পানম লাক্কুনা লৈমথা মুন

শারম্বনে। য়ুমছুগি মন্নুংদা মাগি ঈতনা মঙনা লৈ হায়বদগি ঈমুং (ঈমঙ) কৌএ। মক্ত ওইবা থোঙ থারুবা কা, তুয়-হীপবা কা মশীং শুরবদা পাক্লবা কা অমম্ভ খন্দোক্লগা হাংনা খমলী।

ঈমুং অমদা লৈরিবা মচা মশুবু পান্নবিব* ঙমিং থা উবা হানবা মকোক অহুবু লয়কোক (য়ুখুরেন) কৌএ। লয়কোক হায়বসীনা ঈমুংছুগি হিংনবা থৌদাঙ লোয়ননা হৌরক্লিবা অঙাংগি লীচং-শাঙ্গং শেমছনা তুংগি পুন্সী লম্বী শেম্বগি পোৎলূম পুবি। অ ল মতম ওইরক্লনা খমগি কাদা চংলক্লবা, য়ুম পুবগি মশিন থাদোক্লনা লয়পাক মীয়ামগি রাকম থম্নবা কাইথোক্লগা মীশক কাংবু অহুবুনা লয়কায় কৌবনে। মমীংনা উরকপা মনানা তারকপা অরা মুঙাই থেংনরকপা রাকমনা পোৎ ফারবা অহলশীং অসীবু লাইগি মশক ওইনা লৌনৈ। অসীগুম্বা লাই ওইরবা অহলগি ফমফম, রাতানফম ওইনা খন্দোক্লিবা কাবু লাইখল কৌএ। অছুগা ঈমুংছুগি অহলনা ফম্নবা থারিবা লয়মাযদগি থাক রাঙখৎপা মেনগি মশক ওইবা মফমু ফমেন কৌএ। অচংবা রাফমদী খুঙ্গং অমা লিংবদা লযকোক লয়কাই অনীনা মথো মশক থংনা শিঙ্খা লৌদবা য়াদে।

ইংখোলদা কয়থেল কাহল্লু ঙা মকোক তোয়না চাও হায়না অহল-শিংনা মখা অমুক তারমষ্ট। মসীস্তু কোম্না হিংনবা পুন্সীনবা রাফম অমনী হায়না লৌবা য়াই। শিংলবা অহলশিংনা ইংখোল অমগি মন্নুংদা লমলেম থরা থম্নগা মতুদা উবেপ পীতুনা মফম চানা লৈনবা যুম শারমই। হৌজীক থোংগি মরমদা অমুক চথজগে। অচং অথোক তৌনবা য়ুম অমগি মশাদা মমাং থোং, মনীংথোং, মুংশীং মুংশা চংনবা থোংনাউ পাল্লি। অহেনবা ওইনা ফৌগৈ শীংগৈদম্ভ পোৎ মাংদনবা থোং পাল্লি। পুম্নমকি মরু ওইবা থোংদী ইংখোলগি চিদাইদা ফাং-লিবা ইকোন কোনবগি বোং কোম্থোং হায়বা অসীনি। থোং অসী হেক কাম্থোকপদা ইয়ুম রাঙমা লাল্লে হায়বদগি থোঙ্গাল হায়নম্ভ

কৌনৈ। রাখল য়াওদনা থোংসী হেক কাম্বোক্লুরবদী অমুক হজিল্লক-পদা লম্মুরুবদি শোইদ্রে। ইংখোলগি চিদাইদা ফাংপগুম লৈপাক অমগি ভমথরুদসু খোঙ্গাল ফাংলি। অংলশিংনা হায়রম্বা কোম্বোংদা লাই লৈ হায়বা রাংয়সী হায়দোকপদা য়াওই, রাখলনা থাওবমদী হক্কা থোকই। কে'ম্বোংদা লৈবা লাইগি মমীংদি "খরায়" কৌএ। অকুপ্পনা লীংথবা অপোবদী পালপৌবা খরায়গি মশক ওইবা মশক উদবা নাখল অম। খোঙ্গান্দা থল্লী। ঐখোয়না ইশা অয়াংতম্মা ওাথি চাকথি, শুবা নোম্ব। নোংমা কাওদনা হন্দোক হজিন চংলিবসী খরায়গি মখুল অহুদা লিংলগা চংপনী। পোংচাউ চয়জাউ, অচৌবা শেনকম পুথোক পুশিন অমদী মশক মচু খংদবা পোংশক মীশক পুশিল্লকপা তারবদী খরায়সী হাওবা তাবনী। খরায়না হংবা রাহুগি পাউখুম পীরমদনা নমথেক্লুনা হেক চংলুবদা যুম্বানলোনগি পল নীংথাইরবনী খংও। নরালয়াইবু নরৈপাকপু কনগে হায়রবদী মচি ওইবা রাকম অমা খংলু উরুবা রাফমদা তিনশিন্দুনা লাইগি লীক শুহল্লু।

"কলা হুন্দ্রমরী"

অইবা :—খুল্লেম চন্দ্রশেখর সিংহ

কলা অমদি মীওইবগী পুন্সিগা তত্নন-থানবা য়াদবা মরী লৈ। কলাগী মরমদা পণ্ডিতশিংগী ওোঙান তোঙানবা মত লৈ। কনাগুম্বা পণ্ডিতশিংনা হায়রি মহুদি – কলা হায়বসি অতৈ করিগীসু নত্তে কলাগীদ-ক্তনি। অহুগা অতোপ্পা কাংলুপ অমনা অমুক হায়রি মহুদি—কলা হায়বসি মীওইবগীদমক্তনি হায়বদি মীওইবগী কায়নবগী অমদি মীওই-বনা শিজিন্নবগীদমক্তনি।

মথক্তা পজথিবা সিদ্ধান্ত অনি অসিমক, আধুনিক সাহিত্যকার-শিংগী য়েৎনামংতাই ওইরবা বাকন অমনি। সাহিত্যদা মত অমি আমগী মতুংদগী অহানবগী সিদ্ধান্ত অসিধু কলাবাদী হায়বা কৌই অমদি খংনৈ। অনি শুবগী সিদ্ধান্ত অসিবুনা উপযোগিতাবাদী অমুম হায়না কৌই। ঐনা মতাং অসিদা কলা মখল অনি অসিতবু লৌ-খংচবনি। হিরমসিদা কুমা নৈমর্জররোই।

কলা হায়বসি কলাগীদমক্তনি অতে কহিস্থু নত্তে হায়বা মত অসিনা মোংচুপতোমগী মতমনি। সিদ্ধান্ত অসিগী হৌরবফম্মা ফ্রান্সনি। কলা হায়বসি পুন্সিগীদমক্তনি, হায়রিবা সিদ্ধান্ত অসিনা ভারতকী ওইবা সিদ্ধান্তনি। মরম অসিনা ঐখোয়না থওবা ওমলে মতুংদি কলা হায়বসি মীওইবা জাতিগী কান্নবনি। কলানা মিংচৎ ফংনবা, লল-থুম ফংনবা, অরা-অমা কোকবা, ফত্তবা মাংখিমবা অমদি অপাম্বা পূমমক ফংনবা অমত্তা ভাইরবা পাইম্বনি। ঐখোয়না মহাভারতকী বায়রীদগী তত্তনা তাবা ফংই মতুংদি—পাণ্ডবকী অহুমশুবা কৃষ্ণ সখা অর্জ্জুন অসি কলা হুন্দ্ৰুমরী নিংথিনা খঙবা হৈবা পণ্ডিত অমনি হায়না। মচিন মনাও মভাগা লোমননা দ্রৌপদীস্থু বন্দা চংপা য় শুথি। মখোয় তরুক্না অরোৎপা শক্তমদা মখোয় মখোয়গী মথৌ অমমম পায়-তুনা বিরাট নৈপাক্তা লোত্তুনা লৈবা মতমদা অর্জ্জুননা বৃহন্নলা ওইতুনা জগোই তম্বীখি।

ভারতীয় সংস্কৃতিদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণবু কলা হুন্দ্ৰুমরীনা লৈতেংবনি হায়বদি মহাক অসি পূর্ণ অবতারনি মরম অতুনা মওংদা কলা হুন্দ্ৰু-মরীনা লৈতেংই হায়না লৌনৈ। কলা হুন্দ্ৰুমরী অসি করি করিনো? হায়রিবা কলা হুন্দ্ৰুমরী অসিনা লোইরব্রা? মসিমন্থু হংবা য়াবা বাকনি।

কলাগী ভমবৈঙি মাইদে অহুম ওইনমক শুক্রাচার্য্যগী "নীতিসার" দা মক ওইনা কলা হুন্দ্ৰুমরীগী মরমদা নৈনখি। মত অসিগী থরা-

খেয়বা কলাগী মফিং শ্রীমদ ভাগবতকী টিকাকার শ্রীধরস্বামীনস্থ ভাগবতকী মশাম কুমদা কলা হুন্থ্ মরীগী মরুমদা মৈনখি। বাতস্যায়ন “কামসূত্র” গী টিকাকার জয়মঙ্গলা কলাগী মরমদা নৈনরি। মহুদি— ১। কামশাস্ত্রাঙ্গভূতা ২। তন্ত্রাপৌপয়িকা। মথক্তা মফিং পারিষা লাইরিক ফানি অসিনস্থ কলা হুন্থ্ মরীগী মরমদা মৈনখি। মতাং অসিদা তন্ত্রাচার্য্যনা নৈনখ্রবা কলা হুন্থ্ মরী অহুদা যুক্তম শুইরকলা লৌশংচরি অমস্তুং নৈনজরি।

১। নৃত্যঃ—পুঙনচিংবা বস্তুগী ঈশৈ মদা শাওং শায়খেকনাচিংবদা লোয়ননা ভাব ফোঙদোক্না উৎপন্ন নৃত্য (জগোই শাবা) কৌই, মসি কলা অমনি।

২। অরৈবা, অরেনবা, অঙ্গিনবা, কথোংবা মস্থশিং শাবগা লোয়ননা মখোয়গী খোংবা চৈরবুস্থ কলা মথল অমনি।

৩। সুপা সুপীগী ফিজেৎ নৈতেং নিংথিনা থঙ-চৈবস্থ কলা মথল অমনি।

৪। শকওং-শঙম কয়ামকম শেম্বা-শাবা চৈরবগী জ্ঞান নৈবস্থ কলা মথল অমনি হায়না লৌনৈ।

৫। কমুং নিংথিনা শেম-শাবা অমস্তুং মথল মওং কয়াগী নৈ লেংবস্থ কলা মথল অমনি।

৬। জুম্বারনচিংবা মথল কয়াগী শানবনা মীশিংমু পেলহনবস্থ কলা মথল অমনি।

৭। মথল-মথেল কয়াগী আসনশিংনা হাবজি যোগাসনশিংনা মরম ওইদুনা পুক্রিং লাকশিন্দুনা শামবস্থ কলা মথল অমা কৌই।

৮। মথল মথা কয়ামরুমগী নৈগী নৈহিদগী ভাসর হায়বদি জ্যাক্ষাসর, কনকাসরনচিংবা শেম্বা-শাবা কলা মথল অমনি।

৯। অনাবা, অপোম-অতঙদা থাঙ থাবগী থবক কলা অমনি।

১০। মথল-মথা কয়ামরুমগী চান-থরুবা থোং থাকপা চৈবস্থ

কলা অমনি।

১১। উ, উরিনচিংবা থাবা-লিংবা হৈবগী থবকসু কলানি।

১২। নুং, সনা, চাঁদীনচিংবা থাতুশিংবু লৈমুংদগী তানবা অমসুং মখোয়শিং অসি মকুপ তাহনবা কলা অমনি।

১৩। চুদগী শেম্বা শাবা য়াবা পোৎশিং :—মচুদি চুহিং, চুহী, চিনী অঙাংবা, চিনী অঙৌবনচিংবা শুংবগী থবকপুসু কলা মথল অমনি।

১৪। সনানচিংবা অয়াম্বা থাতু অমসুং হিদাক মথল কয়াবু অমগা অমগা য়াম্নহনা হিদাক শেম্বা হৈববুসু কলা মথল অমনি।

১৫। অমগা অমগা তিনশিন্নপ্রবা থাতুশিংবু তোঙান তোঙান্না তাহনবগী থবকপুসু কলা মথল অমনি।

১৬। থাতুশিংবু তিনশিন্নবগী বিজ্ঞানবু কলা কৌই।

১৭। সমুদ্রদগী নত্রগা লৈমুংদগী থুমহি শোক্তুনা থুম শুংবা হৈববুসু কলা মথল অমনি।

১৮। খোং-থুৎনচিংবা হকচাংগী কায়াৎশিংবু লেঙ-ওত্তুনা থাঙ হাইবা অমদি ফিত্রপ-ফিরেপ নৈনবা কলা মথল অমনি।

১৯। অকনবা অনিনা ফুনবা-নয়বা, য়ৈনবনচিংবা কলা মথল অমনি।

২০। মশা ঙাকচ-শেঞ্জবগা লোয়ননা পাম্বোমগী পাঙ্গলতনা য়েক্কববু অকনবা চৈনা পীহনা লান তৌনবসু কলা মথল অমনি।

২১। কন্নিগুম্বা দেশ অমগী মথক্তা মথল মথা কয়াগী লংবা য়াবা থুংলাই শিজিন্নহনা লংবা, খোংবা য়াবা যন্ত্রশিংনা ঈঙ্গিৎ তৌহনা ব্যাহু শাবা কলা মথল অমনি।

২২। শগোল, শামু, দোলাইনচিংবগী খোংচত্তনা লান তৌনবা থৌরাং তৌবা কলানি।

২৩। মথল কয়াগী আসন অমসুং মুদ্রাশিংনা ঈশ্বরবু পেন্নবা তৌবা কলানি।

২৪। দোলাই থৌবা অমদি শগোল, শামুশিংবু মখল মখা কয়াগী শিন্দম পীবা কলানি।

২৫। লৈখোম, উ, নুং অমসুং পীথ্রাইনচিংবা ধাতুশিংদগী কোলমচিংবা পাত্র শাবা কলানি।

২৬। লাইয়েকপা কলানি।

২৭। পুথ্রি, কুহা, কোম তৌবা, চেক্কী য়ুম শাবা অমদি লৈপাক অতোওবা তেম্বা কলানি।

২৮। পুংজা তান্সপা যন্ত্র শাবা কলা মখল অমনি।

২৯। মখল কয়াগী যন্ত্র শাবা কলা মখল অমনি।

৩০। মচু মখল কয়া তিন্নহুনা ফিনচিংবা মচু শওবা কলা মখল অমনি।

৩১। মৈ, ঈশিং, নুংশিৎনচিংবা তিন্নবগা থোক্লকপা মনিলনা শেম্বা পোৎশক অহুনা থবক ওইনা শিজিন্নরিবা অহুম্ব কলা মখল অমনি।

৩২। ঈশিং অমসুং কংফালগী চখোক চৎশিন তৌনবা লম্বীথোং শেম্বা কলা মখল অমনি।

৩৩। লং অনানবনচিংবগী মশীওনা থৌরী তাবা কলা মখল অমনি।

৩৪। লং মখল কযামকয়া ফিনচিংবা শাবা কলা মখল অমনি।

৩৫। য়ত্নচিংবা মশক খংবা অমসুং মহুদা ছিদ্র লৈবগী মরম খওবা কলানি।

৩৬। সনা, লুপানচিংবা য়ান্দনা" (শেংনা) শাবা কলা মখল অমনি।

৩৭। সনা, লুপা, হিরা, মোতীনচিংবা শেম্বা-শাবগী বিজ্ঞান কলা মখল অমনি।

৩৮। সনা, লুপাগী লৈতেং শাবা অমসুং মহুবু লুম্না-কাম্না কলা

মখল অমনি।

৩৯। শউনগী শিজিন্নবা পোৎ-চৈ শাবা কলা মখল অমনি।

৪০। লাইশিংগী মলাদগী শঙ্কির লৌবা কলা মখল অমনি।

৪১। শল, ঈরোইনচিংবগী শগোম ভুবা, শকোম কমুহনবা, লৈবা, মাথন লৌবা অমস্তুং মচুদগী ঘী শুংবা কলা মখল অমনি।

৪২। ফি-রোল তুম্বা-তাইরা কলা মখল অমনি।

৪৩। মখল মখা কয়াগী মওংদা ঈশিংদা ঈরোইবা কলা মখল অমনি।

৪৪। ইমুং-মচুংগী কোললিকচিংবা পাত্রশিং নিংথিনা ফেংবগী থরক কলা মখল অমনি।

৪৫। ফি-রোল শুবা কলা মখল অমনি।

৪৬। শম ককপা কলা মখল অমনি।

৪৭। থোইদিং, হুলাম মকমচিংবা অমস্তুং শাগী মচাউদগী থাউ শুংবা কলা মখল অমনি।

৪৮। শম্পোক থোইবা কলা মখল অমনি।

৪৯। উ কাবা হৈবা কলা মখল অমনি।

৫০। ঙাগী অপাম্বা পুক্কিংগী অনিংবা শংনা সেবা তৌবা কলা মখল অমনি।

৫১। রা, কোরা, খজুর, লিমোরচিংবা পাত্র শাবা কলা মখল অমনি।

৫২। লিক্লিনা পাত্রনচিংবা শাবা কলা মখল অমনি।

৫৩। লবুক্তা ঈশিং ফজনা থাজিনবা কলা মখল অমনি।

৫৪। ঈশিং য়াম্না তুংবা নত্রগা লৈথোম য়াম্না লৈবা মফমদগী ঈশিং চিঙোকপা নত্রগা অথাপা লরকায় লৈবা মকম ফাওবা ঈশিং থাজিনবা কলা মখল অমনি।

৫৫। লোংবা শাম্না খুংজু-খুংজাই অমকপা অমদি অথাম্নদা

শিজিন্নবা য়াম্বা শান্না হৈবা কলা মথল অমনি।

৫৬। শগোল, শামু, শল, ঐটনজিন্নবী মথক্তা হাপ্পা শিজিন্নবা য়াম্না শাম্লা শাবা হৈবা কলা মখল অমনি।

৫৭। অঙাংশিংবু ওাক-লৈনরা কলা মখল অমনি।

৫৮। অঙাংশিংবু য়োক-থাকপা কলা মখল অমনি।

৫৯। অঙাংশিংগী শান্নপোং শান্না হৈবা কলা মখল অমনি।

৬০। মরাল লৈরবশিংবু মখোয় মখোয়গী মরালগী মতিক চাবা চৈরাক পীবা কলা মখল অমনি।

৬১। তোঙানবা লেশশিংগী লাইরিক ময়েক নিংথিনা ইবা হৈবা কলা মখল অমনি।

৬২। পান-মনা নিংথিনা শ হুনা য়োকপা কলা মখল অমনি।

৬৩। কবিগুপ্পা থবক অমবু খোয়জংনা (হৈনিংমা) তৌবা কলা মখল অমনি।

৬৪। কবিগুপ্পা থবক অমবু মতম শাংনা চৈশাংশিংনা তৌহুনা তৌহুনা মীয়াম্বু থঙহনবা কলা মখল অমনি।

"বাংমেন-পুং"

অইবাঃ—শ্রীক্ষেত্রিময়ুম অযুয়াইমা সিংহ

"বাদ্যচার্য্য" কেপো। (ভারত সরকার)

পুং হাম্বসি য়েনবা যন্ত্র মথল অমনি। মসি ঐখোয়গী লৈবাক্তা য়াম্না কুইথবা মতমদগী অমসুং ইতিহাসকী অমাওদগী শান্নিবা হৌথি নাম্বসি হাম্নবা খোরোই অহুদি—সরিবা লাইরিক লাইঙ কুয়ানা

সাক্ষীনি। পুং-ঈশৈ-ভগোইগী কলানা মশিংগী পান্থী ওইনা থাবীরমন্থনা পীক্লবন্থ পীক্লা মনিপুর মণ্ডপ লৈবা কুইর কুইরগা মনম হেন্নবা, লৈনম চাউবা চীংলোন কয়ানা কোরশিল্লবন্থ ঙসি মনিপুরগী কলানা অশংবা মশিংগী লৈহাউ ওইহনা পৃথিবীগী মকম কয়.দা শীনবা থুংনা লৈনম শন্দোক্লি।

মতাং অসিদা অনোয়রোলগী থুদম মতেক মচ। অমত্তুং লৌথংচরি।

"শোরারেন্না নোয়য়ববু চৈরৈ ফীঙো শেংনা
তরা চমাঙদনা চৈবৈ ফীঙো খন্না
ফীশাং শাইতন্না বাংলেন থীন্না নোয
পুংজাউ থীন্না নোয়।"
(পান্থোইবী খোঙ্গুল লামাই ১২২)

"শোরারেন্না নোয়বদি চৈবৈ শেংনা নোয় এ
ফীঙো শেংনা নোয়-এ, তবা তানা নোয় এ
য়ুমাংতানা নোয-এ, ফীঙাও শেংনা নো। এ
চৈরৈ খন্না নোয়-এ, ফীজঙ খন্না নোয় এ
ফীঙো থক্তা খন্না বাংলেন থীন্না নোয়-এ
তন্নেং য়ৈনা নোয এ, শেনফাং যৈনা নোয় এ
শরীক নোংদম থীংনা নোয়-এ, চোঙলেন খন্না নোয়-এ
মোইবুং খোংনা নোয় এ, লৈমরেননা নোয এ॥'
(অনোয়রোল লামাই ৫)

পুংবু মৈত্তৈলোন অরিবদা "বাংলেন" কৌই। হুঙোই মউন্না, লাইরেন মউন্না অমদি শনগী মউন্না মথং মথং পুং-তিংবগী বান্নী ঐখোয়না অরিবা লাইরিক লাইগু কয়াদগী খঙই। চকপা তিংশাং লোন্দা লাইরেন মউন্না পুংমায় অমন্থং পুংলী ওইনা তিংবগী বা ইরি। উদি চীং-য়েনশিন্না শীজিন্নখি, পুং তিংই হায়বগী মখোয়বু "তিংশাং" কৌথিবনি হায়না ইরি। তিংশাংনা তিংখিবা পুং অসি লানবুং মথক

অমা ও গনি. য়েৰদা—লান ভৗগী ৱা ওইনা লাইরিক অহুদা ইরি।

শনগী মন্তৈন্না পুং তিংবা হৌখিবা অসি মৈদিংঙু খুয়োইতোম্পোক্কী হাক্তক্তগীনি (খৃঃ ১৫৪-২৬৪) হায়না চৈথারোল কুম্বাদা অমসুং নিং-থৌরোল লম্বুদা ইরি। নিংথৌ অসিনা পাল্লবা অসি খৃষ্টগী অনিশুবা শতাব্দীদনি। নিংথৌ অসিগী সনা হাক্তক্তা পুংয়াম য়ৈবা চৎনরে হায়বসি—নিংথৌরোল লম্বুনা তাকই মহুদি—

"নয়ু মৈতেংঙু খুইয়োই তোম্পোকও তৌনা কৌএ।
মৈতেংঙু খুইয়োই তোম্পোক্তি হাউরৈ নোংচুপ লা
পাংবা লমতা মালং মথোংচিনতা, খমকোন মৱাকচিন্তগী
মতাইরেম কোনতে মাইপা হোইথেম-এ।
শম্বোঙ মাইপনা হোইয়ান এ।
থুনগী লৌমন-লাংপু হোয়ান-এ।

থুনগী লৌমনৱাং শতু মানতেৱাং ৱাংসু নমৱাং নেমথকপু শীংচঙ লৈত্তোইচন পামেন উক ভুপনা হোইরান-এ। অরাং কৌপা লমমহনকী য়ারৌ-শচি কুরাং তাননা কুরাং মউন লৈনা হুনা ৱাংলেন পুংতম্পপু ৱাংলেন পুংলোন থোক্তখি এ। য়ারৌ শচি কুরাং লোনপু লোনথোক-খি-এ। কোরৌ হুমিংমাতি অরাং লমতম খিসেংলোয় লমমহনকী পানবা কৈরাং তান কৈরেন মউন লৈনা হুনা ৱাংলেন পুং-তম্পপু ৱাংলেন পুংলোন থোক্তখি-এ। কোরৌ হুমিংমাতি মানগী চক লৈকাও কাওয়েন লেংপা মচনশিরা কোংতিংমু কামন মুকমু হাইমৈ চোনপু মানগী কুরাং মউন লৈনা হুনা কোওয়াং চকো মিতম কোন লেরা খয়োইসেম শউন খুরৈতিং থাওৱাই লীপুন-শি কাচেংলীয়া থৌনা লিরেন পাকাফননা ৱাংলেন পুংতিংপপু ৱাংলেন পুংলোন থোক্লে অতু নোংকীপু মৈতেংঙু খুইয়োই তোম্পোক শনথোঙ পুং-থোকপা-ও তৌনা কৌএ হায়তপরা?

লাই পাখং মঙাইয়োইৱ য়াহৌখি-এ
লাইমুরা মঙাইয়োইপু থৌনেকখি-এ

শুংগী মলাহং, উমৌ খোঙ্কাশম ঙৈরি লীক্লাই নোপ
খোঙকাং অয়েং লেং পুংগু ভকক য়াননা
'খোঙকাং অয়েংনা শনখোঙ পুং পুখোকপ ও 'তৌনা কৌগ
হায়তপাক্কা ?

(নিংথৌরোল লম্বুবা লামাই ৪, ৫)

মৈদিংঙু খুইয়োই তোম্পোকী সনা হাত্তকপী হৌথা পুং ভকক য়ান্দুনা শীয়াথগী মিং পেনবা শীজিন্নবা হৌখি। মসিনা মরম ওই-রক্না ইরেপাক মনিপুরদা হৌজিক ধুমেলদা পুংয়াম রৈবা চংনরিবা অশিনক মশিগী মথাঙ তারকপনি হায়না মত পীভনিংই।

"তখেন পুংয়ৈবগী অশিন্দি শানানা য়ৈবা লাংতে পুং য়ৈবা, জগোই শাবদা মহারাজনা খোঙলেঙবদা, লাই হরাউবদা, কাঙজৈ খোকপদা, কাঙজৈ পাঞ্জন্দা, লাই ভৌনগী থকক্তা, অশি-অনা থুন কোইবা অশিনচিংবা মকমদা য়ৈগনি।

(মশিন লাইরিক লাম ই ৭৩)

হায়রা পুখোকখিবা য়াইবুংবা লৈবাক নিংথৌগী ওইবা থবক থনা ঊ-লাঙ্ড চেঙ্খোকপা অমদি মীয়াম খোমগংপনচিংবদা শীজিনৈ।

অঁহুন্না মৈতৈ লৈবাক্তা পুং-য়ৈবগী থবক অসি মথং মথং চাও-খংলকপনা খৃঃ ১৫ শুবা শতাব্দীদা পানখিবা মৈদিংঙু ক্যাম্বা সনা হাত্তকপি মনিপুরগী পোং লৈবাক্তা পুংয়ৈবা হৈবা মী থাক্না পোংগা মৈতৈগা কনচরেল এগ্রচেঙ তৌনখিবগী বা চৈথারোল কুম্বাবা লামাই ১শুবা অহুম্না ইরি—"পোং নিংথৌ চৌফা খেখোম্বগী মনাই লৌয়ান শেন্দ্রে থোংবগা মৈদিংঙু ক্যাম্বগী অনাই শেঙ্গা পুংয়ৈবগা শিন্নে-এ।" মৈতৈ নিংথৌ ক্যাম্বা খেখোম্বা নিংথৌ অনিনা নিংঙু শীরমক্কনা রা-'খাপমা লেকা চংপা হৌখি।

মৈদিংঙু পামহৈবা 'সনা হাত্তকপা (শকাব্দ ৬৩৩১) রমান্দী ধর্মগী শাকু অমা লাক্রবসু ইরেবাক মনিপুর অলিদা পুং-উশৈ-জগোইগী

খবক্কি থোইনম্মুম শুমাং য়াংশিল্লি। মতমগী য়াওলনা অনৌ অনৌবা য়াথ . েপা হেয় ফজলগদবা মওঙ পুথোকপগী য়াকম অসি হীবম খুদিংগী ওইনা হৌজিকী ১০ শুবা শতাব্দী ফাওবদা অতং-অথম লৈতনা চাওথংপা ওইরকখি।

মতৌ অসুম্না মতম অহ্গী লাইগুম্লবা ওজা গুরু কয়ানা পুংগী বা।, ধ্রুমেল অমদি তাললচিংবা ক।মকম পুথোকপীখি। মমিংঙি—'লাংমিং' েপৌই হায়না মেলগী মরম তাকপা অরিবা পুংই লাইরিক্কা ইবি। মথক্কী পুংলোনশিং অসিবু হৌজিক অরিবা পুংলোন হায়না খঙনবি। পুং১।

লৈবাক অসিগী পুং অতৈ চগোইগী কলাদা অসুম্না চেঙ্ঘরক্লিবা ঈচেলগী ঈচ উনা মৈদিংঙু শ্রীযুক্ত ভাগ্যচন্দ্র সনা হাক্তক্তা ধর্মগী য়াওন্দা গৌডীয়া ধর্ম হায়না মিংথোল্লবম্বু তশেংনমক কলাগী মাইকৈদদি সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবম খোকহনবীখি। স্বর্গীয় ওজা স্নাখা হৈতোম্বীনা তাকপীবম্মী—'মুপাবগ" অমস্তু "শুদ্ধ রাজ মেল" দি নোংমাইথেম ওজা লাবণ্যনা পুথোকপীখি হায়না। সনা হাক্তক অসিদা শ্রী শ্রীগোবিন্দজীউ শিকপা তৌদুনা বাস কপিনা মতম শ্রীগোবিন্দ নটবর বেষ থোনি। অসিগুম্বা বাসকী সঙ্কীর্ত্তণ সেবাদা শককয়াখিবা কাংলুপপু 'নট পালা" হায়না শঙনবদগী হৌজিক ফাওবদা নট পালা হায়না খঙনবি। মসি হায়গী অরিবা মওংদা অনৌবা লৈথেৎ হাপ্তুনা কলাগী ললিত ওইব গুণশিং হাপলকখিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অসুম তৌদুনা হায়রিবশক মশক্তা অনৌবা লৈথেৎ লৈচন কয়া মথ, মথং হাপচিল্লক্তুনা মমৈদা অনৌবা শক্লোন কয়া ওইনা শক্তম য়াংলকখি।

রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র সনা হাক্তক্তা কংখিবা পুংগী থাগ অহৌববু "নটরাগ" হায়না খঙনৈ। সঙ্কীর্ত্তণ অসিগী মেলদি শুদ্ধরাজ মেলনা থাখি। রাগনা 'মঙ্গল' বাগনা হৌথ। নট রাগগী মমুংদা য়াওরিবা

'ক ' ক' সক্কাব হায়বাস ওহানবদদি 'গৌর' সক্কার কৌবশী অমসুং কংলা, থ ক ... থোকহনা সক্কাব অসিগী মমিং শাং-সক্কান হায়না মিংথোনখি। মাসভা তৌথিবা পুংগী বগ. বমেল অমদি তালনচিংব পুং ... কয়া ... পুথোকপীহুনা শ্রীগোবিন্দগী চরণদা কৎখি। মগী পরিবর্তন মতুংইন্না মৈদিংগু নরসিং সনা হাকচাং অশুকপা যং... চ ওগংশি, ফিজেৎনচিংবদা ফজবা ওয়া ... হুনখিরাগা। মৈদিংগু চ... সন হাকচাং পংথৈ যৌবমথৈ অমুক ফজহনখি।

মতৌ অসুম তৌনা লাই গুরু ওজাশিংগী চংনবেল অসিনু ওসি ফাওবদা কলা প্রেমী থুদিংমক্কা কযদন' চংনবক্লি। লোযননা মাযকৈ অমদা বংদেশ পালাক্ত শ্রীগোবিন্দগী থোগল তৌহুনা ওসি ফাওবদা সঙ্কীর্তনগী সেবাদা অচৌবা থৌদাং যাহুনা লাক্লি।

কৌ ক বংদেশকী পুংগী বাগ অমসুং তালনচিংবগী চাওরাকপা শক্তম অমসুং য়াৎলবা লোংনজরি।

ইতিহাসকী মীৎয়েংদা মোইরাং

অইবাঃ—লাইক্রাকপম অশোককুমার সিংহ

মৈত্রবাকী লৈশেমলোন্দা লৈবাক অসিগী খা-নোংচুপ্তা লৈবা মোইরাং কৌবা লমদম অসিগী চাওরবা ইতিহাসকী মফম অমা মৎ-নাইদনা ওসি ফাওবা লৈরি। মৈতৈ লৈবাক হৌজিক্কা মনিপুর হায়না খঙনরিবা লমদম অসিসু পৃথিবীদা লৈরিবা লিরবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি। লৈবাক অসিদা য়াম্না লিয়রবা মতমদা মীওই কাংলুপ কয়ানা

স' [illegible] চান তোঙ্তানবা কাংলুপ কয়া থোক্না খায়দোক্তুনা মাগী স [illegible] খায়দোক্তুনা লৈবাক য়ায়েন চথরমই। অদুবা মতমদা ম [illegible] থুকন পাঙ্গলবা ফুকপশিংগী মরুংদা পনবা য়াবদি, চে [illegible] কাংলুপ অসিসু অমনি। কাংলুপ অসিগী মীওইশিং ও [illegible] মতুংদা শলাই মরি থোক্না অমুক খায়দোকখি। [illegible] ডুদি—খাবা ঙানবা, সারাং অমসুং লৈশাং অসিনি। অঙ্গম অঙোম্বা মমা মতীক মথোম্মা লৈবা ফুরুপশিংদি—অঙোম, লুয়াং খুমন, মোইরাং অমসুং নিংথৌজা হায়রিবা কাংলুপশিং অসিনি। খাবা ঙানবা অমসুং শরাং লৈশাং হায়রিবা কাংলুপ অসিনা মাগী মাগী শাগৈগী য়ুম্নাক কয়ামুক শন্দোক্তুনা লৈবাক অসিগী অরাং থংবা শরুক্তা থুন্দা লৈঙারম্মদগী মমৈথংদা লৈবাক অসিগী মকম মকম থুদিংদা মচোই মচোইনা থুন্দাখি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা খুমন, মোইরাং, লুয়াং, অঙোম, নিংথৌজা, খাবা ঙানবা, শরাং লৈশাং অসিনচিংবা শলাইশিং অসিগী মশা মশাগী লম খায়দোক্তুনা মশা মশাগী ঙমথৈ খায়দোক্লদুনা মনিং মথা তম্না লৈঙাকলোন চথরমই। অদুবু কায়নথংদদি নিংথৌ-জাগী কাংলুপ অসিনা য়াম্না খুৎকন পাঙ্গল্লকপদগী শলাই পুম্নমক অসি নিংথৌজা শলাইগী মখা পোন্দুনা লৈবাক ঙাক্লোন চথখিবমই। মতৌ অসুম তৌদুনা মোইরাং হায়বা শলাই অসিসু মনীং তম্না লৈবাক ঙাকচদুনা লৈবাক অসিগী খা-নোংচুপ থংবা লমদা মনীং তম্না নিংথৌ জ না মথং মথং পাল্লম্মদগী কায়নথংদা মশাগী মনীং তম্বা অদু মাং-লক্তুনা নিংথৌজা শলাইগী মখা পোনবা লৈবাক অমা ওইনা কংলৈ-পুংদা তিনশিনখি।

অরিবা মতমদা মোইরাং হায়বা লমদম অসি কেগে অমসুং ঙাং-ঙোই হায়দুনা শরুক অনি থোক্না খায়দোক্লমই। অসুম্না কেগে ঙাংঙোই হায়না লৈরম্মদগী মঙৈথংদদি মোইরাং হায়দুনা অমত্তদা পুনশিনখি। অদুদগী হৌজিক্তি কেগে অমসুং ঙাঙোই তোক্লগা মোইরাং হায়দুনা

মীয়ায়া অহূমক থঙনরে। মোইরাংদা কোন্থুং শেমহূনা নিংথৌ পাখংবে মতমদা লৈকাই মিপাল থোক্না থায়দোক্লমই. মখোয়শিং অহূদি— (১) ঙাংখা লৈকাই, (২) খোয়োন লৈকাই (৩) ঙাংলৌ লৈকাই, (৪) খাখ্বী লৈকাই, (৫) হীগা লৈকাই, (৬ ওকচিন লৈকাই, (৭) চেংলৈ লৈকাই, (৮) য়াওশু লৈকাই অসিনি। অহুগা মোই-রাংদা কৈথেল ৯ লৈরমই; মহুদি—(১) ঙাংখা কৈথেল (অমাই শিঙনথা লৈমনতা চীংঙুংশোইনে) (২) খোয়োন কৈথেল (মোইবাং তাওথোং লৈকাইনে, অহোংপুংলেন খাদি পাং তেমতেশাপুং) ৩) ঙাংলৌ কৈথেলনা (অকোঙজাম্বা গুক্ষম, অহোং কৈথেলবু পুক্ক চেংগৈ পুংলেম্রে) (৪) খাখ্বী কৈথেলনা (মৈকাপ্পী রায়েনবী. থৈমেকোন পুংজাওনে) (৫) হীগা কৈথেলনা (নাইখুকোন খুংশাফম, মাংলৌ-তাকনে) (৬) খোয়ী কৈথেল, ৭) ওকচীন কৈথেল, (৮) চেংলৈ কৈথেল, (৯) য়াওশু কৈথেল অসিনচিংবা অসিনি। মোইবাং লৈ-কাই নিপালগী মমিং লৌহূনা ফমলুপলোই শেমলমই। ফমশিং অহূদি —(১) খোয়োন লাকপা (২) ওকচীন লাকপা, (৩) চেংলৈ লাকপা, (৪) খাখ্বী ঙাংগ্রাকপা. (৫) ঙংলৌ লাকপা, (৬) হিকা লাকপা, (৭) য়াওশু লাকপা অসিনচিংবা কয়া অসিনা নিংথৌনা লৈবাক ঙাকপদা মতেং পাংলমই।

মোইরাং কংলৈবোন শুঙ্বুবা অমসুং মোইবাং দংলৈ লমথোন কৌবা লিরবা পুয়াদা কেগে মোইরাং থোনখিবা মতাং অসি অস্থুমা ইরি—লেকেপুঙ অচৌবদা খোইয়ুম ল ইথোং শিন্না উমং লাই মহুৎ শিন্নবদি থিপি-থিবেল চাঙ্গরেল, কৈকাকে, নোংকাচেং, হুংকপাক, হুংচোংবা মুকুলোন খোইমোম লাইবপ পুন্নমক্না মালেমদা অহোং-অচাও চাদ-নাওদা পুথোকপা ঙমগ্রবদা খোইয়ুম লাইকপ লেংনা তিম্না নোংপোক অপানবগা পাম্বোইবীগা অনিমাবু থুনথোকলম্লসে হায়না লেগহূনা খোইয়ুম মতে মনাওনা তেনা নৌনা শাম্নদা মরম লমলেন নদাইমবু

তৌবীও হেম্না কৌহৌরে। খোইরম মতৌ মনাওনা তাইবঙ চাদ নাওদা পুখৌকবা খোইরম খোইরারি অহৌবনা খোইরি নাওকম শাহনা হৌ-দোকখিবা ময়মবু চাওখ্রিপুঙ কৌহনা কেকেদা খুবম লৈকম লৈহৌরে। অসুম্না লোইদাম থাবুম ১০নি ইফা ইমেল্লবা মতুংদা মপারী মোইরাং শাং-খিএ। মতৌ অসুম্না খোয়োল লংবা অপানবনা খোইয়ম মঙাইরোই পুম্বগা চীংঙ্গবা লাইবুং লিংহনা তাইবঙ কুম্মে শামলেমলে। মপারী পুরেন হনববু পোংলেন হনবা কৌহনা কেকেদা নিংথৌ হাপ্পিরম্বদগী লমদম অসিগী মমিংহু মচাগী মীংহন লৌহনা হাগ্নগী মিংগা নক্নলা কেকে মোইরাং হায়না মিংথো-নখি। মালেমগী চিখেক ৪, মাইকৈ ৮, ঙংদাই ১৬, শিংথাই ৬৪, অপাম-কম ৪, লৈকাই লাকপা ৮, সেলুংবা ১৬, ফমথৌ ৬৪ না লৈবাক অসিগী নিংথৌগী থৌগন তৌহনা লৈবাক ঙাক্লোন চথরম্বা মোইরাংনি।

মোইরাং হায়বা কংলুপ অসিনা ইফান হান্না মোইরাংদা খুন্দা-খিবা মচাং অসি মোইরাংলোল কৌবা পুযাদা অসুম্না ইরি—কেকে পোকপা সোরারেল মোইরাং পেংকপা কসারেলনা লৈমুং মুচাখা চনু ঙাংশাবী পাম্লহনা ঙাংহন্নে ক অমসুং ঙাংনিংশিং পোকই। ঙা গুম্লোক্কী চাদ-নাওদা মথৈনা থোকচোম হায়বা মুম্নাক অসি ওইখি। অতুগা নিংথৌদি মশানে ঙাংনিংশিংগী থারা মথৈনা ওইগি। ঙাংনিংশিংনা মচান্নুপা হামশা পোকই. হামশানা নিংথৌ ওই। হামশানা মচান্নুপা য়োইবা পোকই, য়োইবনা নিংথৌ ওই। য়োইবনা মচা-নুপা নাবোং পোকই, নারোংনা নিংথৌ ওই। নারোংনা মচান্নুপা সুম্নুচা পোকই, সুম্নুচানা নিংথৌ ওই। নিংথৌরোল তরেং অসি লাইগী নিংথৌনি হায়না লৌনৈ। অতুদগী সুম্নুচানা নোংবালফোন মৈরা পোনচেনবী পাম্লহনা মচান্নুপা ফাং ফাং পোংলেন হনবা পোকই। ফাং ফাং পোংলেন হনবনা পানবা মতম অসিদগী মীগী নিংথৌ ওইবা হৌরে হায়না লৌনৈ। মোইবাংদা নিংথৌ ওইহনা পানবা মতম অসিদা ফৌওইবী অকোংজাম্বগী লাংওন পুন্সি রাম্নীবু থোকখি। ফাং

ক্যাং পোংলেন হনবগী মথংদা মচাহুপা তেলহৈবা পোকই। তেলহৈবনা মোইরাংদা নিংথৌ ওইদুনা পানবা মতম অসিদা হেঙ্গুনহা লাইরেম্বোলেম্বী অনিগী কাম্বনা সুংশি শেংলনবগী বারী থোকখি। থোংনাং লাইরেম্বোলেম্বী অমসুং হেঙ্গুনহা অনিগী কাম্বনা সুংশি বারীবু কাওবা লৈতনা পোইরৈত্তা কাখিবা অখিবা অশৈবশিংনা শৈথ্রুনা ওসি ফাও বদসু শক্করি। পুরিক্লাই তেলহৈবনা মচাহুপা লাইফাচেং পোকই লাইফাচেংনা উরা ঙাংঙোইবা পোকই। নিংথৌ উরা ঙাঙ্ঙেইবনা পানবা মতম অসিদা মোইরাং ঙানবা অমসুং নোংয়াই সংলৌবেম্বী অনিগী বারী থোকখি। নিংথৌ উরা ঙাংঙোইবনা মচাইবুংঙো স্নালখুবা নিংথৌ ওই। নিংথৌ অসিগী হাক্তক্তা থোয়েন হাওবা অমসুং য়াইথিং কোন্থু শাখী শানৌ অনিগী সুংশি নুংওন বারীবু লৈবাক অসিগী মীওইশিংগী নাকোংদা চীঙ্খা. চীঙ্খাং য়েনা শন্দোক্লগনা ওসি ফাওবা মাংবা তাবা লৈতনা শক শোম্নবি। নিংথৌ স্নালখুবাগী মথংদা মচাইবুংঙো লাইয়ু পুন্সিবনা নিংথৌ ওই, নিংথৌ লাইয়ু পুন্সিবগী মথংদা মচাইবুংঙো তুশেঙ্বনা নিংথৌ ওই, নিংথৌ তুশেঙ্বগী মতুংদা মচাইবুংঙো থাবাই কোংদিং হনবনা নিংথৌ ওই। মথংদা মচাইবুংঙো থিংক্রি নাচাওবনা নিংথৌ ওই। নিংথৌ অসিগী হাক্তক্তা হাওশী নামোইয়ু কৌবী সুপীমচা অমনা হবী নোনাং ওন্দুনা পাইখিবগী বারীবু কাওবা লৈতনা চীঙ্খাং অমদগী চীঙ্খাং অমদা লিনবকপনা ওসি ফাওবা মুং নাইদনা লৈরি। নিংথৌ থিংক্রি নাচাওবগী মথংদা মচাইবুংঙো সুংনাং নিংথৌ তোম্বনা নিংথৌ ওই। নিংথৌ অসিগী হাক্তক্তা শাম্পা লমগানবা অমসুং থমুং য়াইথিং কোন্থু অনিগী সুংশি শেংনা কাম্বনা বারী থোকখিববু ওসি কাওবদা কাওবা লৈতনা কেখ্রৈ কৌবী লৈয়াংবু শৈথারকপা মতমদা শাখী শানৌ অনিগী পুন্সিদা থোকখিবা সুংশিনুংওন বারীবু নৌহৈনা হেক হেক নীংশিংহল্লি। মপাক্কী থোংথে লাম্বনা সুংনাং নিংথৌ তোম্বগী তুংদা নিংথৌ ওই। নিংথৌ থোংথে

লাম্বার্দগী তুংদা মপাগী উন্না কোঙয়াম্বনা নিংথৌ ওই," নিংথৌ অনিগী হাক্তঙ। খাংলেন পুংদিংবা অমত্তুং চকপ্রম চহু কিশাবী অনিগী কায়না পুন্সি খাগী খোকখি। নিংথৌ খিনাং মিচাওবনা মপাগী মহুং শিন্দুনা নিংথৌ ওই। অদুগা মপাগী খোকবা চুংহুইরাং পোকএ। নিংথৌ খোকবা চুংহুইরাংনা নিংথৌ চরলবা পোকএ। নিংথৌ চরলবনা থাঙকা ইফেল লাম্ববা পোকএ। নিংথৌ থাঙকা ইফেল লাম্ববনা সাংতোন খুবা পোকএ। নিংথৌ সাংতোন খুবনা লাইচীংথু উন্না তেলহৈবা পোকএ। নিংথৌ লাইচিংথু উন্না তেলহৈবনা মসেম্বা পোকএ। নিংথৌ মসেম্বনা নিংথৌ কাবা পুরাংবা পোকএ। নিংথৌ কাবা পুরাংবনা নিংথৌ উন্নাহনব পোকএ। নিংথৌ উন্নাহনবনা নিংথৌ ইথাই কাইরেম্বা পোকএ। ইথাই কাইরেম্বনা নিংথৌ ওইবা মতমদা কুমজরেম্বী অমত্তুং মাংহনবা শাবী শানৌ অনিগী চুংশি কায়না খাগী খোকখি। মতম অদুদগী ইথাই পুনম চীং হায়দুনা ওসি ফাওবা থঙনরি। নিংথৌ ইথাই কাইরেম্বনা নিংথৌ শাংতোন কৈনাওবা পোকই। নিংথৌ শাংতোন কৈনাওবানা অতেংলক্কী লোইজা ওবা পোকই। নিংথৌ লোইজা ওম্বনা নিংথৌ চীংখু তেলহৈবা পোকই। চীংখু তেলহৈবনা পানবা মতম অসিদা থম্বা অমত্তুং খোইবী শাবী শানৌ অনিগী খাগী খোকখিবা মতাংবু মোইরাং কংলৈরোল্দা থম্বা নোংবান অনিনা মমোম লাংলেন মজাইবেম্মা খোইবী মগুংলাংগীদমক হাওদু রোক্তা পাম্বা কৈ-রেন থেংনখিবা, পাম্বা কৈরেন অথৌবনা শারাক তমদুনা নোংবালবু মাইবী লৌখিবা অদুদগী থম্বনা পাম্বা কৈবু হাংখিবা মকম অদুবু খোইরেম্বাক হায়না ওসি ফাওবা থঙনরিবা অসিগী মতাংদা মখাগী অদুমা ইরি—"লমলেল মদাইমা পাম্বা কৈরেম্বাক-ও কৌবদি কৈলৌ-মোংগীনো, খোইমোম শাওন মপোকলকীবু কেগে মোইরাং নিংথৌ লিমখু পোংলেন হনবগী মশানৌ চীংখু রাইমা তেলহৈবা নিংথৌ শেল-খাঙ অখুবগী মমোম লৈমা নিঙথি তরেংবী শিজ খোইবী কৌনা

শাক্লফোংলে । মতুংদাংগী কৈগে মীয়াম তীমপুঙ মোইরাং অকন হয়িংচেংনা লাইথংনবা লম য়োম্নবু কুক লুখাম পামাঙতা পানবা কৈরেন অকংজ কৌব্দি মন্ম কেগে মোইরাং নিংথৌ লাইচীংপু চীংথু তেংহৈবা মদাইক য়েম মোইরাং লৈবাক কোইবা পুক্লা তপ বেকে থ'খা লাইথো লেংনা খ্রিন অঙম্ব: সনা লীকতোন শিবা নিংথৌ মজাই অপানবা ঙাংজৌ লাকপা হাও মুরাবা অথৌবা পানবা কৈকাপাসুং ওকচিল লাকপা সাংতোল মায়থু অথৌবা সনা লিকতোম শিবগুং নিংথৌ লাইপক য়িমথিজবগা হুংবাল চাওবা লুরাংসু অথৌবগা থোংলেন হয়িং থোইচা অথৌবা মামলৈ চিনওললাবগাসুং ।ওএ । ঙাঙে ই খম্বা লাইম্নবগা লোংবান অথা নহা কোঙয়াম্বগা পানবা ঙানগে কৈরেন থিন্নগে হায়বগী নিংথৌ মাঙলা থামা অথা নাহা কোঙযাম্বনা চঙিববু পাম্পা মথি মাই কৈরেন মরাঙ হৌঙম্নবগী খোক্লাং তহুন শোযবে । অথা নাহা কোঙ ।ম্বদি পানবা থামা থা কৈরেন যাথোঙ লোম্ন নোংমললে হায়-মবয়া । ঙাঙোই খম্বা লাইরবা অকন হযিং চেংনা নয় থংজিং লাই মরুবু পুরুম্নবগা তনবা খোক্লাং লেংদা থোংনা চঙখিবে হায়দবয়া । পানবা লমফম্বা কৈরেন উমবিসা অথৌববু তিমেন তাথিল অমরক্কা তিমেন তাথোঙ থুমনা পানবা খুংবা মমনা থিনথুরে হায়বগী পানবা কৈরেন্তাক অথা নাহা কোংয়াম্বা নোংগাফম কৌববু কেগেতা কাখিবা মোইরাং হাইমনা লমলেন খোইরেন্তাকও তৌনা কৌএ ।”

নিংথৌ চীংথু তেলহৈবগী মথংদা মপারী ঙাংঙোই পুন্সিবমা নিংথৌ ওই । মোইরাং নিংথৌ ঙাংঙোই পুন্সিবগী হাজক অসিমা কদেং থাংজনবা অমত্তুং তোম্বু লাইজিংলেম্বা শাবী শানৌ অমিগী পুন্সি পন্দোম লোক্লা মুংশি য়ায়থুংনখিবা মত্তাংবু অশৈষশিংনা ঙজি কাওবদা শৈথামরি । তোম্বু লাইজিংলেম্বা অমত্তুং কদেং থাংজহনবগী মথংদা মপারী উম্বা নাহা খোংজোম্নবা নিংথৌ ওই, মিয়থৌ. অসিগী হাজকতা মসাবী উম্বা নাহা পীদোমম্বা পুন্সি লৈপুন ওইখিবা কজানকা

থাঙজু; ংক্তা কেমখিরা মতাংবু লমদম অসিগী মীওইশিংনা কাওবা লৈতনা মীংশিংনরি। মতো অসুম তৌহনা মোইরাং কৌবা লমদম অসিগী মৈংৌরোলগী ওইবা নিংথৌরোল কয়া অসিগী হাক্তদা থোক-খিবা রারী পরিং ক। অহবু ওসিদি লৈবাক অসিগী খাইদগী মমল নাইদ্রবা সাহিত্যগী মচাক ওইনরি। নিংথৌ উরা নাহা খোঙজোম্বনা শিরবা মতুংদা মপারী য়োইরেম্বনা মোইরাংগী নিংথৌ ওই। য়োই-রেনবগী মংদা তোঙান তোঙানবা নিংথৌ তরাতরেংনা মোইরাংদা নিংথৌ ওইহনা পাল্লবা মতুংদা মোইবাং লৈবাক্তা নিংথৌ পানবগী অরোয়বা তাঙ্কক অমা লাক্‌না কংলৈ পুংময়োম্দা তিনশিনবা হৌখি। অসুম্না কংলৈপুংদা তিনশিল্লবা মতুংদগীদি মোইরাং লৈবাক নোংমা নোংমগী অসুম অসুম মরায় চাইথবা হৌখিবনা ওসিদি লমদম অসিদা করিমত্তা থোকখিদবগুম, তৌবন্দবগুম ওইনা মীয়াম্না উরে। অহবু লিরবা মতমগী পুরারী বয়াপু অমুক নৌহোনা পিগংলবা মতমদদি মনিপুরগী ইতিহাসকী লামাযদা মোইরাং হায়বা লমদম অসিনী চাওরবা মফম অমদি অসুম্মক মাংদনা নৈরি অনুংং লৈখিগনি।

নৈনখিনা লাইরিকশিং

১। মোইরাং নিংথৌরোল লম্বুবা
২। [illegible]ংজিং খুম্বোকলো।
৩। কৌত্রু খুনকুমলোল
৪। মোইরাং কংলৈরোল লম্বুবা
৫। মোইরাং লৈকাত নিপাল ঈ লাসাং
৬। মোইরাং.ল ন
৭। মোইরাং কংলৈ লমংথান।

পোইরৈ-তা ফাথিবা !

অইবাঃ—য়ুম্নাম-চা বুদ্ধিচন্দ্র ।

শক্লাইরবা খুলনাই অমা ওইবগী, লৈকম থোকপা পোৎচঙ পুম্নমক ; মৈতৈ খুলনাইগী মুনা লৈজে । হৌঅবা ঐথোক্নগী ঈপা ঈপুশিংনা, চহী মশীং লাকপমক্রবা মতমদগী ; কমাগী মপান তাংদনা, পুথাও পথাঙ্ক লেংসিন্নবা : ত্তানসিন্নম্না লল-থুম পুক্কৈ লক্তৈ চোন্না পৈসিন্দুনা থম্বীরমই । থম্বীরম্লিবা মৈতৈগী অরিবা পুক্লৈদগী ; লাইবিক লাইস্থু শকুক থজিক্কং থাইদোক্তুনা, মীয়াম্না নৈনবীনবা লানৈ কচবি ।

ফাথিবা—

ৱারেং শৈরেং সেম্না সাবা ইববু (কবিবু) মৈতৈনা 'ফাথিবা'' হায়না মিংথোল্লী । পোইরৈ লৈবাক অসিগী ওইনা মশাম্না তাজরকপা মওংদা ; সেমগৎ সাগৎতুনা, ৱারেং শৈরেং পুথোক্লকপা মীবু 'পোইরৈ-তা ফাথিবা'' (মৈতৈ কবি) হায়বনি । ''ফাথিবা''— মিংনা উবা অমম্ভং উদবা, অফবা ফৎতবা, ফজবা অথীবা, হিরম খুদিংগী মতৌক মথাইবু ; ৱাখলগী মিংয়েংনা ফাক্তুনা হাইদোক্তুনা থিববু ''ফাথিবা' হায়বনি ।

অতোপ্পা মিংথোন অমনা ''অশৈ পনমাবা' হায়নসু শীংথানৈ । মীয়ামগীদমক্তা ৱারেং শৈরেং সেম সাবা মীবু ''অশৈ পনমাবা' হায়-বনি । মতুংদি—হৌজিকসু হায়নরি—কবিগুম্বা থবক অমবু হৌদোকপা নৎত্রগা হানা হাকথেংনকবা মীবু ''খুৎমাবা'' হায়নরিবসিনি ।

ফাথিবগী শকুম—

মৈতৈ ফাথিবাসিংগী শকুমদি অতৈ অতোপ্পা খুলনাইসিংগী ফা-থিবসিংগী শকুমদগী পুমতোং তোঙল্লী । অরিবা শকুমসিং অসি উবগা হৌজিকী মীরোম্না ইশায় লাম্লমা খঙবা ঙমগনি ; মৈতৈ ঈপা ঈপু পোইরৈগী ফাথিবসিংনা, অতোপ্পা কনাদগীসু তম্নবা, পুকবা অমসুং

মতেং লৌফিবা তৌননা ; মরমাইগী ওইবা বাখলগী পাক্লনতনা মাংগংচরম্বা মৈতৈগী শক্তম্নি তায়বসি তক তক্লনা উবা ফংই ।
মায়দবা শক্লোন--

অতোপ্পা খুলনাইশিংগী কাখিবাসিংগী শক্লোন্নি, করিগুম্বা পোৎশক নৎত্রগা থোৌওং অমবু, মাচুগা মায়বা মওং অমদা থৈদোক্লনা হায়বা ; পোৎশক অচুবুনি হায়বদি খঙহনবা, অসিগুম্বা মওং অসিনা মপুঙ ওইনা চৎনৈ । মতুদি—ক্লংশিংনা লিরি লিরি হুম্বা, উপান্দা পাল্লিবা উনাশিংনা ; অমগা অমগা থেংনবনা পাক পাক হায়না মথোল থোক্লকপবু ; তেংবানবা মপুগী থোজাল হৈরবা থুৎশেম্বু উবদা হরাওজনা উপানসিংনা থুদ'ক হুনা মপুগী মতীক ময়াইবু শীংথাবমি হায়না থৈহুনা পাওরৌনৈ । অমস্তুং থোরায মীচাকসিংনা তনীক তনীক থোকপবু ; অমম্বা কৌবা হিংচাববু কিহুনা নীকপমি হায়না শৈথাবা, অসুম্না পোৎশক নৎত্রগা থোৌওং অচুগী শক্তম অমস্তুং মতীক ময়াইবুদি খঙহনবা অসিনি ।

পোইরৈ খুলনাইগী কাখিবাসিংগী শাজৎতি—লৈ মখল কয়ানা পুনশিল্লগা, অমখক্তা ওইবা লৈ নাচোম ওইহনবগুম ; পোৎশক নৎত্রগা থোৌওং অচুবু, মকম, মতম, হোৌরককম, মওং মতৌ মতীক ময়াই অমস্তুং মরী লৈনবা পুম্নমক প্নপোক্লনা নাওয়োম ওইনা য়োমশিল্লগা ; পোৎশক নৎত্রগা থোৌওং অচুগী শক্তম তাকপা অসিনি ।

মৈনবদা গুংঙাইনবগীদমক অরিবা লাইরিক খরদগী বায়েং শৈরেংগী শরুক খরদং লৌথোক্লনা মখাদা উৎচরি ।

শৈরেং

ঙাচক থে মরোন (য়েনলোন)

কেকে লোক্তাক বানফ্রেল, তেনচুম মরমথৈ । তাংতেক কাংপানাও মতুরায় থিংকাপালম । শে'ঙলেল হান'বায়, নামপা চুঙসেনকোন । শোঙলেল পানথোকপোক ঈহহা, অতৌপা লেলতাংপস্তুং

খন্নচিংকোনতা পানপা য়েন। সংলো য়েনথোমপ' য়েনলাং মৈকোনপা লৈমা মুলাংখামপী পাওয়েথায়নয়েম। খুলখুরা য়াংকেলতোংবা শারক খায়নয়েন-ও কৌপতি, কতৌনোংকীনো !

কেকে খাইতোন লৌথীপনা : তাল্লোয় মরুমপী, খিং খিং হৈরী পুঙতোংপা চন্নু ; লৈমান্নু লাংখামপীপু, তোগ্গা হুল্লাল্লমএ। য়াংমোম লৈমা থাংতেক আচাপা চন্নুনা ; লাংলেন উঙাম ঙামচাও-তোং, লোক্তাক ঈয়ায় খায়না, ময়ান মুহোঙ খোঙতোংলকপাতা। খিং খিং হৈরী পুঙতোংপা চন্নু, লৈমান্নু লাংখামপী হাওনিঙসং, লৈমন্নু লৈশং-শীনা ; ঈতুনিংথৌ খুলখুরা য়াংকেলতোংপা, কাপরা লৌথাপী-ও। নমোম ঐপু, কেকে খাইতোন লৌথীপনা হুল্লাল্লমএ। নোংপান থাং তেক আচাপা চন্নুপু হোইথিথিএ। মৌপী উঙাম ঙামচাও তোংনা, ময়ান মুহোঙ খোঙতোংলকপা অসিপু ; থাঙলেল নথুংসুনা চৈপী-ও হায়না থৌনেকথিএ। খুলখুরা য়াংকেলতোংপা কাপারা লৌথীপনা খুয়োন খাংখরুংপা মশুঙমাঙ থাঙলেল লুচঙশোয়, বাপা আখাম থোংতা থৌতু মুঙমায়শীং লাইচা ঙমথংননা ঙাইখমথিএ।

য়াংমোম লৈনা থাংতেক আচাপা চন্নু : ময়ান খোঙতোং-কপীপু, কাপারা লৌথীপানা, পাকচা পামোংলকীপু উতবে : ফক্লোং তাইশুং-কিপু খঙতরে। কেকে মুকাপ অশৈপা, মারাকম' পালথোইপনা অশৈ তেরানলকএ। খিং খিং হৈরী পুঙতোংপা, খুলখুরা য়াংকেলতোংপা কাপারা লৌথীপা ও। পাকচা পামোংলকীপু উতপা, ফক্লোং তাই-কোম্নুংকীপু খঙতরপা-ও ! হায়না অশৈ তেরান বাকিপু ; কাপারা লৌথীপানা থাঙলেল মথুংশুনা ; য়াংমোম লৈমা থাংতেক আচাপা চন্নুপু, পাকচা পামোংলকীপু, ফক্লোং তাইশোন্নুংকীপু ; মচপ ময়ান থন্না য়ানথংলে।

য়াংমোম লৈমা থাংতেক অচাপা চন্নুকী, মোয়, তাঙচা মশমচিনা য়েনশম চয়াং ওইথিএ। নোংয়ায় খিংকোনংনবা থাংগৈয়েন, পোল্লু

য়েনকম চমু সিথিয়েন। খুমনচামপা অখোৌপা, লাংথৈ শীংঙনয়েন। মোইরাং থাংতেরা অথোৌপা তেনহৈয়েন। চারাং হুইমৈকক্লা, লাইচা ঈথোঙ লোন্নখিএ। থাংতেক অচাপা চমুকী, তাঙচা লুরাইলেল, সরা লুমথাংথৌনা লেলফু ংরো ওইখিএ। য়াংমোম লৈমা চরৈ মাকানাক্লা থাংচিং কেপাক ওইখিএ। লোক্তাক রানফুরেনতা থাংচিং কেপাক হৌ-রে। থাংতেক আচাপা চমুকী ; যারেল খোঙচিতোন্না, শারেল য়েন-হৈকক হৈকক চীম্নী লোঙপপু ওইখিএ।

নোংয়ায় খিংকোনহনপা, পাসি লাংলোয় ঙমপপু ; পোনচেম লাই-চম থন্না য়াহৌয়েন। শাবেল য়েনহৈকক্লা লাইচা ঈপাথক্তা ; হৈকক নাবেংথোংপ্র ওইখিএ। যাংমোম লৈমা মোম্ন শঙতিং মাকানাক, সুরা খিংখিং নাওবৈথোং, ঙাইখেংনূপী সিনথোঙ হৌ, সুরা কুমচিং কারেংপী মোম্ন শকতিং লোনযামপা, মেল্লোং থৃংনা ওনপা, সুবা শঙতিং চোমফা লীনা ওনখিপা য়েন। সংলৌ মরী-তাদি শিয়েৌ লংচা মানপা য়েন। মনা তংেং শেংকোয মানপা যেন। মপান চোইনৌ সনা হোইতোম মানপা-যেন। সংলৌ যেনংোমরোন, যেনলাঙ মায়কোনপা, সংলৌ ঙাচক খোমরোনপু : 'লৈম, কুলাংখামপী পাএৈথাষ, কাপারা য়াং-লেলচোংপা শাবক থাহন-যেনও ত্তৌনা কৌএ।" সংলৌ ঙাচক খোম-রোন্না, অঙৈপা-লেলতাপসু থম্নীংকোন লোক্তাক রানফুরেলতা, সংলৌ মপান ফাবে, মেল্লাঙ মত লামলে, লাইচা ঈমায় থুমে।

লাংকোল চীংকোইলোন--

লয়েল মাতাইমা কৌপা চীংলেল নাপোম্মাসুং তরামাথোই সুপা চীংনে। ঈলোক লাইচম্মাসুং তরানিথোই সুপাচীং। কৌপা মাতাই-মাতি থাঙঙা উরানচীং-ও কৌপতি কতৌনোংকীনো। থাঙঙা অমুকোয়, কমপোং অঙৌবোয়না কোইপা-চীং। লাইলেল তাওলোয়নাইপু, মযুম থাঙঙা থেলপুঙ থক্তা ; তেন্না কাংলংমৈ, থাঙঙা উপুনসিনা মসু

নাইপপু। মযুম থাঙঙা মনিমনাইপনা ; তেলা কাংলংমৈপু থাচীক্কর-পকীঙমক ; পাখঙ য়োম্লোই-হৌ, মুন্না হুমতাংসাংনা ; ফোইরৌ হয়া লাওনা য়ানথেক্লপপু। অরাং লায়না পাংন, পামেন উক্ক উরাং য়াওনা পাইথিরে। থাঙঙা উলানখিয়ে। অতুনোংবীপু, থাঙ্ঙা উলানচীং ও তৌনা কৌএ।

পামেন উখামঙমতা, শীংচঙ মখুংশুন্সুং থাংনা লানখিরে, হাই-পীলান-ও তৌনা কৌএ। তুপী অঙনপা, লাইবেল "বেমপনা" করম লানখিপনো ; অতুনোংকীপু, খোইমুম লানচীং-ও তৌনা কৌএ।

রাংরেং

চামনলোন—

লয়েল মাতাইমা নোংয়ায় থোংকনয়াঙ, লংম ই লীকবায়রম, থোঙকারাংপী লম্‌ংশিতা। মরোঙ চুঙফুনা, খোক্লাং পমশীংনা তিমেন তাচায়নপপু লৈএ।

লয়েল থোঙকারাংপী লম্‌ংশি ও কৌপতি বংনোংকীনো ! নোংয়ায় থোঙকনয়াঙনা, লংমাই পাপং লেথীপ। কীক্লাং মুংচং, লংমাই লীকরায়বমতা শমু মখুতোনপু রাকযৈ মংনেংতা ; কারন কারন চোংচিনখিএ। অতুনোংকীপু "খোঙকারাংপী-ও কৌপপু" : পোইরৈতা কাথিপা রাঙম হাংমন তানপনা, থোঙকারাংপী লম্‌ংশি ও থোমৈএ।

লয়েল থোঙকারাংপী লম্‌ংশিতা চায়ন খোঙফেন হানাপতি—নোং-য়ায় হাওথোং শিন্নাইখু অথোপাকা। মৈতৈ তেংলৈমাকা আমপা মমা লোইথোম মুচা লিনকোইকিকা। কাওরেল লাইথেংনা মানপী চীয়ৈ-নরে। খোক্লাং পমশীংনা, তিমেন তাচায়নরে। পোইরৈ মৈতৈ মমা লোইথোম মুচা লিকোইকি, তেংলৈমাকা আমপকী তিমেন মখুংশুনা ফেল্লকপতি। খোয়মা লাংতোন সম্না, হমপরু নায়া হেনঙিএ। লাইচা ঈতা তায়ে। নোংয়ায় হাওথোং শিন্নাইখু, তিমেন মখুংশুনা ফেল্লকপতি

—তেংলৈমাকা আমপকী ফৈরা মতান ফুরে। তেংলৈমাকা আমপনা পুনেমচখিএ। পাখৌ নোংয়ায় হাওখোং শিন্নাইখু অথৌপ ও। ঐস্নুং বায়রা শাগীং-স্নু, হুয়েন লানশীং মকম কায়পনে। অসি কৌপা স্নু-মিংমাতা বায়রা নশা-ওই হুয়েন নায়ন ওইরপনে। পাখৌ ও ঐপু, লুরক কাংতৈ থিপীকনো; থৌনাও লোনথোঙ লেনপী কুনো। ঐস্নুং হয়েং য়াইথোঙ সিরয়েল: সবা লাম্মাখাঙতা। মায়রৈ চীংওনতা, লীক্লাং পাওহোংতনা; বায়রা নশা-ওই, হুয়েন নয়ান ওইঙমকে। অস্নুম মানপী খনতপা মুকমু লৈতোন কোন; মালেম থৌরৈ লৈকা পায়না পুরুমথিএ।

নোংযায় হাওখোং শিন্নাইখুনা; পাখৌ তেংলৈমাকা আমপ ও! তৌইকিতি, হায়েং নোংয়াস ঈপুঙয়ায়তা; য়েনপুম হুইরো-চন, লাকথা লানমিং থানরুকে। নোংয়ায় কংলা য়াকোঙলক্তা হুয়েন লান-পাও তম্নকে। ফৈরা নতান তৃপকী হুযেন লানতু শক্রুকে। খে'ক্লাং ঈঙাঙ তৈপা অসিপু; হুয়েন লানপাও তম্নপুকে হা খিএ। তেং-লৈমাকা আমপনা; পাখৌ-ও নঙনা হায়েং তনতু শক্রু য়েনপঙ হুইরোয় চন্নরু ও। লাকথা লানমিং থানরু ও হায়না পুরুমথিএ।

নোংয়ায় হাওখোঙ সিন্নাইখনু অথৌপস্নুং, খেবে ঈঙাঙ তৈপা তিমেন মখংশুপু; খেরে মাঙইন্ননা, খমন মরমদমদা হুনবায়খিএ। তেং-লৈমাকা আমপা, মমা লৈকোই স্নুচা লিশকোইকি; মবোঙ চৈচেম্নপা থিংলো য়াইথাপস্নুং: পোইরৈ মপনলমতা হুনবায়খিএ।

হয়েং লোইতাম থাসিরা, লাংচৈ কুমওল্লকপতা। নোংয়ায় হাও মাপা, খমন নাওতা অশৈপনা। মৈতিঙংঙ লোইনাই খুমোমপা, মযোম তমফা য়াঙমলোন, লময়ায় কোয়বেল থানপীকি তমকপু। নোংয়ায় কাশচা চংলঙৈ, অতোন মচন হে'ল্লঙৈতা। তেংলৈমাকা-আমপতি, থেংথাঙ চারি খয়া. কংলা কৈকাওমপপু উরোএ। নোংয়ায় হাওমাপা খমন মাওতা অশৈপনা পাওখিএ। পাখো তেংলৈমাকা

আমপা-ও ! নঙতি করি ওইনা কংলা থোকা ঙমপনো ? পাথৌ ও নঙপুতি ; ঈয়ুম নোংয়ায় হাওথোঙ সিন্নাইখ্‌রকী ; বায়রা মাশা ওই ; হুয়েন মরান ওইরপা নংতপারা ? খন্নৈ মীনুংকোন, সরা মীখ্‌রোনতকী হনবায়রকপরা ? পাথৌ-ও নঙপুতি, ঈয়ুম নোংয়ায় হাওথোঙ সিন্নাইখ্‌রনা ; য়েনপঙ হুইরোয় চয়রে, লাকথা লানমিং থানরে ; অতোন তনতু শরুরে হায়না পাওহংপপু । তেংলৈমাকা আমপনা পাওথমখিএ । নোংয়ায় হাওমাপা-ও ! ঐতি থোইমোম লাইস্থং নংতে ; খন্নৈ মীনুংকোন সরা মীখ্‌রোনতকী ; করম হনবায়ঙমকপনো । নয়ুম নোংয়ায় হাওথোঙ সিন্নাইখ্‌রতি ; অতন চীন্নানপা, খ্‌রমন নাবংপনা : ঐপু করম লানতু শরুখিপানো ? তলপা মতীক নংতে, কাওরেল মপা নংতে হায়না ; তারো শীতং শোন্না বাওইখিএ ।

নোংয়ায় হাওমাপনা, নোংয়ায় লৈকোয়পুঙ খমন কংলা বাকোঙলক্তা বাকোঙখিএ । য়ামপা নোংয়ায় হাওথোঙ সিন্নাইশ ও নঙতি—অয়ুম নোংয়ায় লৈকোয়পুঙতি ; পোইরৈ মৈতৈ তেংলৈমাকা আমপপু, হুয়েন লানতুং শকপাতাই ? তেংলৈমাকা আমপতি, ময়ুম বাঙমপুঙততি ; থেংথাঙ চারি খন্না, কংলা থোকাঙমপপু উবকএ । অয়ুম পাওতন্নপতা ; নোংয়ায় হাওথোঙ সিন্নাইশুতি, তাঙচা ঈকাই লান্নংএ, হুইয়াই শেনকোয়খিএ । খে ক্লাং মথুংশু তিমেন ঈঙাঙ তৈতপপু ; নোংয়ায় বাকোংলক্তা, চকমোম থামপী মৈতা ঈরু বাওইখিএ । পোইরৈ মৈতৈ তেংলৈমাকা আমপতি ; বাঙম মপুঙয়ায়তা, তিমেন তারাই হৌনা নোংমনলে । লংমাই লীকবারম, থোঙকারাংপী লম্বাহনতা চায়না থোঙকেন হানাপা অতুস্থং মতোমতে ।

থালোয়-নোংখায়লোন—

তায়বঙ মোংশাপানগী, চীংউ নোংদমখ্রোনবু মায়রৈ বাকনফদনা পুন্সি চেঙজেনলোম, চাকচা মহৈ অয়াম্বা স্থংঙাই ময়াং কায়ববু নমদা

ঠাকুর চন্দ্রশেখর চিরোম, শ্যামদাস ঠাকুর কামদেব তখেল লাং-থাবা, ঠাকুর স্বরূপানন্দ, অথাম খেমানন্দ, হিজম তাংখোম্বা অমসুং কোস্থৌজম সিদানন্দগা লোইননা মহারাজ চরাইরোংবনা শ্রীরাধা কৃষ্ণগী লাইশং মাওঙ অমা শকাব্দ ১৬০১ শুবদা কৎলি। দলান অসি কৎপদা হরি তত্ত্ব পুংলোন অসিমু তখেন লাংথাবা পুংয়েইবশা পুথো-ক্লুনা কৎলি। ঈশৈদি রাম কৃষ্ণ গোবিন্দ মরেপুনা আলাপ তৌদুনা শকপা কোস্থৌজম সিদানন্দনা হৌদোকই। দলান অসি ব্রহ্মপুর গুরু অরিবমগী আখাড়াদা লৈরিবা অসিনি হায়রি। চরাইরোংবা সন্দ হাক্তক্তা পুথোকখিবা হরি তত্ত্ব পুংলোন অসি হৌজিক কাওবা বংদেশ পালাগী পুংগী রাগ অচৌবা ওইনা চৎমরি। ব্রাহ্মন পুংলোন শকাব্দ ১৬০২ শুবদা হৌখি। মপাবুংগুম্বা গরিবনিবাজনা শ্রীরাধা কৃষ্ণ লাং-লম্মী। সনা হাক্তক্তা হিন্দু ধর্মগী ঈচেল কনা চেনশিনলকখি। গরিবনিবাজ মহারাজনা তেখাও নিংথৌ স্বর্গদেব চুনেকা রাজেশ্বরী গুরু ওইব গুরু গোপালদাস ব্রাহ্মন ৩৯ গা লোইননা কৌথোকখি। লৈবাক্কী অখং অহৈ ওইবশিং ঠাকুর স্বরূপানন্দ তখেন লাংথাবা, অথাম খেমানন্দ, হিজম তাংখোম্বা, কোস্থৌজম সিদানন্দ অমসুং চিরোম শ্যামদাস অসিনচিংবা লৈবাক্কী পণ্ডিত কয়ামুক্তা লোইননা পালাগী ফিজেৎ লৈতেং ফিরেপ শৈশক্কী মগুং নৈনদুনা পুথোকখি।

শৈশকঃ—রাম কৃষ্ণ গোবিন্দ মরেপ্তা রাগ আলাপ তৌরগা শ্রীগৌরাঙ্গ অবতারনা হৌরগা শ্রীরাধা কৃষ্ণগী অষ্টকাল লীলাদা ছন্দ পান্দুনা শকপা হৌদোকখি।

পুংয়েইবা, ঈশৈহনবা, দুহার পালাশচিংবা কোকয়েৎ য়েৎপা, পুম-মক খাংয়েৎ য়েৎপা অমসুং ঝালদা মরি অতেনবা পানবা পুংদা পুং-য়োম য়োম্বা হৌনবী পুমমক গেমদোক্লুনা শকাব্দ ১৭৫২ শুবদা বাংখৈ মরু কৈশাম লমহিং লম্পাক্তা পুখ্রি তৌবা লোইরবদা পুখ্রিগা লোইননা হায়রিবা পালা অসিগা লোইননা রামজী প্রভুদা কৎখি।

শৈশক অহুমা পালা অনি শকথি অধিবাস হৌহুনা ব্রাহ্মনশিংনা শ্রীমদ ভাগবদ পাঠ তৌহুনা চিরোম শ্যামদাসনা রামায়ন পুংলোন পুথো-থোক্তুনা সেবক পালাদা ঝৈথি। পালা অনি তহুগী মমিংদি সনা পালা অমস্তুং সেবক পালা হায়না থোনখি। শান্তিদাসনা পালা অনি অসিবু বংদেশ পালা হায়না মমিং থোনখি।

বংদেশ পালাগী মরু ওইবা পুংগী রাগ পুংলোন মখল তরুক্নি। (১) হরি তত্ব (২) রামাযন (৩) জগনাথ মঙ্গল (৪) হরিনাম মালা (৫) নত্ত্ব (৬) অহৌবা মখল তরুক অসিনি। থাচংনবা মঙ্গল পুংলোন মখল তরেৎনি। চংনবদি মখল তরুক্তনি। তালগী মরমদা একতাল, দুইতাল, তিনতাল, চারতাল, পঞ্চম, রূপক, চৌতাল, অমস্তুং রুদ্র তালনি। মেল তরানিথোই ঘাট তবানিথোই, মহাধমেল নিত্যাইধুমেল, গৌরধুমেল, অমস্তুং দেবী ধুমেলনি। চরাইলোংবা সনা হাক্তকগী মথং মথং হৌজিক কাওবা চৎথরি।

মনিপুরদা রাস সংকীর্ত্তন

অইবা:—শ্রীসরাংথেম ইবোতোন সিংহ

ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌনা তেথাও নিংথৌ স্বর্গদেব চুরেনফা রাজেশ্বরগী মতেংগা লোয়নন্না ভাগ্যচন্দ্রনা অমুক মনিপুরদা নিংথৌ ওইবে। শ্রীগোবিন্দনা তাকপিথিবা মতুংইন্না শকাব্দ ১৬৯৮ শুবগী হিয়াঙ্গৈ থাগী ২নি পানবা ইরাই কুমিংকী কুংথিল পুং অমা চংলকপা নিংথেবাবগী মহেন্দ্র ক্ষেনগী পুংফমদা শ্রীগোবিন্দবু নিপান তৌই। শ্রীগোবিন্দনা রাস সংকীর্ত্তন

ছন্না ; শজীকুম নীংথাতেনা, থাবাগুম কাওনরোগে হায়না। শমু হকচাংলেলদা ; লাংফম য়ুমথংচা লাংপুম মাপনমানা শমু হকচাং লী-যেংনরবগা। হযো পল্লেম পীশোল্লা, লাইরেল পম্থৌ পাশোল্লা ; হকচাং অচৌক অথম চন্না ; অনা নাহে নোংগীবু। মোংবা য়ুম্লেলহুংদা অমাই মনাওয়োক অনেং থুংতন হৈবনা। লাইরি পান্দম থঙ, মিহুন খোংহৌ লাক, হকচাং তোং যা খোম, খোইমোম লাইবা শোন, হীদাক সিদববু, মচন মচন মতীক থঙ, অনা হীদাক থানা নমু লাই-কন্নববু। খোইযুম মথৌজানবু লমজায়ফদনা ; অনা লাইকোকপা ঙম-দয়বগী, অরাং কোয়ৌ পোংগাখিবদা, তায়বঙ অমন শীংগুমখিরবদা। পোইরৈ হৌনা মরমচৎ তৌগদবা মথৌদি—

মথকী তোঙান তোঙামবা লাইবিক মরিখক্তগী মতেক খজিক খজিক্তং নৌথোক্লগা উংলিবা ওসিদগী খঙবা ঙম্মে। মৈতৈগী ফাথি-বশিংগী শাজংতি—করিগুম্বা পোংশক নংত্রগা হীরম অমা তাকপদা ; মাহুদগী মবী নৈনবা য়াবী য়াংশোঙ, মফম মতম, অমম্ভং মাহুগী মতীক মযাই পুন্নমক থাহুন। নাওযেম্ব ওইনা যেংগা, পোং নংত্রগা হীবম অহুবু মশক তাকই।

অসিগুম্বা মথলগী য়াবেং শৈবেগী শক্তম অসি, অতৈ অতোপ্পা কাংলুপকী য়াবেং শৈয়েংসিংদা ওংনদে। মৈতৈগী অরিবা লাইরিক লাইস্থশিংনা তক তকনা উংলি। পোইরৈগী ফাথিবশিংগী শাজুং অসি, অতৈদগী পুমংগোং তোঙাল্লি। শনাগীস্থ মপান তাংলুদনা, মবম্নাইগী য়াখল্লোন্না সাগংচবা, পোইরৈ হুনংাইগী ওইবা তোঙানবা শক্তম অম্বা লেপচবমই।

"মঙ্গল্ পুংলোন"

শ্রীখোকচোম কুলবিধু সিংহ

শকাব্দ ১৪০ শুবদা (হৈরিকপদা) মনিপুরদা পানখিবা মৈতৈ নিংথৌ ক্যাম্বাদা পোংনিংথৌ চৌকা খিথোম্বনা শ্রীবিষ্ণুচক্রবু সনাগী কাকোক্পা হাপ্লুনা ক্যাম্বদা পিরকখি। ক্যাম্বা নিংথৌনা লাইনি খংদহনা হাক্চবা হোৎলুরে। নিংথৌগী মশা পুম্নমক লাইথুং থুংলে। লাইথুং অদু ফবকৌবা লৈত্রবদা ক্যাম্বনা লৈবাক্কী অথং অহৈ মাইবা মাইবী কয়ামুক্পা য়েংবদা কবা ওমদরে। নোংমদি শ্রীবিষ্ণুনা নিংথৌগী মমঙ্গা লাইথুং কোক্লবা মরম পুম্নমক তাকপিরে। ক্যাম্বা মহারাজনা মিকপ থোক্লবদা শামুশংদা লৈবা ময়াং কীর্ত্তন শকপা বামোন অনিবু কোৎখৎহনা চুংজেং পুখ্রি মপান্দা হৌবা তুলসী মনা হাপ্পু। শগোম্না চাক থোংহনা শ্রীবিষ্ণুদা কৎলে। শ্রীবিষ্ণুবু পজা তেংবা মতুংদা ক্যাম্বা নিংথৌগী লাইথুং অদু নোংম নোংমগী কোকংবে। বামোন চন্দ্রশেখর বামোন কামদেব কীর্ত্তন শকপা ময়াংগা লৈবাক্কী তাংম অথৌগা খল্লহনা লাম্মাংদোং কোন্নুংদা শ্রীবিষ্ণুচক্রগী লাইশং মাগুব শাহনা শ্রীবিষ্ণুদা শকাব্দ ১৪০ শুবদা লাইশং মাগুব কৎপগা লোয়ননা কীর্ত্তন শকপা ময়াংনা হরি হে নারায়ন রাম কৃষ্ণ নারায়ন মযেক্তা শ্রীবিষ্ণুগী নাম গুণবু কীর্ত্তন ওইনা শকই। সনা পুক্রিং পেল্লহনা ক্যাম্ব নিংথৌনা ময়াং ঈশৈ শকপবু "কিতনা" জাৎ ওলহনখি। বামোন কামদেবনা মঙ্গল পুংলোন পুথোক্লনা ঈশৈ অদুদা য়ৈথি। বামোন অদুবু বিষ্ণুলাৎপম জাৎ ওলহনখি। ক্যাম্বা সনা হাক্তকগী মথং মথং গুসি ফাওবা কোন্নুংদা শ্রীবিষ্ণুবু মঙ্গল পুংলোন য়ৈহনা লাৎপা চৎথবকই।

হবিতত্ত্ব পুংলোন শকাব্দ ১৬৩১ শুবদা হৌখি। চরাইলোংবা স্না হাক্তক্তা কীর্ত্তন অসি অমুক থর শেমবৎলি। স্না হাক্তক্তা শ্রীরাধা কৃষ্ণবু লাৎখি।

কৎলু হায়না পুং ঈশৈ জগোইগী মরমদা কৃপা মনাই ভাগ্যচন্দ্রগী স্বপ্নদা তম্বীরে। রাজ ঋষি ভাগ্যচন্দ্রনা ব্রহ্ম সভা পুং ঈশৈ জগোই হৈবা ওঝাশিং কৌখৎতুনা রাস সংকীর্ত্তন লেংথোকখি।

লেংথোকখিবা ওঝাশিংদি:—

১। মনিপুরগী ঈশ্বর শ্রীশ্রীগোবিন্দ

২। ভক্ত রাজ ঋষি ভাগ্যচন্দ্র

৩। ঙাংবম শ্রীওঝা প্রেমানন্দ

৪। খুম্বোং শ্রীওঝা গঙ্গাদাস সিদ্ধান্ত

৫। ঠাকুর শ্রীওঝা ভাগ্যপতি তর্কতীর্থ

৬। থোকচোম শ্রীওঝা সিদানন্দ

৭। য়েন্দ্রেম্বম শ্রীওঝা গঙ্গারাম

৮। অখাম শ্রীওঝা মাধব রাম

৯। ঙাংবম শ্রীওঝা দেবরাম

১০। তাইবঙসাপা (তাবযেনজম) শ্রীওঝা শ্রীদাস

অসিনচিংবা ওঝাশিংগা নৈনদুনা রাস সংকীর্ত্তনগী মরমদ খুত্পা খমদুনা লেংবা লোইরদুনা নোমাশিজ, মচা ইবেম্মশিংদা তম্বীদুনা জগোই ঈশৈ হৈংল্লে

তম্বিখিবশিং :—

১। মহারানী ভানুমতি ২। মহারানী হরিমতি ৩। মহারানী দেবহুতি ৪। মহারানী ভাগ্যবতি ৫। মহারানী চন্দ্রমুখি ৬। মহারানী প্রিয়সখি ৭। রাজকুমারী বীম্বাবতি অসিনচিংবা নৈমশিজ মচা ইবেম্মশিং কন্যা-মুক্তা জগোই ঈশৈ তম্বীদুনা রাস সংকীর্ত্তনগী মরমদা হৈহন্দুনা শকাব্দ ১৭০১ শুবদা কাঞ্চিপুর রাস মণ্ডলদা হুমিৎ মঙানি রাস কৎখি।

অহানবা মুপাপালা য়ৈখিবা অমসুং শকখিবা:—

পুংয়েবা	পুং তুংইনবা,	ঈশৈ হনবা	দুহার	পাংবা
১। ভাগ্যচন্দ্র	প্রেমানন্দ	অনন্তযাই	ভৌদ্রাময়াই	হরিদাস

২।	প্রেমানন্দ	গঙ্গারাম	মধুচন্দ্র	সিদানন্দ	শ্রীদাস
৩।	মাধবরাম	দেবরাম	রাবৈনচন্দ্র	ভাগ্যবতি	গঙ্গারাম
৪।	অনন্তযাই	প্রেমানন্দ	ভৌরামযাই	হরিদাস	মাধবরাম
৫।	রাবৈনচন্দ্র	গঙ্গারাম	মধুচন্দ্র	দেবরাম	শ্রীদাস

মতৌ অমুম ভৌনা শ্রীমহারাজ ভাগ্যচন্দ্রনা রাস সংকীর্ত্তন হৌদোকপীরমন্থনা ওসিগী অনৌবা যুগ অসিদা জাতি অসিগী লনগৈ ওইন্থনা পৃথিবীগী মমাংদা শকথংহনা জাতি অসিগী মশক তাক্তুনা ইকাইখুম্নবা উত্তুনা ওসিগী লেমজনফম ওইরি।

রাজঋষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা হৌদোকপিরম্বা রাস সংকীর্তনা জাতি অসিগী লনগৈ ওইহনা পৃথিবীগী মমাংদা জাতি অসিনা লেমজনিংঙাই ওইরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মন। হাক্তক্তা পুথোকখিবা চাওরাকপা পুংগী পুংলোনশিং শকব্দ ১৭০১ শুবদা মুলরাগ, বোকারাগ, বসন্তরাগ, বাঁকরাগ অমসুং পমবাগ পুংগী রাগ পুংলোন মথল মঙা অসি পুথোকখি। শকাঃ ১৭০২ ওবদা লীলা রাগ, তোয়াং রাগ পুংলোন অসি পুথোকখি। শকাঃ ১৭০৩ ওবদা অনুম্বা বাগ অমসুং মঙ্গল রাগ পুথোকখি। শকাঃ ১৭০৪ শুবদা ভেখাও রাগ, ঝমাড়ী বাগ অমসুং অলকার রাগ পুথোকখি। শকা ১৭০৮ শুবদা তুরিবসন্ত রাগ পুথোকখি। শকাঃ ১৭১৪ শুবদা নদীয়া রাগ পুথোকখি। শকাঃ ১৭১৭ শুবদা পদ্মপুরান রাগ চৈতন্য মঙ্গল রাগ মালিনী রাগ অমসুং চৈতন্য নিত্যাই রাগ পুথোকখি। মা হাক্তক্তা রাস সংকীর্ত্তন নট পালা অনৌবগী পুংলোন পুথোকখিবী মথল কয়ামুক্কি। মথলশিং অসিগী মমুংদা ভঙ্গী পরেং অচৌবা, মুলরাগ অচৌবা অমসুং তিন্তাল অচৌবা পুংলোন অসিবু লাইনা থাবা পুংলোন হায়না খংনৈ। পুংলোনশিং অসিগী মমুংদা তানচপ পরেং, মেনকুপ পরেং উনারমেন কয়ামুক পুথোকখি। মা হাক্তক্তা মহাধুমেল কৌবা পুংয়েবা ১৪ লেপ্পা পালা ৪৪ লেপ্পা মথল অমা পুথোকনি হায়না

লেপবা গোইস্বরদা পুখোকপা ওমদনা পুখোক্লমদনা মহারাজ ভাগ্যচন্দ্র শকা: ১৬১৯ শুবা বাকচিং থাসী ২০ (কুন) নি পানবা নিংথৌকাবদা গঙ্গাদা লেংশিনখি। মসা হাক্তকসী মথং মথং মচাইবুংথোশিংনা শ্রী শ্রীগোবিন্দগী সেবা কংজখি। মপাবুংগুম্না শ্রীরাধাগোবিন্দগী অষ্টকাল সেবা কায়দনা চত্নুনা অনৌ অনৌবা পুংলোন পুখোকখি।

শকা: ১৭২২ শুবদা নট রাগ অমসুং অদ্বৈতচন্দ্র রাগ (মেল) পুখোকখি। শকা: ১৭২৮ শুবদা হরিনাম্মা মৃত্তরাগ অমসুং গোবিন্দ মঙ্গল রাগ পুখোকখি। শকা: ১৭২৮ শুবদা ছুতুলা রাগ, গনেশ মঙ্গল রাগ, ধ্রুব রাগ মোচোন রাগ মত্থা রাগ, বনমালি (গৌর-বনমালি) বাগ অমসুং যাত্রা রাগ পুখোকখি। শকা: ১৭৩৯ শুবদা বসন্তমিল রাগ, জয়ন্ত রাগ অমসুং গৌরলীলামৃত্ত রাগ পুখোকখি। শকা: ১৭৪৯ শুবদা রামায়ন রাগ পুখোকখি। শকা: ১৭৫৪ শুবদা গোপ বাগ (নাম বাগ) অমসুং অদ্বৈত রাগ মচা পুখোকখি। শকা: ১৭৫? শুবদা বৃন্দাবন বাগ পুখোকখি। শকা: ১৭৫৭ শুবদা শ্যাম বাগ পুখোকখি। শকা: ১৭৬১ শুবদা বিষ্ণুমঙ্গল রাগ গৌরগোচোন রাগ পুখোকখি। শকা: ১৭৭২ শুবদা তাফমী রাগ, রাধাকৃষ্ণ রাগ অমসুং তুরি রাগ পুখোকখি। শকা: ১৭৮৯ শুবদা চৈতন্য রাগ, জীব রাগ অমসুং মক্তেক বাগ পুখোকখি। শকা: ১৭৮৯ শুবদা চালি রাগ, বর রাগ, ব্রহ্ম রাগ, কমল বাগ, ধ্রুপ রাগ, সুবিদ্র রাগ, বৈষ্ণব রাগ, ব্রজ রাগ, ব্রন্দচমপু বাগ, হাস্তংতি বাগ, কুমুদ রাগ অমসুং নলিনী রাগ পুখোকখি।

লৈবাক অসিগী চৎনরিবা নটপালাগী লৈরিবা পুং-ঈশৈ জগোইগী হৌনবী পথাপ অসি তরু তহেম্না অমুক মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী মসা হাক্তকা পুংগী রাগ ৬৪ পরেং লেংশিনবদা অরাৎপশিংহু রাম রন, নলিনী অমসুং ছুতুলা রাগ মশক লাইবদগী লৌথোক্নুনা পুংগী রাগ ৬৪ লেংহুনা মেলজয় ৬৪ পরেং লেংহুনা তানচপ ৬৪ মেনকুপ

৬৪ রস ৬৪ পয়েং লেংছুনা চহি ৩/৪ তাম্নতুনা শ্রীশ্রীগোবিন্দগী রস-রাজ মুর্ত্তিগা চপ মান্নবা রস ৬৪বু শ্রীচন্দ্রকীর্ত্তি মহাবাচনা কৎখি। মসা হাক্কক্নগী হৌদ্বুনা পং-ঈশৈ ভগোইগী চৎনবী অমগী মখাদা চৎনবা হৌরকখি। ব্রাহ্মন-বৈষ্ণব, অহল লমন পম্নক্না শ্রীযুৎ ইবুংঙোগী হৌজিক্না ননাই ঐখোয়না শ্রীশ্রীরাধাগোবিন্দগী থুপ্পবা রস ৬৪ গী নাম তাজবা ফংজবা কয়াতবু লাইবক ফগ্রবনো ? ইবুংঙো ব্রাহ্মন বৈষ্ণব কথামুক্না রারী শান্নতুনা মুংঙাইনবিউঙদা শ্রীগুরুনাম ওঝা যদুনাথনা শ্রীযুৎ মহারাজ থুরুস্মী। শ্রীওঝাদা মহারাজনা হংখি— ওঝাবু লৈবাকচাবা পালাগীদি রাজমেল ১২ লৈ হায় । তাবে। নটপালাগীদি রাজমেল ১২ লৈবরা হায়না হংবদা শ্রীগুওঝানা লৈ হাননা লৈদি লৈতনা হঙ্গচ্চে। মহারাজনা অদু ওইরবদি ওঝাবু ওসিদি যুংদা কুপ্পীরো হযেং ওঝানা রাজমেল ১২ বু পখৎপিবকউ হা না সং। যাং তারপিবে। শ্রীগু ওঝানা মহারাজবু থুকম্নগা শ্রীগুওঝা য়ুমদা কুখি।

ওঝানা য়ুমদা হেক য়ৌবগা ওঝাগী মচা শামু অমসুং ওঝাগী সেবক নোইনাইগা অনিমকপু কৌশিন্দুনা হায়বকই—ঠেল ৬৪ দগী রাজমেল ১২ লৌথোক্লনা রাজমেল ১২ লেংথোক্কবা যাদবে। শ্রীযুৎ মহারাজনা হয়েং কোন্নুং কারকপদা রাজমেল ১২ পরক্কবা য়াদবে হায়না সনা য়াথং তাকপীবে হাযদুনা অহিং অদুদা শ্রীগুওঝা যদুনাথ, শামু অমসুং নোনাই অনিনা ওঝাগী থোগল তৌদুনা রাজমেল ১২ বু লেংথোক্লনা নোংছাল্লগা শ্রীগুওঝা যদুনাথনা শ্রীগুচন্দ্রকীর্ত্তি মহা-রাজদা রাজমেল ১২ কৎখি। সনা হাক্কক্না নটসংকীর্ত্তনগী চৎনবী পথাপবু শেমদোক্লনা তক তহেন্না থম্মীবম্মী। সনা হাক্কক্নগী ওসি ফাওবা কাযদনা চৎনরকই। চৎনবক্লিবা পথাপ অসিবু তরু তহেন্না থম্নবা চোৎনবনা জাতি অসিগী ভুংগী নরাবোলগীদমক্তা যাইফবা ওইগনি।

গৌরলীলাগী হৌড়িকী ওইরকপা মীতম

অইকঃ—শ্রীএল্যাংবম নীলকান্ত সিংহ

M.A. LL.B. "সাহিত্যরত্নজ্যোতি"

মনিপুরগী বৈষ্ণব সমাজগী লাইনীংগী অপোইবা লমদীদি সংকীর্ত্তননি। 'বিদ্যাবধূ জীবনম্' হায়রম্না বেদ শাস্ত্র ফাওবনি পুরাণনি পুম্ব খুদিংমক্তা মপুঃ কারবা অমৃত থকচরিবনি। অসিনা গৌরলীলাগী সংকীর্ত্তনগী থানবা মাত্রবা শরুক অমা ওইনা হৌরকই। হৌড়িকপুম্বগী অমুমা চংথরি। গৌরাঙ্গ অবতারগী মপুং ওইবা পম্বুংফমদা কোকুনী অমৃত য়েনবনি। শ্রীকৃষ্ণগী অনিংবা অকম পাঙথোকপা শ্রীকৃষ্ণ অমসুং রাধানা অনতা ওইরকপদা থোরকই শ্রীশ্রীকৃষ্ণচৈতন্য। ব্রজগী লীলাবু মপুং ফাহনবা নবদ্বীপ লীলাদা শমথরকপনি। রাধা ভাবনা লুপথরবা গৌরাঙ্গনা মীৎকুপ অমতং শ্রীকৃষ্ণগা কায়নবা ওমদবসি গম্ভীরা লীলাদা চহী ১৮ মুক গৌরচন্দ্রগী মপুং ওইবা পুন্সীগী অরোইবা লীলা ওইথি।

মনিপুরদা গৌরলীলা হৌরকখসি চপচাবা প্রমান কংবা ওমসুংকুন্দ চাউরাকপা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মতমদগীনি হায়না লৌনবম্ব কায়রে। মতাং অসিদা লাইরিক হৈরবা খুরায়লাকপা সানখু কোলি, অহানবা ভাবগী শাথিবা সিদ্ধ পুরুষ ওাংবা মালা থওইনা মীং পনবা মাই অদ্বৈত ওঝা বয়া অমসু লৈরি। ইহান হানবগী ওইরম্বা গাবা মলংবা নিমাইসন্ন্যাসকী মওংনি। নিপাগী সংকীর্ত্তনদা হৌরগা (বর অমুদা হায়—রূপামচাশিংগী সংকীর্ত্তননি। মতাং চানা স্ত্রনা শ্রীকৃষ্ণনা রাধাগী লমন্ন শিংনবা হায়বদুনা গৌর অবতার তৌরে হায়বগা লোয়ননা তিন প্রভু হায়বদি গৌরাঙ্গ নিত্যানন্দ অমসুং গদাধর অকম্বা সংকীর্ত্তন

ময়ায়দা চঙলকই। পালানা ঙাইহাক শক্লগা কমথথি। অতুদগীদি সংকীর্ত্তন হোরে গৌরলীলা। অমুমা থাজনৈ অহানবদদি ভারতী (কেশবভারতী) অমসুং মধু শাবগা লোয়ননা শচী মাতা অমসুং বিষ্ণুপ্রিয়াগনা মপুং ওইবনি। মথংদা চঙলকই অভিরাম। নিত্যাইনন্দনা ব্রজদা চত্‌না থিরুই শ্রীদামবু নবদ্বীপ লীলাগীদমক। শ্রীদামনা খোররুগা নবদ্বীপতা উনরে। শ্রীগৌরচন্দ্রগা অমসুং মিংগৌরকই অভিরাম। খব অথেঙবদা হাঁপচিল্লকই—জোগাই মধায় অমসুং তাবা শাবী। মধু মাঙা সনখা কোলিনা হাপচিল্লবনি হায়। হায়নবা যাওই—জোগাই মধা-সু ব্রাহ্মণ মচানিনা আজমীর য়েৎলম্মী হৌজিক্তি কুন্তী তৌবা মীওইগী শক্তম লৌবগা হোরে। হোন্‌কপগী গৌরলীলাদি থাঙ্গেশংবা নিমাই সন্ন্যাসনি। নিমাই মমা তাক্লমদনা মাঙথবদা শচী বিলাপ তৌই।

লোইশিল্লকপদা অদ্বৈতগী যুমদ কৌশিন্দুনা মতম খবা লৈহল্লগা মমা মচা বিদায় লৌবা ফাওবদা অদ্বৈত ভোজন হাযবগী মতেক্তা লোইশিনবনি।

চড়াচান্দ মহারাজগী মতমদদি—চোইদোক্লসু লৈখিদবা ওজা ঙাঙোম যুগীন্দ্র অমসুং থৌনাওজম কুঞ্জকিশোর (জগোই শাব) অমসুং ওজা গুলাপী ফাওবনা তেংবাংহুনা মতাং কয়া বযা অসুম হাপচিল্লকপনা হৌজিক্তি গৌরলীলা মুমিৎ হুম্নি নীংথিজনা শান্নসে তবেৎনি ফাওবা শান্নবগী পাও ফংই চৈতন্য চরিতামৃতগী মতৌ লৌগা বাল্যলীলা হাপচীল্লে। ব্রাহ্মণ সুরুতিগী মতাং থেংচল্লে গৌরাঙ্গসি স্বয়ং কৃষ্ণনি হায়বগী শেংলবা প্রমাণ তৌনে চৈতন্যচরিতামৃতনচিংবা লাইথিক্তুদি থেঙলবা অহিংদা ইবুংঙোনা ঘাটতা (নদিয়া ঘাট কৌনখি) কুমথুহুনা লোম্না লেংথি হাংবনি—ঈবোয়হুনা লাল্লমগনি গঙ্গাবু অতুবু হৌজিক্তি 'হি, লাম্নবা' হা বা মতেক ওজাশিংনা অঙকপা কল্পনাগা লোয়ননা হাপচিল্লে। গৌরলীলাগী ভাবোক পুয়মক হি লানবগী মতান্দা ঙাওনরে।

জোইশিনবসু পুমলোই লোইবা সমুদ্র পতনদা লোইরে। অসিনা মুমিৎ হুম্নিগী গৌরলীলাগী মথং মনাউসি অসুম্না চাউরাক্না লৌবা য়াবে।

অহানবা মুমিৎ:

(ক) সংকীর্ত্তন (খ) ব্রহ্মামোহন (গ) প্রভুনা পোকপা (ঘ) সুকৃতি উদ্ধার (ঙ) শ্রীকৃষ্ণগী বাল্য লীলাগী মতৌদা উদুখল (চ) বল বিক্রম মচীন মনাউগী মতেক (মতম মংলগনা)।

নিনি চনবা মুমিৎ:--

(ক) নিত্যাইনন্দগী বাললীলা (শ্রীরামগী অবতার ওইনা লীলাং তন্দোং পায়দুনা চংথবা (খ) ভক্ত হরিদাসপু ওৎনৈবা অমসুং কুরগা গঙ্গাদা থাদব। (গ) দিগবিজয় পণ্ডিত মায়থোবা পীবগী মতেক (ঘ) জোগাই মাধায় উদ্ধার তৌবা (ঙ) কাজী-দমন।

হুমুম্ন চনবা মুমিত্তা:—

(ক) হি লানবা (খ) ভারতী গোবাই থেংনদুনা দীক্ষা লৌবা অমসুং মধু অমসু মধুমতাগী মতেংনা সন্ন্যাসকী মুত্তি ওইরকপা (গ) শচী বিলাপ (ঘ) অদ্বৈত ভোজন (ঙ) সর্ব্বভৌম সঙ্গ অমসুং (চ) অবোইবদা সমুদ্র পতন (সমুদ্রদা চোংথবা)।

মথকী অসিদগী খণ্ডবীগনি—হৌজিক মতমগী গৌরলীলাদি মহাভাবতা বারী মতেক কয়া কয়া হাপচিন্দুনা মহাবাবা ওইরনপদৌনা থায গী ইচম চয়া সুংশিনা শাম্নজরম্বা গৌরলীলা (নিমাই সন্ন্যাস) না বাল্যলীলাদগী হৌরদুনা অনতলীলাগী লোইরমদাই ফাওবা শান্নরে। তোংমগী কুম্মে মতেক অদুনা শাংলবা মুমিৎ ভুমনিগী কুম্মে ওল্লে অগীং নোংয়াই য়ৌনা শান্নবে। হাপচীনবগী লোইবা নাইদ্রে হায়বা তাই। গৌরলীলাদা নত্রে কৃষ্ণ লীলা য়াওবে। রামলীলা য়াওরে। পুং ঈশৈ অমসুং শাস্ত্র খণ্ডবা ওজাশিংগী তসুম অসুম হেঙ্গৎলকইবা অতকপা কল্পনাগী মশক অমা হৌজিকী গৌরলীলাদা থেংনরে। মহাভারত,

বা[illegible] ম[illegible] [illegible] [illegible] ম[illegible] কয়া [illegible] [illegible] লা[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লীলাগী মশক ওইরে। থম্নগদবা বাকমদি হাপচিনলিবা কয়া অ[illegible] গৌরলীলাগী মশক ওলহনলবয়া ? হাপচি[illegible] ম[illegible] অসিনা গৌর[illegible] মপুং [illegible] [illegible] ম[illegible] ম[illegible] ? বাহং অ[illegible] [illegible] [illegible]।

ঐহাক্কী ম[illegible] গৌর[illegible]লাদ্ মপুং [illegible] [illegible]। [illegible]বদবু গৌরলীলাগী মশক্তি পুমহোং হোংলে। [illegible] [illegible] তেন-শি[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] গৌর[illegible] অহ [illegible] রা[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৌরে। [illegible] চেক[illegible] তা[illegible] [illegible] মপুং [illegible] [illegible] ভক্ত[illegible] [illegible] লে [illegible] ম[illegible] তাহোনবা হোংনবনি. [illegible] বিল্লাপকী বাং[illegible] প্রে[illegible] কগত[illegible] [illegible] য়াওবা নত্তে। পণ্ডিত নিমাইনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য ওলকপদা ভাবোকী থ[illegible] [illegible] [illegible] অমা কাওহনলিক্লনি। হৌজিকীমা লৈ-নাচোমগী লৈ[illegible] গুম্না [illegible], [illegible]-মতেক ময়াম্ন লে[illegible] লৈ নাচোম অম[illegible] [illegible], শে[illegible]নি। [illegible] [illegible] কলাকার ওজালিং কয়াগী প্রতিভাগী থু[illegible]নি। ম[illegible] পু[illegible]কপদা ঐখোয়দা মতাং মতাং ওইনা শা[illegible] সত্তাপর্ব কর্ণা[illegible]-নাড়িবা কয়া থা[illegible]না [illegible] [illegible] আদি মধ্য অম[illegible] অনন্ত লীলাগী মতাং কয়া কয়াসি, বাল্যলীলা (স্বকৃতি [illegible]না মপুং ওইনা) জোগাই-মাধাই উদ্ধার হি [illegible] [illegible] ম[illegible] ম[illegible] মপুং অমম ওইনা পু-থো[illegible]গা পী[illegible] [illegible] অমত[illegible] শমজি[illegible]কপনি। হৌজিক্তি গৌর-লীলা নিমাইসন্ন্যাস কৌয়ে। গৌরলীলা মোইবাং পর্বগী, ম[illegible] [illegible] রাম্নায়ণগী মশক লৌরে।

ওলকইবা মশক অসিদ্ ম[illegible] শায়া লৌ[illegible]কইবসিনা [illegible] লাই[illegible] ওজা কয়াগী প্রতিভানা ওল[illegible]নি। ঐখোয়দা [illegible]

তেনশিন্নসি হায়রকবগী শক্তিদা ওইদ্রে। ঐখোয়না হায়জবা ওহা হায়রববু রসিক অমগী মীৎয়েংদা মতাং অসিমদি শাংদোকমনখ্রে, ছুজিন ছুজিন থোকপা কয়া য়াওরে খল্লিক্তুং শমজিনবা কৈ মতাং অসিমদি রসতা খজিক্তুং কায়রে হায়রবনচিংবা থরমথৈদি য়াই। হৌজিক্কী লীলা য়েংবদা সমালোচকশিংনা হায়নবগুম অচুগা গৌরলীলা হায়রূনা করি ফাওবদা মতাং মতাং অচু মখেক শেংনা কৌরগা শান্নবনা চুমলে। মোইরাং পর্ব শান্নবা হায়রগা ঐখোয়না লৈ-লাংবগী মতেক শামু খোঙয়েংপা, লোইকুম লোইকানচিংবা হায়নবগুম্না বাত্রাগী অশেংবা মশক লৌরিবা গৌরলীলাসু বাল্যলীলা, জোগাই-মধাই উদ্ধার হি লানবা নিমাইসন্ন্যাস অসুম্না মতেক মতেক কৌনবনা চুমলে। চুমগী গৌরলীলা হায়রবদি থায়নগী নিমাইসন্ন্যাস অচুদি ওইরবনিনা ভাবোক্কী পেন্ননিং-ঙাই ওইদ্রে। অসিনা কৌজবিবা কাংবুনা অপাম্বা মতুংইন্না ঙসিদি মতাং অচু শান্নবীযু হাযরগা নীংথিজনা পুং ৩দগী হেন্দনা শান্নবনা মতমগা চুনবা হায়রবচু ওইবগনি।

মতমগী ড্রামাদদি মহাভারত শান্নগনি হায়দে শান্নবসু ওইথোক্কে। হন্দক্তা ইউরোপ্তা মমিং চৎলবা পিটরব্রুকনা জাতি পুম্নমকী মীওই থনগৎতুনা মুমিং ৩নিগী মহাভারত পুথোকখি ইংরাজী লোন্দা ভাবতকী কলাকার য়াওই। অচুম্ ড্রামাদদি সভাপর্ব শান্নবা কর্ণার্জুন লীলা শান্নবা অসুম্না চংথনরি। অসুম্না রামায়নগীসু সীতা বনবাসনচিংবা মতাং মতাংগী লীলা চংথরি। থা মথায় মা চঙনা শান্নবা অঙকপগী মশক ওইরবা উত্তর প্রদেশকী নিংথৌ পানবা লম রামনগরগী রাম লীলা হায়রবচু ফাওবা হৌজিক্তি ষ্টেজদা মতেক মতেক উৎপগী মওংদা চংথরে। গৌরলীলাগী অসুম্না মতেক মতেক ওইনা শান্নগদবচ মিংথোন্দুনা চংথবনা মতমগা চুনরবা মশক্তি হায়না লৌবা তাই। অঙম্মা কনা-গুম্বনা মাওব অমত্তদা ঐগীদি মুমিং ৭নিগী গৌরলীলা কৎচগে হায়-রবদি কায়দে। অচুবু থায়না চৎনবা য়াবা মতাংদি ওইথোক্কে।

অসিনা ময়েক শেংনা মত্তাং ঃতাংগী মমিং লৌহুনা শায়বন। চুমলে হায়বগী মত পীজরি।

পঞ্জনিংবা মতাং অমনা গৌরলীলা শায়রিবা ষ্টাইল (টেকনিক) অসি ওজাশিংনা কুপ্পা য়েংশিনবীবা অমা চঙই। নোংচুপকী ড্রামাদগী চঙলকপা অয়াম্বনা ষ্টেজদা উৎনরিবা রিয়েলিষ্টিক ষ্টাইলদা চঙশিনবা মশক অহু নত্তে। তশেংনা ফুদফুবা য়েংবদা ভাবোক্লা মুংঙাইখিদ্রেদা হায়বা মওং অসুম্না উৎকদবা নত্তে। পুম্নমক ষ্টাইল অমদা হুকচাংগী শাথেক্লা খঙহনবনি।

হৃদক্তা য়েংজখিবা গৌরলীলা অমদা জোগাই-মধায় উদ্ধারগী মতাংদা দ্বারীনা সংকীর্ত্তনগী ভক্তশিংবু শেন্নবা, মধায়গা নিত্যাইনন্দগী অনিগী থেংনরকপগী খোঙচৎ শাথেক ও গোইগী তাম্বাদা লৌব-গা ওন্থোক্লা ফজে। ভাবোকী পুক্রিং ফানবনি হায়হুনা হৌজিক্কালগী ড্রামাগী একটিং মতৌদা চাননা থোকপা মালহন্না উৎলবদি লীলাগী মওন হন্থহনব ওইগনি। মোইরাং পর্ব্বগী শাথেক খুৎথেক্লা ঐথোযগা থেংনরিবা ফজবা চপচা-গা গৌরলীলা শান্নবসু থেংনরিবনি। বাল্যলীলাদগী হৌরহুনা গৌরচন্দ্রনা শ্রীকৃষ্ণগী শওম লৌবকপনিনা অমসুং অঙাংশিংগী পালাগা লোয়নরকপনা বিষ্ণুপ্রিয়াগা কায়নবগী মতাং অমসুং জোগায মধায়বু লানবীবা ফাওবগী মতাংদা চহী ৮ গী অঙাংনা অহুম গৌরাঙ্গ ওই, নিত্যাইনন্দ ওই, গদাধর ওই,। তশেংবা পুক্সিগী চহী মতাংগা হায়রবদি ওন্নরবনি। অহুবু থোং-নেববা বাৎসল্যরসকী মতাং পুশিল্লকপদা মপুং ফাহনবনিনা অহুম বৈষ্ণব সমাজনা য়াবি। রাসলীলা শান্নবদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী চহী ৮নি হায়বগুম্না শচী মাতাগা কায়নবদসু শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা চহী ৮ গী কায়নবা উৎপদা অকায়বা করিসু ভাবোক্তা পোক্তে। অসিননি গৌরলীলাগী মপুথোক্কী ফজবা মশক অমা।

হৌজিকী মনিপুরী সমাজদা মহৌশাগুম্না রাসলীলা, উদুখল,

গোর্চলীলা শান্নবক্তে মনিপুরগী মচি মচিদা ধর্ম্মগী অকনবা ঈহৌমু লাক্তবা অমসুং ওঃকইবা সমাজগী লৈত-লায়রগী মশক্তা অমসুং হিং-বগী বন্নবা লানফমনা থোকহন্নকগনি। অমত্তু যাত্রাগী শকফম লৌ-রিবা গৌরলীলাদি ভক্তনা ওনৌ অনৌবা হাপচিন্নকপনা কলাকার কয়াগী পুন্সী কৎথোক্তনা মপুং ফানা হিংলি হায়রবা তাই। তৌবতবু মুমিৎ ৩নি ফাওবা শান্নরকপগী মশক ওইরকপনা তোয়না পুথোকপদি ওমদ্রে। অত্তুবু মতেক মতেক ওইনা অপাম অপাম্বা মতাংহু থম্লগা মনিপুরগী মফম মফমদা শান্নহনবদা কারদে হায়না নীংঙ্গে। চন্দ্রকীর্ত্তি মহা-রাজগী মতমদগী লৈরক্লবা অমসুং লাইগুম্লবা ওজা কয়ানা পুখৎপী-রক্লবা গৌবলীলাবু এখোযনা ঙাকপা তাই কনবা তাই, শেম্নবা তাই। তৌবংবু ভাবোকশিংমু কলাকারশিংমু ভাব তানবা তাই। থায়নগী বস চপচনিংবা কৎচরিবশিংগীমু ওইনবা পুং ৪ মুক্কী নিমাই-সন্ন্যাসকী মতেকমু মচু তানা শেপ্পীবা চঙই। মহুনা অথম্নবা ভক্ত-শিংগী ওইনা লৈনবা। অত্তুগা মতমগী মুংশিংনা পুরকইবা গৌরলীলাগী মতেকশিংমু পুনশিন্নবা য়াবমখৈ পুনশিন্নরগা নোংমতংগী ওইরবমু কৎ-চনবগী খুদোং চাবা ফংহনবা চুমলে। মুমিৎ ৩নি নত্রগা ৭নি চঙনা কৎপ্রবদি হায়বদা ওজাশিংনা তাকশিন্নবদি কৎপীনবা মীওই থিবদা লুগনি। নোংমতং বংচবা য়াবা মওংদা চৎথনববদি গৌড়ীয়া বৈষ্ণব ধর্ম্ম চং-চরিবা লমদমসিদা কৎপীনবা মীওই থিবদা য়ারোই।

খ্বায়দগী চাউনা লাকইবা অওনবা অমনা লম লমদা গৌরলীলা লিংখৎচবগী মশক মাঙশিন্নকপা অসিনি। থা ৪/৫ চঙনা লৈকায়গী অঙাংশিংনা পালা য়াওনবা সংকীর্ত্তন পুথোক্লবা হোৎনরকপা প্রভু শাবা মমা মপাশিংনা পৈশানচিংবা পুথোক্তনা গৌরলীলা অমা লিখত্তনা মকম অত্তুগী অঙাংশিংগী কলচরগী চপচাবা ট্রেনিং অমা তৌবহু হৌ-জিক্তি ওইথোক্তবগুম্না থোক্লে। অসিনা য়াম্না তাঙনা কৎনরে। হৌজিক্তি গৌরলীলাগী পার্টি লিংখত্তনা নত্রগা সংকীর্ত্তনগী ওজা

গুরুশিং নেরুবদোনা চৎথরকপগী মওং লাক্লে। গৌরলীলাগী মতাং কয়া কয়া কৌ কৌহনা উৎহনবগী মওংদা লাক্লে। মাওবতা শ.দৈ হায়বহু মঙাইরে। থর লৈরগদি ষ্টেজদা শান্নবস্থ য়ানরক্লগনি। লাই শাবগী মপা মমাশিংনা ভক্তিগা লোয়ননা অমস্তুং লৈকায়গী অহল লমনশিংনা মচা মগুবু পুথোকচবগী মুংঙাইজবগী কৎচবা মশক অচু য়াঙ্গ্রবনি। অসিনা ঐথোয়গী থায়নগী কলচরগী মশক্তদি হেংবা অমদি পুরক্লে।

ঐথোয়না মতম অসিদা তৌবা য়াবসি থায়নগী অমস্তুং হৌজিক্কী অরিমক শেমগৎপনি। থায়নগী গৌরলীলা কৎপা অহুস্থ য়'ববদি মাঙখিদনবা বৈষ্ণব সমাজগী মস্তুংদগী ভক্তি লৈবশিংনা অমস্তুং অগুপশিংনা মনিপুরগী মচি মচিদা নোংমতা ওইরবস্থ কৎপগী মশক তসি মুৎহনবীদবা। হৌজিক্কী লাকইবা লীলা তৌবগী পার্টি ওইনা থোরকপগী মশক অসিবুস্থ সমাজনা অমস্তুং সরকারনা মতেং পীত্নুনা থোগৎশীরগা লোয়ননা হিংহনবীবা। অসিমক হিংবা দরকারনি। অনিমক্কী কজবা অমস্তুং কান্নবা লৈ। অমা মাঙখিবদা গৌরলীলগী অমাঙবা ওইগনি মতাং অসিদা প্রজানা য়াবীবগী মথক্কা মনিপুর সরকার অমস্তুং মনিপুর ষ্টেট কলা একাডেমীগী চাউরবা থৈদাং লৈরি

শ্রীগোবিন্দ অমসুং শ্রীমতী রাধিকাগী নিরূপণ

—রাজকুমার শ্রীস্নাহল সিংহ বি-কম

১৯৬৭ ইংদা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ আসামগী মতম অহুগী নিংথৌ স্বর্গদেব রাজেশ্বর সিংহনা মতেং পাংলহুনা তেখাউদগী মনিপুরদা লেংথোরকখি অমসুং অমুক হন্না মনিপুরগী নিংথৌ ওইখি। শ্রীযুৎ ভাগ্যচন্দ্রগী মংদা শ্রীগোবিন্দ নিরূপণ তৌ হায়না তাকপিবা মতুংইন্না কাইনাদা পোইন্নুগী ছমনি পানবা ইরাই নুমিৎতা শ্রীযুৎনা থৈবোং ফংলে, থৈবোং অহু য়াল্লগা বিষ্ণুপুর কোন্নুং তান্না পুরগা মকক মকক কক্তুনা থমখি। বিষ্ণুপুর কোন্নুংদগী কাঞ্চিপুর লংথবালদা কোন্নুং হোংলকলবদা শ্রীগোবিন্দগী মূর্ত্তিবু শাহুনা হৈস্নাম খোংঙমনা চৈথাবা কুম শকাব্দ ১৬৯৮ (১৭৭৬ ইং) হিয়াঙ্গৈ থাগী তরানিথোইনি পানবা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক য়ুথক মতুং পুং অমা চংলকপা নিংথৌকাবগী ক্ষন মহেন্দ্রগী ক্ষনদ, শ্রীগোবিন্দ নিরূপণ তৌখি।

মতাং আসি চৈথারোল কুম্বাবদা অহুম্না ইরি- "হৈস্নাম খোংঙমগী কুমদি শক ১৬৯৮ দা শক্তিবু থা ইরাইনা হনএ। + + + + + + হিয়াঙ্গৈ থা শংগোলশেন্না হনএ। ১২ নি ইরাই নুমিৎকী অয়ুক য়ুথক মতুং পুং অমা চংলকপা নিংথৌকাবগী ক্ষন মহেন্দ্রগী ক্ষনদা শ্রীগোবিন্দ নিরূপন তৌএ।

বিজয় পঞ্চালীদা মতাং অসি অহুম্না ইরি—

পাত্রমিত্র প্রজাগণ সবন্ত মিলিল।
ব্রত করি ভাগ্যচন্দ্র সংকল্প রহিল॥
আগ্রহায়ন মাসের শুক্লা যে দ্বাদশী।
রেবতী নক্ষত্রে ধনু লগ্নে মীন রাশি॥

শুক্রবারে প্রাত্রঃকালে এক যাম গতে।
সেই কালে শ্রীগোবিন্দ অবিষেক কৃতে॥

লৈবাক্কী অঙম্বশিং লোইনা তিয়ে। ভাগ্যচন্দ্র ব্রত কৎতুনা সংকল্প তৌতুনা লৈখরে। হিয়াঙ্গে থাগী ১২নি পানবা শুক্লা দ্বাদশী রেবতী নক্ষত্র, ধনু লগ্ন মীন রাশিদা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা শ্রীগোবিন্দগী অভিষেক তৌখি।

শ্রীগোবিন্দ নিরূপণগী মতাংদা নিংথৌরোল কুম্বাদা মথাগী অসুম্না ইরি।

"ময়ু নোংদা লাইগী কুমশিং ১৭৬৯ থুংলবা শকাব্দ ১৬৯৮ গী চৈথাবা হৈস্নাম খোংঙমগী কুমশাদা লোইদাম মেরা থানা বাইথুংলবদা কাঞ্চিপুর লৈময়োম্বা লৈরিবা চীংঙ, গোবিন্দ শকপাম্বোংবু শানশেমগে নিংথম্লবগা পামেল থৈবোং মুংওনবদি কোরৌ নোংশা মৈনা পামেল মম্লুং থিৎনা কংলবগী বারম নিংথিববু মৈতেংঙ, লোইনাই চিংথংখোম্বা সনা থুয়া থাদা মদাইরেম নিংথৌ লয়কোই শেনবশিংনা পাউহোমজখিএ - মৈতেংঙ, কোরৌ ইনোংথৌ! তাইনং সরারেন ও। লমলেন লাংথবাল সনা য়োইকোম্নুংদা থম্লম্বা থৈবোং মুংচানবদি কোরৌ নোংশা মৈনা পামেল উম্লুং থিৎনা মকংলে। ইনিংথে, উনবী পুংথু। গোবিন্দ মূর্তি শানশেম্ববু য়ারগনি অসুম পাউকৎলবদা ভক্ত মদাইরেম চংথোকবা মৈতেংঙ, লোইনাই চিংথংখোম্বদি উনবী পুক্নিং হেকঙই মপাউ চাউনা নিংথম্লবগা মদাইরেম উকং থুৎহৈবা ছিয়াপম-চা লোখোনবু অচেনবা থংলৈ য়াংনা পাউকৌহল্লুই-এ। মৈতেংঙ্না. লমলেন লম্লাংতেক লমদগী থুনা লাংথবাল সনা য়োইকোম্নুং মুংঙাইবদা কোনৌ অহু নোংদবু বাইথুংলকএ। লমলেন লাংথবাল সনা য়োইকোম্নুংদা বাইথুংলবগা মদাইরেম থুৎহৈবা ছিয়াৎপমচাবু পামেল নাক্তা থুংম্না সনা য়াথংনা পাউমেংখিএ। হে ইদাইরেম মুংচানবা লোখোন-ও। পামেল অসিবু উকক মকম য়েংনা য়েংনা ককও হায়না পাউতাক্লবগা মদাইরেম

লোখোন থুংহৈবনা পামেল মতুপ মকম য়েংনা ককচখিএ। পামেল উকক মওংবু সনা মিংয়েং মোকাই চিংনা উরবদা মরেপ শাংবা বাংলগনি হায়না মৈতেংঙু লোইনাই উনবীমুংদা নিংখল্লবগী লোখোনসিং মদাইরেমদা ভনৌবা অমরক কক্লবা হায়খিএ। মৈতেংঙু সনা ময়াথং য়াথং থুমখোই রাগী মদাইরেম লোখোম্না পামেল থৈবোং অহুবু উকক মকম য়েংনা মতুপ অনি অহুম থোক্লা মকক্লববু মিংয়েং শানথৈরবদা পামেল উকক খুদিংদি উকক লেম্না মাঙকরোই। উকক খুদিংনা চীংঙু শকপানখোং অনমম্বু ওইনা পুখোকদনে অম্মুম পাউতাকপিখিএ। মথং মনাউ কায়ফরোই—হায়বসুং পাউতাশএ। শিংজঙ লৈতে য় চম্না থুংলাই হান্না থাঙমলুবগী খাম্বী মৈত্রেং মৈরীক থোবপবু মৈতেংঙু মদাইবেম লোখোম্না পুক্লিং শোঙকি চংলবগী লাইরেল সনা মখোংখাদা বারম থাংথৈ শেংনা পাউকংলুইএ।

তয়ম ছিয়াংনা খুংহৈবা মপাউমেনবু নাতারবদা মৈতেংঙুনা হে তয়ম শুংহৈবা লোখোন-ও! চীংঙু গোবিন্দ মথৌরাংগী কোরৌ নোংদমখোনবু বাংলঙৈবু ওইনঙৈনো পামেল উকহুবু থমখিএ। মথং য়েংনা শানশেমও হায়-বগী—মদাইরেম খুংহৈবা লোখোম্না উরুং সেবক মপারী পুস্থ হৌ পামেল উকক মথং মরেং শীম্না খোইয়ম গোবিন্দ মচকশা মুত্তি শংশং থোক্লা শানথমখিরে।

'শ্রীগোবিন্দ নিরূপণ" কৌবা মৈতৈ পুয়াদা শ্রীগোবিন্দ নিরূপণগী মতাং অসি চস্সুম্না। ইরি—'বামো হরিনন্দগী কুম শক ১৬৮৯ দা মোইরাং নিংথৌ ঔরাদা চংখিএ। মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা মহারাজ তে-খাওদগী লাক্কুনা নিংথৌ ওইরে। মোইরাংদগী মৈতৈ থুন কারকলে হৈস্নাম খোংঙমগী কুম শক ১৬৯৮ হিয়াংগৈ থা ১২নি পানবা। ইরাই মুমিত্তা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা মহারাজনা সনা য়াথং তাকপিবা মতুং ইম্না বাংথৈ পণ্ডিত গোপিরাম সিংহ পাৎচহনবনা শ্রীগোবিন্দগী মূর্ত্তি শাইএ। ....শ্রীগোবিন্দগী জীবন্যাস লোইরবদা বাংথৈ পণ্ডিত গোপিরাম পাৎচহনবদা সনা থুজি, ইরিন বাংমা শামাং

লাইরোঁদা লৌ পল্লি তরেৎ, নাই ফুংগা অমা, ইরোই অমা, শগোল অমা অসি পিএ।"

শ্রীগোবিন্দ শাবা মতাং অসি "নিংথৌরোল কুম্বাবা" দনা সাপম লক্ষননা শাই হায়না ইরি অছুগা 'শ্রীগোবিন্দ নিরূপণ" কৌবা মৈতৈগী অরিবা লাইরিক্তনা থাংখৈ পণ্ডিত গোপীরাম সিংহ পাৎচহনবনা শ্রীগোবিন্দগী মূর্তি শাই হাযছুনা ইবি। থাকম অসি থন্ননিংঙাই অমসুং থিজিনফম ওই।

রাসেশ্বরীগী নিরূপণ তৌবদি "ক্ষেত্রি পানেম, নন্দসিং কো৹সবা, চক্রপানি কোনসবা, অনিরুদ্রাম বোনসবা, খেলেম্বা কোনসবা, হাওজৌ কোনসবা, শামুরোক কোনসবা যোইমা তবেৎমা অসিনা শাইএ। ... ... মখোয় তবেৎমদা লৌ পবি অছুম অছুম, নাই অম৹ম, ইরোই অমমম অসি পিএ।"

শ্রীগোবিন্দ অমসুং শ্রীমতী বাসেশ্বরীগী মূর্তি নিরূপণ তৌবদা শ্রীগোবিন্দগী সেবা চংখিবা পূজাবিশিংদি--(১) বিষ্ণুলাৎপম ঠাকুব বালকৃষ্ণ (২) হগুবম ঠাকুব পূর্নানন্দ (৩) হংক্রমযুম ঠাবুব চাঁদবদন (৪) লাইমযুম ঠাকুর শ্যাম (৫) হিদংমযুম ঠাকুর গৌবচন্দ্র (৬) ব্রহ্মচাবিমযুম ঠাকুব বলবম অমসুং (৭) অবিবম ঠাকুব সিদ্ধান্ত মখোয় তরেৎ অসি শ্রীগোবিন্দগা হৌদোকমিন্নবকপা পুজারিশিংনি।

শ্রীগোবিন্দ অমসুং বাসেশ্বরী নিরূপণ তৌববদা বাডর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা প্রার্থনা অসি কৎচখি—

জয় জয় রাধাগোবিন্দ দেব
শ্রীল ভাগ্যচন্দ্র নৃপবর সেবা।
জয় রাধা কৃষ্ণ হে
ময়ি করুনা করুহে।
প্রনমামি সেদ তব চরনে।

হাত জুরি জুরি কেয় বা মঞ্জরী।
রাঙা পদতলে বিনয় বরে।
হা রাধা গোবিন্দ
আমার দাসী কভূনা ছাড়িহ।

শ্রীগোবিন্দ অমসুং রাসেশ্বরী নিরূপণ তৌবা অসিগা মরি লৈননা কাঞ্চিপুর লাংথবাল কোন্নুংগী বাস মণ্ডলদা লংগাই রাস হুমিং মঙানি কংখি। মতাং রাস শ্রীগোবিন্দ নিরূপণ তৌব। অরিবা মৈতৈ পুয়াদা অসুম্না ইবি—"খ্রাম অমসুং চীংদু গোবিন্দজী থোইথোইবগী জীবনাস মঙমথৌবু শংলো থৌরাংনোংদা শ্রীভাগবত থোইথোইবগী রাসলীলা হুংঙাহবা চীংঙ, রতি শাগ্রথৌবু রারম মরেং চুম্না নৃতক চুকোই কংলৈগনে। রারম অসুম পাউতাকথোনগী কবো থবোম্বদা মাবা পাউশিরগ। লৈতায নোংদাই থোইয়ম খুম্থোক হবাউ খুৎলোন শাথেক্লা চুকোই মপুং শেগ্না তঙ্খল্লে। য়োইবু মশানৌ ঙাংবম চম্নু হরিমতীনা চুকোই মখোক চিংলে তম্পা রাংঙমলোন বিশাবতীনা থৌরানী শাহ্নুনা রসলীলা মপুং ফানবা তঙ্খল্লে। ....
ততোল ইবুংঙো ঙোত্রাম শাইনা ঈশৈ হল্লে, পরশাইনা ডুহার, শ্রীযুংনা পুং থোল্লে হায়রবগা রাধাভাব সংকীর্ত্তন লৌরে।"

"নাট্য-শাস্ত্রগী মৈহৌরোল"

অইবা:—ভিত্র, বলদেব শর্ম্মা
"নটরাজ" "নৃত্যাচার্য্য"

অহৃঙৈ সত্যযুগনা লোইশিল্লক্লবা ত্রেতাগী অহৌবা মতমদা বৈবস্বত মনুনা যুগ নায়ক ওইনা পাল্লিৱৈগী মতাংদা। লোকপাল (মীরাম্নু

ঙাকপি-শেনবিবা) অণ্ডরশিংগী মরক্তা লোভী ওইবা চেন ক্তিল্লকপদগী খৎন-চৈনবা অমদি খা-লান কয়া থোরকখি। লোকপালন তৌরিবা দেব, দানব যক্ষ, রাক্ষস অমদি গন্ধর্বনচিংবশিংনা অ গা অমগা য়েং-থীনহুনা অৱাবা ফিভম থোরক্লবদা মতু কোক্লনবা ইন্দ্রদেবনচিংবা লাই-য়াম্না পিতামহ ব্রহ্মাদা হায়জখি—"হে পিতামহ ব্রহ্মা! বেদাবিধি কাৱদনা পুম্নমক্লা য়েংবদা হৱাও-তৱাম্বা পোকপা, পুম্নমক্লা য়েংবদা, তাবদা জাতিভেদ লৈতনা অমগা অমগা মুংশিনবা য়াবগী অভিনয় ওইবা বেদ অমতং পুথোকপিয়ু। অদু ওইরবদি খুাইমকীগু কান্নবা ওইরগনি অদুগা বেদসু মঙা শুহনবিয়ু।" মসি তাবদা ব্রহ্মানা ঋগ, সাম, যজু অমদি অথর্ব বেদ মরিবু নিংশিংখি। ঋগ বেদদগী পাঠ্য-ভাগ (রিচাথীবা) শামবেদদগী (শৈরোই-শৈথা) যর্জুবেদদগী অভিনয (শকুম উৎপা) অসিগুম্বা মচাকশিং অসি থোমজিল্লগা নাট্য বেদ কৌবা অমা শেম্লে। মতু ইন্দ্রদেবনচিংবা লাইয়ামদা শীন্নবিরে।

লাইয়াম্না নাট্য-বেদছু শিজিন্নবদা লুনা থোক্লবদা ইন্দ্রীসংয়মী ওইবা বুদ্ধি-জ্ঞানদা চংথোল্লবা মহাত্মা ভরত মুনিদা বেদ অদু প্রয়োগ তৌনবা শিন্নখরে। ব্রহ্মানা নাট্য অদু উৎননবা মচা চামগা লোয়ননা তেংবাংবীনবা অমদি পোৎলম পোৎচাক পুম্নমক ভরত মুনিদা পীবিরে। মতুংহুদা ইন্দ্রদেবগী বিজয় ধ্বজ (লানঙম ফংনবা গীদমক অচৌবা উৎসব (কুম্মৈ) অমা উৎখি। মহুদা নাট্য অদু মপুং ফানা অভিনয় তৌরে। কুম্মৈ অহুদা নাট্যগী মশক ওইনা হিংচাবা ময়ামগা লাইয়ামগা লাম্নেংনবা উৎখি। মমৈথংদা লাইয়াম্না হিংচাবশিংবু মায়-থীবা পীরহুনা মথোয়না জয় ওইবগী মতাং উৎলকপদা হিংচাবশিং য়াম্না শাওখি। হিংচাবশিংনা নাট্যকারশিংহুবু পংথনবা অমদি মরোল মরি থোক্তনবা মায়া থাজিনখি। মায়াগী প্রভাব ফংড্রিদৈদা ইন্দ্রদেবনা লানঙম ফীরানগী চৈথোক অহুদা পায়রগা কন্না নীকখি। মহুদগী মায়াগী শক্তিশিংহু মাংপ্রে। লাইয়াম্না ফীরান অসিবু হিংচা-য়াইতম য়েক্লবগী

মায়া চংবা ঙমদবা অমু ওইহনা লৈহৌরসল্লু হায়না শক্তি হাপখি।

লান্দা মায়থীৱবা, অণাওবনা তপবত্রবা হিংচাবা ময়াম্বু ব্রহ্মানা নাট্য অসিগী মগুন তাকখি অমদি মসিনা জীবশিংদা অকবা ওইগনি হায়না জ্ঞান তাহন্দুনা থেমজিনখি। মতুংদা বিশ্বকর্মা কৌরগা নাট্য মাণ্ডপ শাহল্লে। নাট্য শাস্ত্রদা চংগদবা পূজা-বিধি অমদি পোৎচং পুম্নমক লাইয়ামদা তাকপিরে। মহামুনি ভরতকী মফমদা ব্রহ্মানা হায়খি —"সমুদ্র মন্থনগী মতমদা থোকখিবা থৌদোকশিং অমু নাট্য পরোগনা মরম ওইহনা উৎলু। মহুনা লাইয়ামদা পাঙ্গল, থৌনা অমসুং চপ মান্নবা মওং ওইবা জাতিভেদ লৈতবা বাথল ঈথিল পোকহবা ঙমগনি।" ভরত মুনিনা মহুমক তৌরে। লাইয়ামদা নত্তবা হিংচাবশিংসু য়াম্না হরাওখি।

লাইয়াম্না নটরাজ শিবগী মফমদা হায়রিবা নাট্য প্রয়োগ অসি উৎচগে হায়জবদা শিবনা য়াবীরে। প্রকৃতিনা রঙ্গ-বিধিগা লোয়নননা হিমালয়গী চীংবোন্দা শেমগ্রবা রঙ্গ মঞ্চ (ভগোই শাম্নকম) অমুদা দিম কৌ। অকন অথৌগী ওইবা নাট্য অভিনয় উৎথ্রে। ত্রিপুর হিংচাবগী মথবা ঙমদ্রবা শক্তিনা লাইয়াম্বু ওৎখি অমসুং ঙমথৈ লৈতনা বা-হল্লুবদা শিব শঙ্করগী রুদ্র শক্তিনা হায়বিবা হিংচাবমু মাংহল্লগা লাই-য়ামগী পুন্সিদা শান্তি পীখিবা থৌদোক অমু নাট্য-প্রয়োগ ওইনা লাইয়ামগা ভরত মুনিগী মচাশিংগা নটরাজ শিব ঙমথৈ লৈতনা হরাওখি। অমুদগী শিবনা মহাকী জগোয়দা পুক্রিং লুপচরবা ভক্ত তন্দুবু করন অঙ্গহার ওইবা থৌনা পোকপা তাণ্ডব নাট্যগী অরাৎপা শরুক অমু ভরত মুনিগী মফমদগী তমনহখি। ভগবতী নাট্যদেবী পার্ব্বতী দেবীনসু পেনবীরহনা লাস্য কৌবা থোৎ-নৌরবা নাট্য কয়াসু তাকপী-তম্বীরে।

মতৌ অসুম্না নাট্যগী শক্তি, গুন অমদি কজবা মওং পুম্নমক মফম পুম্ন ক্তা শন্দোকপা হৌখি। নাট্য-শাস্ত্রদা লাইগী, মীওইবগী অমদি জীবশিংগীদমক কাম্নরবা পাউতাক্লা থম্না লৈ। শাস্ত্র পুম্নমকী

অর্থ, জ্ঞানগী মশক ওইরবা কলানি। থক-খা, মাং-তুংগী অরেপ্পা খোঁদোক কয়াবু নাট্য-শাস্ত্রদা উৎলি। মতৌ অসুম্না ভারতীয় নাট্য-শাস্ত্রনা পৃথিবীদা ভারতকী মশক তাকই মরম অহুনা অসি ভারতকী চাওখোকচনিংঙাই ওইবা লেমজরবা কলা অমনি।

ভারত্তা তোঙান তোঙানবা সংস্কৃতিগা মরী থাংনববা মনিপুরী জগোই, কথাকলী, ভারত নাট্যম, কুচপুরী, ওদেশী অমসুং কথক্কচিংবা জগোইশিংসি, লম লমচুগী এলহৌভৈদগী লৈরক্কবা লোকনৃত্যাচুদা নাট্য-শাস্ত্রগী শাস্ত্রীয় বিধিদা শেমদোরক্কবা জগোইগী শকওংশিংনি। মখোয়সিবু দেশীয় নৃত্য হায়না খংনৈ। মরুওইবা নৃত্ত=জগে ই নৃত্য—অর্থ, ভাব, রস য়াওবা, নাট্য—লীলা, জগোই-ঈশৈ রস ভাবনা পুল্লবা মরুওইবা শক্তমশিংচুদি নাট্য-শাস্ত্রদগী হৌরকপনি।

নাট্য শাস্ত্রদা চারীগী মখল ভাব বসকা লো নবা ভূমীচারী অকাশচারী, দোলাই মথৌ, শগোল তোংবা, শা শলগী মতৌ অমসুং শাপোৎ-লানপোৎ কাগা লো নবা লান থেংনবা, লে যননা প্রকৃতিগী য়াওন কযাবু নাট্য পয়োগ ওইনা ফোংদোকই। করন অঙ্গহার, মুদ্রা, নৃতহস্ত, রস, নবরস য়াওবা হকচাংগী শাথেক অমসুং মীৎয়েং ওয়মক অভিনয় প্রয়োগতা উৎলি। অসুম তৌনা নাট্য শাস্ত্রদা মীওইবগী পুন্সি অমসুং বাহ্য সংসারগী য়াওন খুদিংদমক নাট্য-শাস্ত্রদা য়াওরি। মরম অসিনা ভারতকী চাউখোকচনিংঙাই ওইরবা নাট্যশাস্ত্র অসি ওসিদি পৃথিবীগী মরল ওইরবনি। ঐখোয়না রাখল অসি থংনা নৃত্য, নৃত্ত, অমসুং নাট্য মশক খংনা শিজিন্নগদবনি। মচুতদা ভা-রতকী লেমজবা পুরকপা ওমগনি।

লোইরবা



থকোকপা :—
মৈতৈ মযেক ওর্গেনাইজিং এণ্ড রিসর্চ এসোসিয়েশন মনিপুর

হেড অফিস :—উরিপোক মাওরেমখোং লাইশ্রম লৈকাই, ইম্ফাল।

নম্কমঃ—সুকমনি প্রেস, উরিপোক, ইম্ফাল।

মমলঃ—লুপা ৮·০০ কপি—৫০০